আশ্রমগী অকোইঁবদ





আশ্রমগী অকোইবদ

অহৈব,

যুগেশ্বর

থোৱাজ অচৌব।

লাইরিকসি —
পুথোকপ — ডি থৌবাল রাইটরস এসোসিএসন।
— কুমিৎ লৈবাকপোকপ শজিবু ২৮ শিথব।
অহানব পুথোকপ — তাং ৬/৫/৮৬ ইং।
কোপি মশিং — ১০১০।
নম্ফম — বি: আর: প্রেস, থৌবাল অচৌব।
শক্তম পুথোকপ — খোগেন্দ্র, থৌবাল।
ব্লোক শাব — মিতমশং, ইম্ফাল।
ফংফম — কংলা বুক হাউস, ইম্ফাল।
বি: আর: ফোটো, থৌবাল।
মমল লুপা ১২/-

ফংফম থোকপ পুম্নমক অইবগীনি

তাঙ্কক ১

য়াকচাউংগী অঙানব অতুক্ক পান্নবা তৌন ঙাউথাংনরুব লৈচিলগী ফিজংন আশ্রমদু কুপশিন্দুনা লৈম্রে। নুংশিরব হৈনম তেনমদ য়ানশিনব ধূপ অশঙ্গুং কেলা মনহুংহারব মঙলংবন মকম খুদিং শিন্নরে। চাউখৈ হুন্দ্রিংঙ, য়েনম কৌবী লাইরেম্বীন মালেম লৈমবু মখাঙ্গুংদ শনিংদেবী হৌন তান্নবং মপুগী কোলোই মিংলেন শক-শোনব হৌখ্রবনি। নোং ঙানগদব স্নুথক কয়া ঙাওলিংঙদগী নোংনগী মথৌ মঙম পাংজব মতুংদ মনা পুংলন খোংনাং বট মখাংদ পুংভা কয়া ফদলুরব দেব-ঋশি কয়ান পুক্নিং তপ্ন মন্দির তম্লম্বে। হোরৌনী মঙালন খজিক খেংলুবদ সনা মহি চেনব মথোং কয়াকপী যুবতিশিংন নিংজরিবদু থাগোম্নরদুন হৈরাং লৈরাং পুদুন মন্দিরগী থোংজিন লেপ্লরে। আশ্রমগী অকোয়বদ লেঙ্করা মচুপ ফিজেৎনরবী নাপোইবীশিংন তুবৎ-তুবৎ পুরক হাংদ চৎলরে। পুক্নিং সাকুশিনব মপুং ফাব ঙমজত্রিব ব্রহ্মচারিশিংন

মখাংদ কুশ গনাগী থৌরিন পুল্লদুন মমাই লৈদ লুক্ক মক্কগী শক্লিন থমোই ক্ষাথব লাক্লরি। লম্বোইবীশিংন শঙ্গোম অনৌব য়ানশিল্লব মানোস সরোবারগী লাইজ ঈশিংন মন্দিরগী লৈমাইবু কয়ারক হম্ন তৈদুন শেংদোকংখ্রে। চন্দল মশিং শুন য়ানশিল্লব কুন্দগী ঈশিংন চাইর-চাইরদুন ব্রহ্মন বৈষ্ণবশিংন ভক্তশিংগী লম্বীদ লৈফুল ফাব লোইখ্রে। লৈরাং পরেং পুবতদ মখাং কোল্লবী লৈরাংবীশিংন মন্দিরগী হোজংদ থেল্লরে।

তায়বং মপুগী কেংলোই মিংলেন শক শোনবতন তু-থোং উরক-ব্লারক মক্ষম খুদিং য়কায়রকই—। পুংক্ষম কায়দ পুজারি থুংলরে, মন্দিরগী থোংজাও হাংখ্রে। ইবুংঙো মাগী দর্শনগীদমক কঙাওনদুন লাকচরিব ভক্ত লিশিং লিশিংবু চংজক্ষম পিনবিখ্রে। ভহক্কী তুংদ শরিক, কাংশি, মাঙ্গং, পুং-ঈশৈ অমসুং মোইবুংগী খোঞ্জেল্লক্ত তায়বং মপুগী কোংলোই মিংলেম্ন মিংলুব ভমদ হৌন হৌন থিনগৎলকই। খোঞ্জেলদুন মঙ্গোল অহুম থক থক নিক্ত নোংমংদাল অতিয়া তম্ন ফুকৎলকই অন্দগী তপ-তপ্ন অথাপ্ন মাইকৈশিংদ পাক চাওন মংরোল মংরোল শন্দুন চৎথরি।—

লৈরাংশিংগী লৈহিদ খোইদাক্লব লৈত্রব খোইমুশিংন জ্ঞান য়াওদ লৈমাইদ ব্লান্থরি—ওম্ন খোইন মৈচাক খাংলি। খোঞ্জেল-দুমক্ক মন্দিরগী হোজং ব্লাংমদ য়গবী য়্যাওশিং হোইদুন চৎচরিব নুপামচা'মগী থংমাইদ কয়ারক হম্ন কায়ংহৌক্লরে। নুংশুক ওঙজানন হোজংগী শিড়িদ ফম্নখৈ ফল্লব্রব মতুংদ নিংব কায়ন হৌগৎলক্কে, থংনঅ মিকুপ্ত লাপতক্ক চৎলিবীদু উক্লকই। মাইথোংদ নুংঙাইবগী মমি তারকই। হৌন হৌন কৌরকই—

—গঙ্গা......গঙ্গা ......হো গঙ্গা—।

ওহাক লৈরব মতুংদ মুপিমচাদু মনাক্ত থুংলরে। হংলকই

—ঐবু কৌবরা ভাইদা ?

কৌই। কদায়দ চৎকদৌরিব্বনো ?

—প্রেয়া-ঙ্খোইদ শান্নব।

- ঐসু থরা য়াওজগে য়াগদরা ?

—য়ারোই। মুপিমরক্ত মুপা য়াওব য়ারোই।

—করিগী য়ারোইদৌরিব! য়েংউ গঙ্গা—নংগী মশবী চীগোক-

পীসে ঐন মুমিৎ থুদিং শেনব্বিবনি। নং নোংমত ঐগী ইতেং

পাংবিব্বরা ? খংগনি ওসিদি মনলুপ্তগী থৎথদুনা হুন্দোক্লমগে,

নং মুংঙাইবরা য়েংউ।

—নংশিম শাওগনস্ত্রে। য়াওহনগে, নহাক ঐ ব্রা'ম হায়গে

য়াগদরা ?

—শান্নবব্ য়াওহনগে হায়রবদি ঐ লোইন য়ানি।

অদুদি মানোস স.রাবারদগী থরো থম্মাল ময়াম'ম হেকপিস্।

ঐগীসু—প্রেয়াগীসু।

—পুরোহিতশিংন চৈরবদি।

—চৈরোই মখোই ওয় মন্দিরদ লৈদৌরে। কনানসু ঐখোয়া

হেকপনি খংলোই।

— কয়ায় হেকসিগে ?

—অশুক য়ায়—।

—ফরে, চৎসি চৎলো হেকমুরসি। ইস! ঙ্ংদি ঙ্ংগ্রেদকো গঙ্গা।

—ষণশিংসিদি করম তৌব ডইদা?

—শজিক চাদুন লৈজসু।

মানোস সরোবারদ মখোইনি থুংলে। ঈরোনবুংদ কুমথ-দুন ভস্নানন্দন থম্না..... থরো..... থম্বাল. ওম্ব মথে হেকখরে। হেকপ লোইরবদ গঙ্গাগী হরাওগ ময়াম নাইখিরে। কোকখোং-নদুন মখোইনি প্রেমদাথোইগী থেম্বাদ থুংলরে। অদুদগী চম্নান মমাক নক নৈরিব শুংপাক্তদ যদুন চহি ৮০ শুন হনবুরবী সবেরিগী মচৌগুম্ব ব্রাখন তৌরকই। মিকুপ খরদংগী তুংদ মফমদু শুৎশেমগী লৈকোল ওইহনরে। খোং-নৌরব মগুং অনিন মখাং লেৎলদুন ম্থং তাওখরকই –

—ডইদা,

—হুম,

নহাক লোৎতুন লেপু, এইহাক প্রিয়া মতৌপাক্কে। এসিদি শুংঙাইরব কুমৈ অম তৌসি।

—কদাইদ লোৎকনি গঙ্গা?

—চেকপল ময়সিদ।

—ইহাক কোনসিদ করম্ব লোৎবনি? গঙ্গা—ওইথামী, থবসিদি! থরাসিদি! অরেম্ব থম্বাসিন কদাইদ থমসি হয়রিবনো?

—নংবু লোৎপ হৈরো? থরো থম্বালসিগী মরক্ত হেক লোৎসু।

মেকংদ হৌহল্লব থরো থম্বালক্ত ডয়া-নন্দ লোৎখরে। পৃথ্রিদ......পাত্ত.........ঈশ্বাইদ.........শাৎপ থরো থম্বালন ওসিদি

লৈকংদ, ফংফানদ, তেকপন ময়াদ, প্রিয়াখোইগী খোঙ্গান মমাদ নোংহৌন লৈশাৎ তম্ররে। গরান খোংথাং খরদং চৎখোক্রব মতুংদ—

—হো—প্রিয়া, প্রিয়ম্বদা ..... প্রিয়ম্বদা.......

— লাকয়ু..... লা.কু.য়ু...

প্রিয়া লাকবদ গঙ্গান শাওন হায়রকই-

—ইঃবম্ম নংগিগ নোংমত কৌনদব য়াওদ, চাওখাকংখ্রে। চৎসি শান্নব থেংংখ্রে। ঙসিদি লুহোংবী শান্নসি।

—ইক য়াজে তনাজে এদি। বরগু য়াওদন—।

—বর য়াওদনবু লুহোংব য়াবরনে হৈগু -।

—কদায় বরদি ?

—তু—সিদ লৈরিবসি উবরা ?

প্রিয়াদি থম্না..........থরো ....থম্মালশিংদু উরুব খুদক্ত পুমঙাও ঙাওখ্রে। তফিং তফিং চেনশিন্দুন য়েংলকই, লৈরাং লৈনমদ থমোই কুঙ-পান ওয় পংথরকই। অদুদগী হংলকই—

—ইস! কদায়দৈনো সিদি ? এসু ঙসাইমখৈ খল্লিবনি, থম্মাল লৈনমসিবু কদাইদৈনো হাইদন। থম্মাল চাম্ম-নিপাল ঙাক্তুনিদন সিদি! এঙোন্দ খর পিরো গঙ্গা।

—থম্মাল লৈনম ফংবদ ঙাওদুন পায়খোরক্লব নত্রো ? অপাম্ব মখৈ লৌজরো। অদুবু প্রিয়া, নহাক মসিমদি থংউ— থম্মালশিংসি লেম্ন থক লৌব য়ারোই। মমল মতিকচান পিগদবনি।

মসিগী মমলতদি মপিরগে। অদুদি হাইগু, নহাক মসিগী মমল ওইন করিদি পামই।

— শোইদন সিগনি হায়দুন হ্রাশকউ।

—শোইদন সিগনি হ্রাশক্রবনি—গুরুদেবন শাখি।

—অদুদি নহাক ৬সিসু মহৌশাওন্ন পেস্ত্রিযাওব শামব য়াওগদবনি।

মদু তাবদ [illegible] নোঙ্গিংবন শাংব ভমদ্রে। অঙৌবা ময়া চরোং খিন্দোকত্রব বয়ারক হুয় পেন্ন নোকংথাকন্নুরব মতুংদ হংলকই—

মদুবা থম্ব লগী মমনদি?

উম।

[illegible] মদু ভবদ খোংথাং অম অনি [illegible], থাপত [illegible] গম্রাং [illegible] লৈবব [illegible] থমোই ফাওন য়েংলকই। [illegible] খৌব [illegible] ভইদুনসু [illegible] খমোই [illegible] ভমথিদ্রে। ভসি [illegible] ক্রমব [illegible] মও [illegible], [illegible] থকাতান লকপ [illegible] কি [illegible] খোব[illegible]! [illegible] হেয় নকশিম্ন [illegible] হায়রকই—

— [illegible] পেস্ত্রিফাওব শাংব য়াওগনি।

— অদুদি [illegible] অপাম [illegible] লৌজরা — ।

চেকশিন্ন [illegible] তিংখং পানবনি [illegible]।

তিংখং[illegible] [illegible] ঐভদি শিজর্রগ।

[illegible] নাওলশিংদুব [illegible]। [illegible] মতম [illegible] লেখো [illegible] ফুপ্তবী [illegible] মহক্কী মাহৈ [illegible] তকুং [illegible] মহক পান্নদু নোঙ্গিংবদ [illegible]

-থম্বাল পামখোদন......থম্বাল পামখো হায়ব—!

থম্বালগী তিংখংন যুবগী থমোইদু চৈনা ফংলরিনি ?

-চিন্থিবিসিদি। নখোই মরক্তু শান্নবকা অমত্ত য়াওজররোই ঐদি। গঙ্গান খোইরুম তৌন মুংশি মিৎয়েং অমত্তং য়েংলগ মথা তারকই—

-করি য়ানো প্রিয়া, হৌজিক্তু নহাক্তু য়াশকখিবদুদি কাওথোক্ক-বরা ?

হো—ইবেম্ম, থম্বালক অমও লৌজররোই, অদু ওইরবদি য়াশক-পদু কোক্লেদনা-। পাওখুমদুদ পুক্লিং লৈতাদ্রবী গঙ্গান মখুৎ পায়দুন থামই।

প্রিয়া, য়াশকপদু নন্দোক হুনজিল তৌব য়াবরনে ?

-অদুদি নখোইন ঐবু করিগী থংহল্লি ?

ঐন চেকশিল্ল হায়খিবদুদি ! করিঙ্গীনো নংন থম্বালদদি কোক্ষ্রদুন মীচোম্ন লোয়ুক্লিবদি ? ঐন পিবদি থম্বালখক্তনি, ওইদাবদি সিখিদে। ঐদি হায়রিবনিনি ইবেম্ম—অনিমক লৌবদি য়ারোই।

-ঐন মাবুদি নির্দয়লে, শকখিবসিবু।

অদুগ করিগী পমজন কোল্লুরি ?

করি হায়র ! পমজা কোনব হায়ব ! ঙকচরেদকো ইবেম্ম ! মখোইগুম্ব চো-শিংনাসিদি শোক্ত শম্নক্লবদি লাইরদন ঐখোইদি মমি ফাওব নেৎতেদ। শম্নক্লব পুমিত্তুদি চাম্মরক হন্ন ঈরুজ, থংলবরা ?

প্রিয়ম্বদাগী হু চেল্লব ব্রাহৈ খনদু তারুব খুদক্ত ডয়ানন্দগী মাইথোং লাংশিনখ্রে। অচুম্বনি প্রিয়া সেংকপ মপা ইবুংঙো চরুন্দাস, মন্দিরগী পূজ রিহম্ব ডয়ানন্দব অমাংব জাৎকী মচানি হায়্বন ইস্লোকই, করিগুম্বদ শোক্ল শয়্যদ, মমি ফাওল নেদ্রে। ঙসিদি মদুমক প্রিয়ম্বদান মশক তাক্লরে। মহাক্কী ব্রাহৈ খরদুন ডয়ানন্দগী থমোইদদি বৃশ্চিক্কী মমুন খিনবগুম থোক্লরে। খাংব অম্বুক ঙম্নকত্রদুন তপ্ন লৈংথোকতুন চৎপ হৌখ্রে। মদু উবদ গঙ্গান মিপায়্বরদুন হংলকই—

—ডাইদা, কদাইদনো?

—ঐ চৎলবনি গঙ্গা। নহাক শাওরক্ল, ঐহাক শাম্নব য়াওররোই।

—করিগী?

—য়েংঙো, ঐগ শম্নব খুদিং ঈরুরবদি প্রিয়াদি শোইদনমক নাগনি। অদুই শরুক নখোই'নি নুংঙাইন শাম্নরুরো। ঐদি অস্তুম চৎলগে।

হৌজিক্তি গঙ্গান খামজরুনবগী পাঙ্গল লৈখিদ্রে। নুংঙাইন শাম্নরুগনি হায়্বগী আশাদ লাকখিবনি, নিংব কায়থরক্লবদুদদি খোইদো শাওগৎলক্লে। লৈশিল্লতুকন—

—প্রিয়া নংসিদি—। অদুম হায়্বব হৌনবরা? হৌজিক করম তৌনি, মহাক য়াওদ্রবদি লুহোংবী শাম্নব য়াররোই। নংন চৈরুবনি, নং খামউ।

--ঐদি মাগ শান্নব তাল্লি—মাংই। অতোনব জাৎ, হরিজন-
শিংগ শান্নব পাংন থিংই।

মহাক্কী নাপন য়াওব ব্রাহ্মশিংদু তারুব খুদক্ক গঙ্গাগী শাওব
খম থেংশ্লে। থামাইনুংদ ৱামৈ চাকপগুম খাংঙমদন প্রোক
প্রোক চাকশ্লে, অমুক ফাথব ঙমদ্রদুন—

নহাল শান্নরিদুদি? নহালদি মাংদব অদুগ ঙসিদি মাংলব!
লৌনম তৌগন্নু প্রিয়া, নহালগী শান্নবদ মঙোন্দ নখুৎমক্ক লৈ
পরেং হুকপদো।

—অদু ওইরবসু।

মহাক্কী পাওগুমদুদ গঙ্গা শাওমনখিবন মমিৎ অনি ঈ কাশ্লে।
হৌন হৌন লাওরকই—

-লুহোংলে.......লুহোংলে......প্রিয়ম্বদা লুহোংলে।

নহালগী লুহোংবী শান্নবন ভয়ানন্দন বর শাখি। অদুগ প্রিয়ম্ব-
দান কন্যা। মখোই অনি লুহোংখি, মদুগী মিৎন উব শাখিদি
গঙ্গানি। গঙ্গান লুহোংবদুগী মমানি মপানি.......পুম্নমক্নি।
প্রিয়াগী থোৎ নৌব্রব খুৎশান অঙৌব লৈরাং পারেংদু পায়রদুন
ভয়াগী ঙকপমদ হুকখি। ঙসিদি অশাওব ফুদোক্করকপদ
থৌদোকতু নৌহৌনন মীমাংদ পুথোক্করক্লে। গঙ্গান লাওরিঙৈ
তানজাদুদ মদুবু তারুব অচৎ অওকশিংন হংলকই—

—গঙ্গে—কনানো লুহোংলিববু?

—প্রিয়ম্বদা।

—কনাদ ?

—ডাইদাদ।

মচু তাবদ লম্বী চৎলিবশিংদুন হায়রমই—

—অদুদি প্রিয়াসে মপুরোইবগী মনাক্ত খিনবিরুরোদন।

—খিনবিরুরো ..খিনবিরুরো... লুহোংলবদি নিংঙোনশিংন মপামদ নৈব মহা পাপনি। খুদক্ত মপুরোইবগী নাক্ত খিনবিগদবনি।

ব্রা-ব্রা নোকতুন ঙম্ন চৎনখ্রে। [illegible] অদুমক চৎখ্রে প্রিয়াবু নাইতোম হন্দোকনি[illegible]। হৌজিক্তি [illegible]মদা অমা খাংদুন নৈব ঙমকত্রে। নাপাক্ত অমম্ভং মপাইশাবন [illegible] ওই মফম থংদ তৌবম থংদ নুঙদ চা[illegible]। [illegible] মতোম ব্রি...নি.. পা[illegible]কতুন নৈগী ঈচেল [illegible]। [illegible]দন হমে[illegible] [illegible]ংদগী হেনর ক্ল।—তাম্নমম নৈ[illegible]তুন মদন [illegible]তাগী থানা [illegible] [illegible] থম্নাশিংদুদ তায়নরক্লে। শেপা[illegible] [illegible]দৎতুন [illegible] [illegible]রু নৈব হৌনক্লে। [illegible]াক [illegible]াকতুন [illegible] নান [illegible]মচা [illegible]াইরে। [illegible]হাক্কী ভুংলদি [illegible]ঙমনখিবদগী মচু অ[illegible] [illegible]ক [illegible]চাকথাখ্রে। শাপ লমশান [illegible]হৎপিরং[illegible] [illegible] [illegible]ক [illegible]তকাখ্রে। অমুক শেপাইকুব, অমুক [illegible], অমুক [illegible] [illegible]কত্রে। চোইন তারিব নৈনাশিংদুগী মাক্ত তপ্প ফমথল[illegible] অদুদগী থামোই শোক্ল হিক-হিক কপতুন অসমক নৈখ্রে।

ভয়ানদগী থমোইনুংদ চেৎখিব নৈচা[illegible] গন্দান [illegible] [illegible]মাইদ চুশিনবিরম্লে। [illegible] [illegible]ত্রব মতমসিদ গঙ্গাগী করমুব ব্রাহ্মশিংদুদ য়াওরিব অচুম্বশিংদুন মৈরি [illegible]ক্ল চাকখৎলম্লে।

তাঙ্গা য়েংদুন গঙ্গান মাবু অমুক কাখৎপ ভুম্নরোইদব কুহ্না মনুংদ ইস্থদুন থম্বীরম্লে। ধল ..বজাই ...মেঙ্গুল ...লাও খোংলিব অম্মানদুগী মরক্ত লিৎতুন থিনগৎলকপিব সহনাইগী খোঙ্গেল, তিঙ্খিব মীয়াম্দুগী মাংদ পুশিদ কাওব ভম্নারাইদব ধর্ম্মগী লেংদ্রব শাম্পি থমদুন, অঙৌব লৈরাং পরেংন ডয়ানদগী ঙকশমদ হুকখিব! নিংশিং নিংশিং প্রিয়ম্বদা পংকপু কপগ্রে। লাপতব চৎলিব ঋষিদুন মাবু উবা গুংডাইত্রমাসে, মনাক নক্ল চংশিল্লক্তু হংলকই —

দেবী, করিগী অদুক থমোই শোক্ল কল্পিবনো ?

করম্ম ননিং গুংদবন মরম ওইদুন মরাল লৈজদ্রবী লৈরাংশিং-গাবু অশুক য়াম্ন মেখিব মওংদ নৈহৎপিরিবনো ?

প্রিয়ম্বদাদি খাঅলদ ভংদুন নৈগ্রে। মপুক ইংলব ঋষিদু উব ঙমখিদ্রে। মহাকী মীজাল য়াওরব য়াবা তাব লৈখিদ্রে। মমু উবদ ঋষিদুন খোইক্রুম তৌন আশীর্বাদ তৌরকই

নহাক্ল নিংজরিবদু থুংবব ওইনু। মথা অমুক তারমদন মফমদু ঘাদোকতুন চৎখ্রে। লৈকুল্লক্ত চোইন তারবী লৈরাং নৈনাশিংদুগী মরক্ত শিংঙেল প্রিয়ম্বদাগী লৈরাং লৈরিকসু চোইজ্রাইনা থিবথরক্লে।

তাঙ্কক ২

গঙ্গা অমসুং প্রিয়াবু হ:দ ক্রমদুন ডয়ানন্দ চীংঙৈন ল'ত্রে, মন্দিরগী হোজংদ থুংলরে। থমোই শোক্ক নুংঙাইখিদ্রমালে— অমুক ফমই, অমুক লেপ্পী, মতম কয়া হৌহনখ্রে। অরেং অরেং পুথনি খংন খংন হেন্ন নেংব পামলুরি। লোকথাদুদ লেপ্লদুন ভমন্ত্রব চীংমাই নাপোমদুদ য়েংলুরি— চীংদোন্দুবু আশা তৌরুরি মন্দিরসিগী মন্নুংদ চংদুন ইবুংঙো মহাকপু অমুক্তুং দর্শন ফংঙ-ব্রবদি ওস্থোক্ক নুংঙাইথ্রনিদা মপো'কসিমগী অসুন্মক নিংব ক'য়ন শিব তারব !

চহি কয়া হৌখ্রবগী তুংদ ঙসিসু লেপ্লি খোংফম চেৎন মিৎলু পিরাং ঈহৌনন। ঈরাক্লরব কনান পাক চ'ওরব ঈরোলনুংদ অফংব থুদিং লাম্বগুম উপায় থিরকই— মাইকৈ থুদিং লৈদুন য়েংলকই—নিংব কায়দুনত লাকখি, ঙসিস্থ নিংব কায়দুন অস্তুন্মক

হৌরাদে চেদিবা! অশ্রমগী অকোয়বদ শাৎলিব শিংওল লৈরাং-শিংসি য়েন্দাই থম্ন হেক্লগ মখোং থনাজনিদ খুজোক খুজোক কচ্চরবদি থনে ইসি হারওমদন পেনখ্রিনিদ। শাৎলিব শিংথেল লৈরাশিংসিবু পুংশিন লোনম চেনব ঙাকনা? হে! প্রভু নংন করি নীদমক থেৎ ববি শ্রীরম্রীবনো? লৈনম চেন্দবী, মরাইবক মিরবীশিংগী চনফম কৈদনো? নংতগী দর্শনবু খোইদাজন্নুন হরিজন ক্লিশিং নিশিংন মন্দিরগী হোজংদ সেপ্পনগ নিংব কায়ন হনখিবদু উবীদ্রিব করিনীনো? কদায়—নংগী পুন্নমকপ্পু উব এম্ন পুন্নমকপু খংব ঙম্ন শক্তি? নংবু তোল্ল তারখশিংগী মরুপনি হায়নবদাই? চহি মিশিং কয়া তব্ তৌজবগী ফংওমত্রব নংগী দর্শন্ নঙ্গোনবী সাবরীদা পিবিদ্রি। অশ্রফমদ তরব পান্দু মওাগী থমোইগী ব্রাকং খংবিদে উবিরি নংন। ......মদ্ পুন্নমক এৌন শিংথাক্লহুন কোদৌক্লনি। প্রভু, নহাকসু, হেন্ন মরেক মহাও খোকপ মফমদা লেক। উইথহন লৈনিংবসিবু মহীশা নগুবরনে।

হে! তায়বং মপু, নহাক্ক করিগুম্ব লৈব খোক্লবদি মিকুপ-সিদ চোংথোকপিরক্লো তোম্নবগী মাংদ, অদুগা হাইবি;—নচাগী থমোই লকাদ চাক্লিব মৈচাকসে করম্ব মতমদ মুৎকনি? খোংফমসিদ তানজসিদ হরিজন ডয়ানন্দন হংজরি নহাক কনানো? নহাক তাশংন লৈবরা নত্রগ লৈতবরা? তায়বং 'পুম্ববু লৌনম লাংদ ফাদুন পুশিবু ঈখয়নব করম্ব নহাক্কী মিত্রংন, করম্ব ময়ান, থমোই কয়াবু তুংদগী হেন্ন কনহল্লিবা? অদুগ করম্ব নংগী তৌব ঙম্ন নতিক্ল থমোই কয়ান লৈনাদগী

হেন্ন খোংহল্লিব? নহাকসু শাহিং চাব জিবশিংদগী হেন্ন তমথিনিংঙাই ওইরিব থামাইশিংদুগী থমোইদুমক প নবরা?

খংজরে প্রভু, ইনাকখুনবন লাইরবগী অত্রাব খংবিক্ষম থোকপরা? হু পুব নিন্ন হু য়াওদব জিনবু শিংথানবরা? নংদি তুংঙাই য়াইফরিব জাংকি মতাখত্তগীনি। হে! মুংঙাই য়াই-ফরিবশিংগী মপু—নংদি অফব জাংকী মপুনি, গবুংঙোনি। অতানব লাইরব হরিজনশিংগী মপু নাংগু।

মসিদ নহাক করি পাওগুম সিবীব ঙমই? লৈয়ু—লোত্তুন লৈয়ু, নাথেদুন চংনু। মখোয়দ নংবু হন্ন-হন্ন হরিজন মচা ডয়ানন্দন হরান্দা চৈগনি। মীচৈহু তাদনব মন্দিরগী বাচিন্দ থৈজিন্দনা লেংলু, নাকোংনি মেনশিল্লু, নিংঙাইদন মফমদুদ পেন্থোক্তুন লেথোকউ? মাংদ অশিকপ থামাই পানব অতানব জাংকী মচা ঐথাইদি থাংহনন লৈব ঙমদ। মতুমা অচুম্ব ওইরবদি, পুন্সিদ নংগী দশনগীদমক আশা অমুক তৌথ্রোই। পাপ চেল্লব পক্লিংসি মন্দিন্ন চংনিংবগী ঈশ্বন্ন হন্ন অমুক ফাওরগুনব য়ারক-ক্রুবগে। মাংদ লৈরিব অথিংবগী পল্লশিংসি উদুন মিংগুদ পেরাং ঈশ্বরকুনব ইমিং অনি কেংখোক্লগনি, অথাব...

অরকপ.. মীচ তাদনব নাবক অনি মেনশিল্লগনি। তমথিরব চানবী ক্লহিন য়োৗনব মসমদুন চত্তুনা অচাওরম ফাব মীকুংশি য়াওদবশিংদগী তান্ন—করক মীহাব য়েংখনবগী হিদান্নব লৈত্রব, লন-থুমগী থরাও থাদোক্ল, ময়া চংদব পুন্সি মরল্লদুদ থব্রাইসি লেহ্রা পাইতকনা। ঙসিগী মীকুংশি য়ওব্রব সমাজসিদ মাই

অমুক হন্ন উৎলরোই। ইংলব থবাইগী পোথাকম—অৱাং অনেম জাতি বিজাতি খাইনা, নুংশিবগী ঈকুৎন থম্ব লৈতন চেম্রিন, লাজবগী তুংনকম, ফজবগী য়ারেকফম ওইব মফমদুন করিগুম্বদ নাইথদুন চৎখিব থোক্লবদি হিংলুবগী মমল লৈত্রব থবাইসে লেপ্পমক মৈন্নুংদ চোংশিন্দুন থাদোক্লগে।

ৱাখলদ ওহাক লমডাওনরিবৈদ পুজারি চরন্দাস থেংনরুনে চৎথোক চৎশিন্দ ওমংলানি খল্লিব হরিজন মচাদু উবদ থংমাই ফাখব ভমত্রব পুজারিদুন হন্ন-হন্ন লাওরকই -

নীনাই মচা, লৱী থাদোকউনে ... .. ঐগী লম্বী থাদোকউনে ।

ৱাখলদ ভাওরব হরিজন মচাদুদি পুজারিবু উব লৈপিদ্রে মওই উপিত্রব মওংদুদ পুজারি ঈ কারকই। নুংঙাইতবন নুংশা শার ফুন্নকই। মা।।° ফ.দ কতুন হেন্ন কনব খোনফমদ কনানো পাপী নত্রবু ? নফমসিদ নত্রবদি নৈফম লৈত্রবরা ? হৌগৎলুনহে.. ....হৌগৎলুনে—মফমসিবু লৈগী শৈজা ওইন, থম্বরবরা ? কয়াদ মনা কল্লিবনো! করম্ব ৱারত্তব নঃ মপাগী মচানো? হরি . . ... হরি ... .চুম্ন হায়রদ চৎলোইদৌরি, মসিদি করম তৌব তাই - ।

নুঙ মুরু চাক্লব পুজারিদু অচৌব থোংপাকতু থাঙৎলত্রে। মতুং করব নুপামচাদুবু নতিকচাব চৈৎং পিরগে খনখ্রে। মীতু শি মাংত্রব মীচেদমক্ল ওইরমাগে দমাংনগরব ডয়ানন্দ হ'লগী মোংব কাংলক্রে। তপ্প ইংন খুম্নকই

—ও কপিগনি, থংজরুদবন লংজংখ্রে।

—মীনাই মচা, নমিং গাত্রা? ননা হংত্রা? চংখ্রো চংলু — মসি মন্দিরনি; নংখোইগুম্ব অাংকী য়ারেকফম নাত্তে। ইয়া— অশাওবকাসু উৎলিনাহে। ঐ কনানো হায়বা নহাক খংজত্রা? অঙাংব নমিৎ অমিদু কেৎখোকপ ওম্ব চরন্দাসনি। অদুননিনহৈ—হরিজন ওইনা গাক্রিবাদা। হরি.....হরি..... ঐব অসান অমুক চংলুখিব তাক্রিবরা?


- তাকপিরিবদুবু করিনা? হরিজনগী হকচাংগ শন্নরুবদু লৈখিদে। পাপ চেনব হরিজনগী ইমি ফাওবসু ফন ভাম্ন মাংরি, হৌজিকমক কনা খোইদোকপ খংখি উমিবসু য়াওদে। পুরোহিতশিংন হরিজনশিংগ উন্নবফাওব মাংলগদবনে ঐজ্রা?

—মাংই—। নহাক করি তৌগ হায়রিবনো? নংখোইগ উন্নব ভাংনবত নাত্তে, নখোইন লৈরম্ব......শোক্রম্ব......গোৎ খুদিংমক মাংই। চংখ্রো চংলু—। নত্রবদি পাপি নহাক শোইদনমক নখ্রাই মাংলগদবনি খংউ।

—অদুওইরবদি তাবিয়ু মন্দিরগী পুজারি,

অদোম্ন লেপ্পীরিব মফমদু ওহাক্কী মাংদ হরিজন্ন লেপচন্নবনি। অদোম্ন হাবীরিব ভগবানগী ক্ষিরদু হরিজনগী খুৎকী পোৎ-খোক্রি। অদামদি চুম্নত মাংব নাত্তে, থব্রাই হকচাং অনিমক তন মাংলবনি।

শাওগন্নব পুজারিদু ব্রাখলদ ভাওরকই। পুক্রিং চোইরকই তৌফম থংদ অয়াকপ খোস্থাংদ হন্ন হন্ন চৈন্নকই -



—ঐগী চিন্থক্তসু খুঙ্গ শাইনে মীনাই মচাস্লে। হুই হৌদোং ওইন পোক্লদব! থকসি খাসি নাইদব ব্রাঙাং ব্যবহার খংদব ওক্লী মচাসিদি। ঐন করি তৌব ওম্বগে হায়বদো খংহনগে, নতিক থোক্ল লাক্লগে খংগনি। চন্দি—মুখা—রাজু—কনা কনা নৈ—?

মিকুপ অমগী মমুংদ খোংজেলত্তুন মরম ওইদুন মাইকে থুদিংদৈ মীয়াম ফুজিল্লক্লে। ভয়াবু মরোল কয়ারক হন্ন কোই-শিনখ্রে। উব ফংখিদ্রে। থংনব মিকুপ্ত ফুব.......চৈব......... থিনব........কাওব .. ...মিকপ মিয়াওখোলগী খোংজেলতন মফমদু অমুক হন্ন পোথাহনখিদ্রে।

—ইকায় খংদব.......লমহেনব.......মীনাইমচা ...... নুমিৎ থুদিং সনথোংদ থেল্লখোদন। করি থোকই হৌজিক্তি? নুংথিলদ মং মংখোদন?

চৈব য়াব চৈরম্নগ চরন্দাসতি মফমদু থাদোকত্তুন চৎখ্রে। খমোইগী লৈরাং পারেংদু মঙক্লগী নমদুন ম্লৌথোক্লগ মতৎ-মতৎ খদত্তুন লৈমাইদ চাইখাইবত নত্তুন পাপ চেল্লব খোংপাক্ল নৈহৎ-পিরম্লে। হে! থব্রাইপানব, ঈ অমস্তুং শাদোংন খৌরাংলিব পুন্সিগী গুংঙাইব ঈচেলদুখত্তুন পুরকপ থাজবগী পোরমত্তুখত্তুন তাম্নবং মালেমসিদ হিংনবগী অশেংব পান্দমলা? অশিবগী ব্রায়িদ অচংব করা পেন্নরি। অমুক হৌগৎ কাংখৎপ ওমদ থমোই কথোক্লি দান তৌরি—। অমম্ব শুরুংদ পুন্সিগী লৈজব অপুম্ব পামুব খংদ বলিদান তৌরি। থাজবগী মৈরিন চাকথেক্লব ধর্ম্মদুগী চক্লন লৈরকপদ লৈরম্ব থুদিংমক উৎ ওইপ্রবনি। অচংবন

কদাইনো ? অহিংবন কৈদনো ? উবীন থংবীন লৈখিদ্রব লৌনম্বগী হিথাংফমদুদ লমথংলুরব মহাক অদুদি করি ওইফম থোকই ? থরাই য়াওরবগুম য়াতাদুন লৈত্রিব মরোল থোক্নরব হরিজন্দুগী হকচাং পোলাংদুদ য়েংলিব মিৎয়েংদুগী অর্থন কবি· হকচাংদুগী মকম খুদিংদ শিন্থুৱিব অঙাংব ঈগী মচা [illegible] অর্থ ?

মহু পুব [illegible]নখাও নেংলুরবদি ওনথৎতন চিক্লক্লনি অসিয়া ? [illegible] রাই প[illegible]ব খ[illegible]দব, মন্মদগী চংজকমতনু ঈ.খীলাংবতন পোথা[illegible] ফংজব ঙমদ্রব ম[illegible]াইদুগী হকচাং পো[illegible]দগী শি[illegible]রকপ উদু [illegible]ৌদুন [illegible]াইবও নম[illegible] অদুগ বল্লক [illegible] নেকতুন জম্ম [illegible] লাও[illegible]নি, [illegible] থে[illegible]নি, অসিরা ? [illegible]লৌনমগী [illegible]ৎলাই পায়ন, [illegible]মোই পানদব, [illegible]দ ঈ [illegible]দুনত লৈরব কন্ন দ[illegible]ী থ[illegible]মাইগী অ[illegible]পনবন অ[illegible]ব ধর্ম্মগী পা[illegible] ওইরবদি, হে ! [illegible], ন[illegible]সু [illegible]ংর্মাদ হ[illegible]নগি [illegible]ী মি[illegible]দগী শিন্থুৱিব পিবাংল[illegible] ইদন ঈরাক্লরকখি[illegible]নি । ম[illegible]গদুদ মফমদুদ .. .. কনা[illegible] [illegible]নি কনান অনুক কপকনি ?

ভাঙ্কক ৩

মহৌশাদগী আশ্রমদদি মী অমসুং শাশিংগী মরক্ত তং: থানব নৈতব মরি লৈনরকই। নিংখিরব মালেম লৈমসি থব্রাই-পানব খুদিংমক্তিনি। থব্রাইপানব খুদিংমক্ত ইমা অমত্তুগী মচানি হায়বসিদি ব্রাভাংগনদব দেব-ঋশিশিংন থবক্ল মশক্ত তাকখ্রবনি। শাহিং চাবনি হায়রিব অকিবগী শত্তম পুরিব শা-ভা পুত্মক থোং নৌরব মিৎয়েংগী মুংশি লংজান অন্ক থোকপ ভমদ চেংন কয়ারক হৃম্ন পুনখিবন আশ্রমদদি মী অমস্তং শাগী মরক্ত খেৎনব লৈতে, মুংশিবগী ফোং.মদ্রব মরি লৈনরকই। মরমদুন আশ্রমন থাদোকতুনা চৎপ হায়বদু মখোইদ ভইথোক:ত্র। ভাকগিব.. .. ব:নবিব......অতোপ্পগী ম্লাইফমত্র তৌব হায়ব ধর্ম্মগী যুমফমদুদ লেপ্পদুন অব্রাংব থব্রাইগী পোথাফম থিরিবশিংতুন মাংজোলন থং:খ্র মদুদি তায়বং মী ঐখোয়সু শানি, থ্রাইদগী হেম্ন তমখিব জিবনি। ব্রাখলদুন লমজিংদুন তায়বংগী কল্লকপ....মিহৌব .

অপাম মুংশি .....পুন্নমক হুনজেক্লমদুন মফমসিদ লাকখিবনি। কোক্কে যতা পু, উফুল রাইফুল তৈজুন, উমংদ উাঁহল-রাহে খরদংন অরাম খৌরাং কোকহন্দুন মপোকসিমগী ওইন সমাজবু লংশেককুন থম্লম্লবনি। মহৌশাগুম্ন ভসিসু লাওরকই—

—ষণ থারো.......যগ থা.রা ......

মান্নি ডয়ানন্দগী খোাঞ্জলনি। খোঞ্জেলদু হেক তাবদ গঙ্গান তফিং-তফিং চেপ্পোরকতুন শঙ্গোল তম্লকই। —পুন্নিব থৌরিদু থাদোক্কে, নৌরব খুৎশান মছা শিনব থুংন নাল্লদুন—

—চৎলু, গোমাইয়া। নহাকপু ডাইদান কৌরে। থাগ্ন চৎকনু, উমংদ চৎলুনু, অরাংব চীংমাইদ কারুম্নু পাঙ্গলদু য়াওদ্রে অক্লংব হানৌ খরদং চারগ ভন্তা কারকউ। ঐহাক তগৎ-তগৎ তেকপ হুপনৌ কয়ামসু থিরমগে। চেং হরাই মরাং কায়ন নংগীদমক থোংলমগনি।

ভসিদি ময়াদু মখোং থাংউ য়াদ্রে। গঙ্গাবু চিংন য়েংদুন অতুমক লৈংখ্রে। মনা অনি ফৎ-ফৎ নোম্লকই, মমৈ চাঃমার হায়রকই। মদুগী অথদি—গঙ্গা, ঐগী থমোইগী গঙ্গা—নহাক রারৌরনু। ভসিদি ঐ চৎলরোই, ঐ চৎপ ভমদ্রে। নংন হায়বদুত ইন্দুন লাকপনি। অদুবু গঙ্গা, ঐগী খোংসে থাংব ভদ্বগী পাঙ্গলদু লৈত্রে। মপোকসিমগী ভমগদবসু মাস্ত্রে। অরিব চংখিনি ......অানৌব লাক্কনি, বসন্তন লোইগ্রবদ রাকচিংগী উনলেন্ন কয়াম তাম্ন লৈরমগনি। ও! মুংশিদ, হে! তায়বংপানব— নংদি অসুপ্মক লেংদন লৈহৌগনি, ঐখোইদি নংবু থাদোক্কুন চংখিগনি।

লৈমাইদ তপ্ল কুম্থরকই। মখোং মখুৎ শাংন শাংন তিংথোরকই। "নিংথমথাগী অহিংসিন কয়াদ ইংঙ্গ্রব! ইছাসি থক থক নিকখ্রবনি। নংতবু ভাইবদ থবাইসে মপাল খে'ক্কঃদৌই। মপোক খিরকপনিন নংবু কৌজবসু ওমজদ, কয়াদ ব্রান খাংখিব। অহিংসিন কয়াদ শাংঙ্গ্রে—নোং ভানব কৌব লৈতে। ঐদি নংবু উন্নদন শিগ্রগদরা খল্লবদ পোথাফম থংখি-দ্রবনি। অদুবু লাইবক ফবদে উন্নবদি ফংলে, ঈশ্বরন ঐবু চানবিরে। হৌজিক্তি ঐহাক কয়াদ মুংঙাইরব। ব্রাখলদ অহিংচুপ্ল তুগ্রকত্রবনি।" ওহাক্কুং মুংঙাইন তুমথগে হায়বগী মওংনি। পিরাংন থুম্লব মিৎপ্লা অনি উইথরকই।

আশ্রমদ মণবী মন্নাও চনিমুক লৈ। মাইয়ান মখোইগী লুচিংবীনি। মপুক ইংলবী মাইয়াবু থংদব আশ্রমদ কনা লৈরি? মহাক্কী মপুকথোক্কী অমুক্তুন হিরম থুদিংদ ভগবানগী সেবা তৌনখ্রবনি। গোমাইয়াগী শঙ্গোম্ন হৌব ক্রির আশ্রমদ লৈব কনান চাখিদব লৈরি? নৌন মমা কায়নগ্রবী গঙ্গা, মাইয়াগী অমুক্তুন য়োক্লকপনি। হৌজিক্তি মহাক চাওরে, তায়বংপাল মশক থংলে। মহাক য়াওদ্রবসু হিংজব ওমুগনি অসিরা? ব্রাফমসিন অশেংব ওইরবদি মসিদ থঃমোই নৌথোক্লোইদব মালেমসিদ কনা লৈরি? মরমদি মাইয়াদি গঙ্গাগী মমানি। অঃপাকপী পালেমদগী শরুক লিশিং হেনবীনি। মচাগী মম্নাদ তাগদব অমুত্তুদু পিথকতুন থমোইশেংন য়োক্কপিরকপীনি।

অহল ওইরবী মীরোল থংনবী মাইয়াগী ফিবমতুন গঙ্গাবু তপথহনদ্রে। মখোং মখুৎ পায়দুন য়েংলকই। তফিং তফিং চীংনবন মাংজিল থান কৌরকই—

— মাইয়া......মাইয়া ......

কৈদৌরবগে নংবু? হৌগৎলো, হৌগৎলুনে নংবো। মাইয়ান অমুক হৌগৎলুব লৈতন চিংন য়েংলকই। ইংলব মিৎয়েংতুন ফোংদোক্লি- গঙ্গা, ঐগী পুন্সিগী অরোইব মতম লাক্লে। মচা শক্লবী মরাইবক থিরক্লবী গঙ্গাবু আশীর্বাদ তৌরি—নহাক পুন্সি লুংশাংউ......নহাক গুরুজনশিংগী সেবা মতোল লোয়্ন তৌরকউ.... মপোক মপোক পুদিংদ নহাক য়াইফবী ওইয়ু...। মিৎয়েংগু উরুব খুদক্ত লাইবকথীবীদুগী মিহুল খোংজেল হেনগৎলে। তপথদ্রবীদু থিন্থুব তৌদন চেল্লক্লে - মন্দিরগী খোংজিল লেপ্লে। য়াম্লিব শরিকতু কয়ারক হয় খিংলে অতুদগী ত য়বং মপুগী মাপদ অশেংব থমোইগী য়াকৎ কয়া থাঙ্গৎলরে।

—প্রভু, ঐগী মাইয়া কৈনো'ম তৌখ্রে। হৌগৎলু য়াদ্রে। মহাক নারবরা? মহাকপু কনবিয়ু। ঐগী থমোই লকাদ চাকথৎ-লব্রিব চিংনবগী খাংওমদব মৈরিসি নংগী খৌজলগী ঈরিক খিকথবিদুন অমুক্ত মুথৎপিয়ু।

পিরাইনন হৌগৎলে। মাইয়াগী নাক্ত চৎনব খোংখোং মনতুং থাংলকপদ মঙাইরি, মন্দিরবু শেন্নরিব পুরোহিততুন চিংনগ্ন হায়রকই -

দেবী ভগবাননী চর্নামৃত পুররোইদ্রা?

ব্রাহ্মদুমক্ক ওইরমানে গঙ্গা লৈশিল্লক্লে। পিরাংন চোংলব মাইঃথাংদ মুংঙাইবগী মমি তারকই। মথুংমক্ক লৈ-শুন থল্লব পুবীগী পাত্রদু লৌরে। হন্দুন কয়ারক য়াল্লিব অচৌব শরিকতু খিংলব তুংদ অনৌব অশাগ লোইনন উনাগী খাংপোক তল্লক্লে। মহাক্ক থুংলব মতমদদি মাইয়াগী অরেইব মতম য়াম্ন নক্ক লৈরম্ল চেনশিল্লকতুন —

— মাইয়া .মাইয়া .

সে — ভগবানগী চর্নামৃত্ত। লৈনম চুরব ... .. চন্দন মশিং শুন হাপ্লব .. . ফংঙমদ্রব পোংশকতু হন্ন হন্ন গঙ্গান মাইয়াগী মচিনথান্দ ইল্লরে। গোম'ইয়ান খল্লকই "ঐসে কয়াদ লাইবক ফরব! ইচা লৈজবদে তায়বং মপুগী দর্শন ফংজরে। মপোক থনিংদ লাইবক ফবি ওইবু গঙ্গা — নহাক লাইবক ফবী ওইবু। নংবু ইমান চানেব য়োকচরকপগী মহে ঙসিদি ইমান ফংঙাব।' পুরোহিতন পিরকপ লৈরাংশিংদু গঙ্গান মাইয়াগী মাকোক্ত চাইখরে। মথুয়া থম্বালগী শিন্দুরুদু লাইবক্ত চাওন নম্বীরে, অদুগ হায়রকই —

মাইয়া, মৌজিক্তি হৌগৎলোদন। ত'রিবরা ম'ইয়া— অথাম্বদ তাইদান বৌবি যণ থারো ... যণ থারো.. ....। তায়বং মপুমক্কী আশীবাদ ফ'রব ফাওবদস্থ হৌগৎপ ঙমদ্রবরা?

মহাক্কী থমোই শোক্কব ব্রাহ্মশিংদু তাবদ ঙহাক্কী মাংদ মু ররব খাশিদুন পুম্বিং ফাথব খোনক্রমদ —

—অমুক হন্ন কৌরুরগম্নু ইমা—। মহাক্তি নহাক্কী খুংশান
শোকলুব মিকুপ্ত তায়বং থাদোকতুন চৎখ্রবনি।

খোঙেলদুন নাপদ থুংলবদ গঙ্গান হেন্ন চেকশিনব মিৎয়েং'ম থম্লকই—। মহাক খংই, দেব-ঋশিশিংদি করিগুম্বদ ওইদব ঙাংদে। ফাগী তৌদুন অরেম্বদ মীবু খক লরুদে। হৌজিক্তি মহাক্কী আশা কাইখ্রে- পুণ্ডমদ্রব থমোইগী ঈচেলন মিৎলু নাপোম থুম্লক্লে। খোঙেল থোক্ল কৌরকই-ইমা, গোমাইয়া, নহাক নচাবু থাদোকতুন চৎলবরা? পালেম ইমাসু চৎখ্রে, নংসু চৎলগে খল্লব! ঐবুদি কনাদ শিন্নবিরমই? কনান ইমাশক্ল নাওকোনবিগনি?

অচুম্বনি মাইয়ান অপোকপী মমা শক্ল গঙ্গাবু নাওকোন-বীরমই। ঙসিদি মহাক তায়বংপাল থাদোকতুন চৎখ্রে। গঙ্গাবু নাইতোম হুন্দোকপিরমলে। খাংদুন লৈব ঙম্লকত্রদুন থব্রাই ম্নাওদ্রব হকচাং পোলাংতুবু চেৎন কোল্লদুন হৌন হৌন কপখৎ-লকলে, মনাক নক্ল নৈরিবশিংদুগী থমোই থুগাইরক্লে। মদু উবদ ঋশিদুন মথা তাথরকই -

—ইমা, করিগী অতুক ব্রারুরি? শিখ্রবন হল্লকপ ম্নাওখিবরা? পোক্লবদি শিব তাবনি, শিনবগীদমক পোক্লিবনি। করম্ব হ্ন-শিংলব হিরোইন অশিবগী খয়াত্তগী নানাথোকতুন চৎপ ঙমখিব কনা ম্নাওবগে? নংসু ঐসু নোংমদি শোইদন শিগনি! মসিদ হেন্ন ব্রারুনিঙাই অম লৈখরনে?

-হে ! দেব, মাইয়াদি ঐগী ইম নি। ঐবু চাওনব য়োকপি-রকপনি। তোল্লবী ঐদি মাগী শিংব ঙক্লরোইদব নমত তোনশিন্দুন লৈহৌরে।

-থাগৎনিংঙাইনি ইমা ! থাগৎনিংঙাইনি—

ব্রাখলদুমক্ত নহাক পুন্য ল্লেবনি। নহাক্কী শেংলব থমোইদগী চেত্নরকপ থুংশি ঈচেলদুনু পুন্নমকপু থং-উরব মহাক্ত থংবি উবিরোইদব থক লৈতে। থুংশিবদি লেংদবনি, মাংজরিবদি ঐখোইতনি। অদুগুম্বব থুংশি ঈচলদুন ঈমাই চোন্ন তায়বং মরুত্নুমিসি তাওথোকনসনু। শাগী মপোক্ত পোকচরবসু হেন্ন পুন্য তৌখিবন মাইম্নাদি নংতগী ইমা নাত্ত, পুন্নমক্কীনি। অাশ্রমদ লৈরিব পুন্নমক্কীদমক ঈম্বরন মহাকপু মকমসিদ থাবিরক্লবনি। হৌজিক্তি মহাক অহল ওইরে, মহাক্কী মতম লোইরে—মরমসিন তায়বং শংসার থাদোকভুন চৎখ্রবনি। ঐখোই পুন্নমক মহাক্কী শিংঙমদ্রব লমল তোল্লবনি হায়বসিমক অচুম্বনি।

-অদুবু হে ! দেব, শকফমসিদি কায়দরি। ঐন কৌক্রবদ মহৈশাগুম থুম্রক্তদব মাল্লি। ঐন মাবু করম্ন কাওব ঙমগনি।

-থব্রাই য়াওদ্রব হকচাং পোলাংসিবু থমলুবগী কাম্নব অমা লৈরোই। মছা লৈরিব পোৎকী মমিংদি লৈ অদুবু মছা লৈতব পোৎকিদি মমিং লৈব থক য়ারোই। মুংশিবন থমোইগী মরিনি, নিংশিংবন থমোইগী মমিনি। মদু নহাক কাওরমালে। অসিগুম্ন মুংশিব লথা লথাদি নমশিন্দুন নেৎশিন্দুন অকাওবগী

ঈরোলনুংদ মাংখিব ভাক্তি। মাংলমসিংগী ফম্ফাকসিদ ন.[illegible] ঐসু ঐখোয় পুম্নমক লেংদ্রব মুংশিংগী মরিদুন পুন্দুন ওসি. হিংব ভম্মবগী প্রচল থেইরিগনি। অদুক মুংশিংগী মহাক অসে মথঙ্গী ইপুং ভাম্মবদি পথরক্কনি, পুমথরক্কনি।—ফজব মুংশিব......শক্তম খুদিংমক মাংখিগনি, অদুগ নহাক্কী থমোইদ খরাইদব ঙাখলন লমথুংলগনি। মদুস তারবংসিগী চেন-রোলনি। অদুম ওইনমক নহাক্কী শেংলব থমোইগী ঈটেলেদ খাম্থক্কী চৎনরোলদুন হেন্ন পাপ লংশিনব, অমুব কালি তৈশিন্দুন মশক খিহনব হায়বসি জ্ঞান তৈবশিংগী চৎনরোল ন.[illegible] মৈ তৈশিং ... মুংশিং পঞ্চ ভূত গর্ভাসিদ মালেমদগী হৌনকই মালেমদ অসুমক তিনথ্রসণু। [illegible] মহাক অ[illegible]দ[illegible] ওমত্তব [illegible] নোযাং থবদং তা[illegible] ম[illegible] ক[illegible]নুস। ওঁ কেসবয় নম ওঁমঃ মাধবয় নমঃ ওঁম গোবিন্দবয় নম.. ।

মচক ঈংলব [illegible] হায়মুক ম্লেংলম[illegible] চৎখ্রে। [illegible] খোংফমদুদগী [illegible]। ঋশিদুন তপ তগ মনি[illegible] তং চেৎ[illegible] তৈরকই। মচ ক্সী থ[illegible] মা দর[illegible] অসু[illegible] নকশিনাগি। চহক্সী [illegible] [illegible]নন ব্লখলগী পরিং শুগাইরকই

—[illegible], ও[illegible] [illegible] ?

থারয়ে'ই ভ[illegible]।

—করি তৌ[illegible]?

ঐগী মাইয়ান ঐ[illegible] [illegible]কতুন চ[illegible]

কদায়দ ?

– অশি লৈবাক্তু।

ও! অনৌব ষঞ্জাবুংদ অনৌব ষঞ্জেন্নহা উন্নব চৎখ্রবোরে?

—করি হায়ুব! অনৌব ষঞ্জেন্নহা ফাইব?

-উম, নহাক খংদ্রা? তাংবং পুশ্নবু শেনবিরিব মহাক্তুবু?

গোমাইয়াদি মহাক্কী নাক্ত চৎখ্রবনি।

—অদুওইরংদি ঐগী মাইয়াবু মহাক্ত লুন তৌবীগদরা?

—করিগী তৌরোই। শোইদন তৌগনি।

—ডাইদা, চংগি চৎলো। মাইয়াগীদমক মন্দির চৎতুন অনৌব হৈরাং লৈরাং কৎলুসি।

গঙ্গা, নংন পুনিংলিবদুদগী সরুক লিশিং হেন্ন চৎনিংলিব থমোইশিংগী চংজকম মফমদুদ লৈতে। ফরে ঐ চৎমগে, ষণ থাব লাকগ চংবশিংন ঐবু খৌরাংন ঙাইদুন লৈরগনি।

ঙাসদি গঙ্গান মগী ডাইদাবু চিংন ম্বেংদুন অদুমক লৈহৌরে। ..চৌশ গুম্ন পুনিংব মযমদ পজব ঙমখিদরে। অতিয়াদ পাইরিব ..ক্লান পুব রাউথাংনরুব লৈচিলশিংদু অস্নম অস্নম তামখরি । ।গতক্ত লাওরকপ ভয়ানন্দগী খোঞ্জেলনি—ষণ থারো .... ষণ থারো ..। অডনব অমুক্ত আর্টি কৎপগী কাংসি খোঞ্জেলন মন্দিরদগী লাকতুন গঙ্গাগী নাক্ত থুংলরে। ডয়াগী মেংলব ..াঞ্জলদুগ পুনসিনখিদুন অমক্ত ওইন আশ্রমগী অকোইবদ নিল্লরি। ।ই.তাম তাহৌরবী গঙ্গান নাশোল ওইন হায়দোকখি—ডাইদা, এগী মাইয়াসু নতুং ইদুন চৎখ্রবান।

তাঙ্কক ৪

লেপ্প লৈত্রব মতমগী ঈ.চেলি। নুংশিব .পান্দুব ...অহ্না নুংঙাইগী পুন্সি কয়া খন্দ লৈতন কৌশিন্নুম তাংখিল্লি, পালেপফম খংদন। ঋতু তরুক্ক থোগনব মালেম লৈমনী ফম্বাক্তু বসন্ত কৌবী লাইরেম্বীন লৈন জংগাই শংবকপদ অনৌব ফিজোল হোংনবী আশ্রমগী ফজবন পুন্নমক্কী থংনাই চিংশিল্লি। থেক্রু খোইম চেংজিন মন্দিরগী লেদীদ পূজারি চন্দ্রদাস ব্রাখননী পেংতুন্নু নুমথম্বব অতাংব মকোকতু পুরদুন মরু লুরু উনাগী থাংপোক তমলক্লি। লাংশিল্লন মাইথোংদ অব্রাবনী মমি তারি। ওইরম্ব য়াই মন্দিরদ নাশোল ওইন ঙাংনথিব খোংদাক খরগী ব্রাফমদু তারুবদগী।

—হন্দক্তি ধর্ম্মসি পুংমুৎ মুৎপরা নত্রগ স্বর্গ য়োৌবরা অমদি শোইদ্রে। চন্দালগী মতাশিংসিন শুদ্ধব্রবরা করিনো খংদ্রে। ইপা ইপু হাক্তকতগী চৎনরক্রব লোনচৎ খুদিংমক অচুম্ব ওইন লৌখ্রে। পাপ পুন্যগী ব্রা নৈখিদ্রে, অমং অসেং থাইখিদ্রে।

খংদ্রেদ মতমগী য়্যাওনসিবু চুম্লিবরা চুমদ্রবরা ঐখোয়স্তু হায়রব ওমদ্রে। অক্সবন মতাইদ অনৈবন ময়াইদ, চেন্নব মতমগী ঐমানে। হুইন দোলাই তোংখ্রে... ...মখোইগী লমহুইন নোংশা মন্নু. তোনগন নৈ ওন্নু হায়রব ব্রফমসিদু য়্যাফম থোকপরনে? নমচং নাইদব কাংবুশিংদুগী ব্রাফমদু ঐখোইন লৌরুগদব নত্রেদ মখোইদু ধর্ম্মবু থাজদব নাস্তিক ওক্রি। ধর্ম্মবু মাংনব শিন্নগ মাংমাইগী করি তোংজগনি? মদু য়্যাওরিব থুদিংমক লুপা শুপী খাত্তুন মতিক চাব চৈরাক পিফম থোক্কপনি।

-অত্তু কাংবুসিন হনবমক লৈত্রবদি ফিবমসি লুশিন্নহৌদৌরি। নমথদুন থগ্ উশিন্নদব খক য়্যারক্লোই।

-মখোইগী লুচিংবশিংদুবু কনা কনানো?

-য়ামখ্রে—। মখোইদুগী মরক্ত পুজারিগী মচানুপীসু য়াওরি। লমাহনবীদু মতিক চান ব্রায়ন্নদবনি। নশম পুদাং য়োংত্তুন হাইহংকদবনি। অপোকপ মপানসু ধংবিফম থোকপনি। পুজারিদি ওইরগ ধর্ম্মবু কন্নবদি হোৎনবিদব, মচানুপীদু ফাওব ব্রায়কপ ওমদব হন্নবদু শানি। নাবু মফমসিদ থগ্ চুমদ্রবনি লমাহনবীদুসু—পাপ কয়ান তাদুন পেক্রকপীনি। মখোই মপা মচাসি আশ্রমদগী তান্থোকখিগদবনি-হৌজিক অমুক পন্থব চুমদ্রে। নত্তে মহাক অদুবু হরিজন মচাদু নত্রবদি মগুম পান্নব লুপাগ্ লৈত্রবরা হায়ব? গোপাল মহনগী মচাদু খংজদবদে ঈশিং থৌরাংবন থাংওমদ্রদুন পাঠশালাদগী হন্নকপদ হরিজনশিংগী কোনজিলদ চংলুবগী ব্রহ্মসভান ইস্থোকখিব নত্রা?

—নন্দগী মচা প্রসাদ হায়ব পাখ্‌দুস্থ হরিজনশিংগী হজামদ শম ককলুবগীদমক ৺ঙ্গংদগী তাঙ্খোকখিবনি।

—অদুগী ব্রাদি মুখরা হায়বীদুন মরমচৎ চুমদব চংলুবদগী মমা মপা ইমুং মনুং হপ্ন ইঙ্খোকতুন খুল হোংখ্রিবদুনি।

ধর্ম্ম য়াউরেবী, শাদগী মেয় তোল্লবীসিদ্ [illegible] জ [illegible] গী মচা [illegible] হায়দুন য়েংদুন [illegible] রুগদবা? অচাব পীচান খাইব মিং [illegible] সি [illegible] মখাদ এখোইদি খাংজব ঙমজদ্রে, কলি খম য়েংদে মখোইগী নোংচুপকী মিপাশিংসিন [illegible] ধর্ম্মবু য়ৌন লৈখা তাহনদোরি। চেবশিল্লু ইগোশা......।

চরণদম্ম খল্লকই ব্রাফমদুমক্ত অচুপ [illegible] হৈরদি এহাব [illegible] [illegible] তব [illegible] ফরি তৌব [illegible] মাপুম খুদিম্মর [illegible] নরুব [illegible] জিক [illegible] ধর্ম্মা [illegible] [illegible] তাহার [illegible] [illegible] [illegible] মদমক্ত [illegible] খাজব ঙমদে। [illegible] বদান অদুক চাওব মরাল [illegible] দি [illegible] ই।

চরণদাসন [illegible] মতমদ [illegible] [illegible] অতি [illegible] [illegible] [illegible] শার্দ [illegible] তাবংগামসি [illegible] মতাং [illegible] মোইন হেন মমহ [illegible]। মগাই [illegible] খোজন [illegible] [illegible] অশংব ফিরাল [illegible] শেমশাব লোইঙ্গ [illegible] ইমুংগী কা [illegible] মুশি মু [illegible] ব থাওই মচাদুন পাক চাঙ

শন্দোক্লি। মঙালগী পিক্লব মশেক্ল তনৌরবী মচাগী মাইথোংদু হেন্ন নৌথোক্লি। মদুমক্ল অহল ওইরব চরন্দাসকী থমোইদ নিংশিংবগী মুখল হান্নদোকতুন হৌখ্রব পুন্সি ন্নারিদ হন্ন হন্ন থমোই থুগাইররি।

'ইমাগী ইবেম্ম প্রিয়া—নংবু থাদোকতুন ইমাদি চৎপ ঙমদ্রে। ইমান নংবু কনাদ শিন্নরমগনি। ঐগী চাক্লব থমোইসি নংগী লুংশি থৌরিন পুন্দুন থমখ্রে। নোংদম্নগী থৌরিন ঐগী ঙক্ত হুক্কচিন্দুন থমখিবন পুনিংব মতমদ লাইরৈবাক্ত পুদুন চৎখ্রগনি। মতমদুদ নহাক্ল কনাদ নাঙথি শাক্লনি। চিরব মতমদ ফুজাওইবীশিংঙীদি অপোকপী পলেম ইমাদগী হেনব অমা তান্নবংদ লৈতব্রনি। মতম'মদ অশিব অমসুং অচংবগী নংদাইদ লেপ্লদুন নংন ঐবু কৌরকপ খুদিং কাইফদ্রব থমোই অমদি মঃচৎ মচেৎ থোক্ল কান্নরক্লনি। লাইরৈপাক্ক হন্দুন লেচিল পোমাই হাংদুন য়েংলকপদ মমা ওইবী মনন ইমা হান্নব মিংলেন্দবু ঙান তান নিংঙাইদন লৈথোকপ ঙমগনি। হে! নোংদম্ন ঙম্মোক্লসু খিন তমগ্রঃবাইদকো ইমাগী লাইবকসে"

নিংশিংবদুন চরন্দাসকী থমোইবু হেন্ন শোকহল্ল। হাখলদ ঙহাক লৈফ চৎলুরব মতুংদ নুঙ ফুক্লব খোংফমদ মচাবু চিংন য়েংতুন—

ইপাগী ইবেম্ম,

ইপাইবুংঙো,

ঙসিদি ইপা ন্না হাইগে পুক্লিং চংন তাও।

প্রিয়ম্বদান খংলে মতুদি মপাইবুংঙোগী নাইখোংদ ঙসিদি পুঙমদ্রব অৱাবগী মমি তারি। ঙহাক্কী মাংদ মহাক্, য়েংল য়েংলতুন মপি কয়ারক হন্ন তৈথোকখি। মদুগী মরম মহাক্তি। মহাক্ মরম ওইদুন দুঃখ-শোক্কব অপোকপ মহাক্কী মিংনুদ মমি শাম্লব পিরাংন খিংঙমদন হন্ন হন্ন শিন্থখিবনি।

—ঙসিদগী চহি ১৭ লোমগী মমাংদ নংবু পোকপী পমেম নমাচু তায়বংপাল থাদোকতুন ঈশ্বরগী খুয়াদ চংজখি। ইপান নংবু অৱা-নুংঙাই পুন্সিদ ঈ মতুমদৈ চাওনব য়োৱকখি। ঐগীদি ইচা নতোমতনি। ঐগী হায়বদু নহাক্ লোইরে। নহাক্ ইপাগী পন্সিনি......থৱাইনি...... পুম্নমক্তি। ইপান থাইভ — নহাক ইপাদ মীনম্লাই। মরমদি নহাক ঐগী অশংব ঈনি, আশ্রমগী পুজারিহনগী মচানি, আশ্রমদ চাওরকপনি। মসিমসু ঐন খংই মদুদি করিগুম্বদ ওইদব ঙাংলোই, আশ্রমগী চৎনবী ঙাক্তুব্র তৌরোই।

—তাকপিয়ু অপোকপ। নচাগী করম্ন লংজব লৈখ্রবগে?

—লংজৱিবদি পাপ চেন্নব নপা ঐনি। ইচাগী দোষ লৈতে। ঐন ইচাবু সনা লুপাগী মথক্ত য়োকচব ওমখিদে। মাইরব ওইখিবন অমদি লন-থুমদ হেন্ন খোইদাব থগলুদবন। ইচাব্ লৈজব ফদি ফরান য়োমদুন আশ্রমগী পুংশি মিৎয়েং মথাদ উনাগী থাংপোক নুংদ থম্লকখিবন ইচাগী থমোইন মতমলৈব খিবিক্ত অনেম্ব মফমদত খোইদাতুন লৈ। মসিবু অচুম্ব নত্তবরনে ইপাগী নুংশিথোইরবী?

হৌজিক্তি প্রিয়ান থংলে চিংনরম্বদুমক অচুম্বনি। মপা-ইনুংভোগী মমোই পোক্ক নুংঙাইতবগী হৌরকফমদি মহাক্নি। মসিমস্থ থংলে মতুদি মীরা ভাংনবগী পেনব লৈত্রব মাখোইন ধর্ম্মগী মিংদ প্রিয়ম্বদাগী লমচৎপু মাংথোক্নব লাক্নরি। ধর্ম্মগী মিংদ লানানব, হুরানব কাংবুশিংন মন্দিরগী থোংজিন্দ ..য়েক্ত...ওইদ.... মফম খুদিংদ মীচম প্রজাশিংবু লৌনম তৌই, ধর্ম্মবু মিংচৎ খিহল্লি। মদুবু উরুব খুদক্ত মিৎ নারব পুজারিন কয়ারক হয় হৈখি "চন্দালগী মচাশা—নাখোইদ মন্দিরদ চংলক্কনু, আশ্রমদ লেরনু।" হুরানবগী লম্মী ফংলকত্রবদ অশাওবন মাংজিল থারব হিংচাবশিংদু হু তৈরব তেন্ন থমোই থুগ্ন পানবগুমখ্রে। ভসিদি লমল গুম্নবগী খুদোংচাবদু লৌখ্রে। হন্দুন হুগী ভেন্দু শৎলদুন তেন্দোংদগী চরন্দাস তম্ন কাপখ্রে।

মপাইবুংগোন তকশিল্লকই—

–ইপাগী ইবেন্ম, লৈবাক্ন ভাংনরিবসিবু অচুম্বরনে?

প্রিয়া খুমদ্রে। অদুক থৌনা লৈবী, পুকচেল তিংবী, অরানব ব্রাভাংগী মমি তাদ্রিবী আশ্রমগী লৈরাংদুন মাইথোং লৈদ নাকখিব উবদ চরন্দাসকী পুক্রিংদ ব্রাহং চাম চাম লাক্লোইদবগী মরমবু লৈবরা? ফিদমনফম ওইরবী, ইনথৎলক্নিবী, পুন্সি বসন্তদ ইরাক্নরবী যুবতিশিংগী মরক্ত ব্রাহংশিবু থৌনা ফন খুপ্ন ভম্নী কনাবু য়াওখিবগে? মতমগী য়াওন্দ তাওরবী, নোংচুপ সৈভাতাদ লুপ্লবী, ঈ অমস্থং শদোংগী অপেনবদুত খৌরাংলবী, মজাতিগী.... ধর্ম্মগী চৎন-পথাপ ভাক্তবী লমগী শাশিংদদি অসিগুম্ন ব্রাহংসিগী পাওথুমদি করিসু ওইদে। ব্রাহংসিগী পাওথুম পিব ভমজদ্রবী,

মৌনম লাংদ থুখ্রবী মতু শোল্লবী পুজা কয়ান অশিবগী মহি থর হাল্লব পান্নদু খুৎপায় চেৎন পায়রদুন নিংঙমদনগী চরমদ হৈজিল্লগ থমোইবু চাকথকহন্দুন পুন্সিবু বলিদান তৌখিবী চেৎরা কয়াগী পুন্সি ব্রারিদি পৃথিবীগী সাহিত্যগী লমাইদ সরুক্ত খরতনি উ রব।

হৌজিক্কি চরুন্দাসকী থমোইদ চিংনব পোক্কে। চিংনবদু কনান খংউব ভমগনি অচুম্বস্ত য়াওরম্লবদি। খংদোদন মচা তারৌরকই। মিৎনুদ অশাব পিরাংন খিংঙমদন ঊহৌরকই। খোঞ্জেল ফাইরকই

—মচুদি পাপ চেল্লবী ব্রাথর সাঙদ্রীপিংন চংকদা মিতংনি। মপা মপুগী ঊঙৎ য়োংদর.. শাগে তাংগী চৎন খোপ ভাত্ব নংগী শাজং লিটেন তৌজরকপ কর্ম, হা ত কপ দা ভম নরক্ত হৈথদ্রে। নংসে পুজ রিগী মচানিকা! হে ধর্ম্মচেল্লবী, নংবু উরুব খুদক্ত থমোইসে চে ক লোক চাক্ল থাংদুন লৈব ভমদ্রে। নংবু কনানসু ভাকপিব ঙমোই। উঙ্গ ফাওবনসু নংবু চেজকম পিরোই। চেংখ্রা চেংলা দানগি ভাগ্র্মনি, মংগুগী মেখা তারগীশিংগী লৈফম নাংদু।

মপাইবুংগুভাগী য়াস্থর ব্রাইহৈংদু তাদুন লৈব ওয়ৎরগীনন—

— ইপাইবুংঙো, হে ব্রবী নগাসু কয়ৎ মীয়াসগীদমক ইস্থাকপি-চদৌরিবান ?

- নংগী চেৎং, নংগী তর্ক ভাবা নাগদব নাদে। নশক চুংনিংদ্রে, চেংখ্রা চংলে — । গী মগ অপুল চেলগদু।

— মদুগক্ত আরম্ভ ওইরবদি -

নচাগীদি করিবুক হায়নিংঙাই লৈরি অপোকপ। মফমসি থাদোবদুন চেচ্টিংঙে মমাংদ ব্রাহং চসিমতং হংজনিংই—লুংশিনবু পপা? লোংমা ভগবানগী মাংদ গুরুজনশিংন তাকনিখি – ধর্ম্মগী অশেংব চৌদ্রকফমদা লুংশিবনি। লুংশিবন যুমফম ওইরব ধর্ম্মগী থাজবদুগী মরুমদ নচান অতোনব জাদ পোক্লব ভয়ানদবু লুংশিখি। মা থক্ত নাদে, হরিজন পুন্নমকপু লুংশিখি। মসিদ করি কায়বগে? মখোইসিবু থব্রাইপানব নত্রবরা? মখোইসিবু তায়বং মপুগী মচা নত্রবরা!
মদুদি নংঙমী নমচৎ নাইদবীশিংগী ব্রাখলনি। তাও ধর্ম চেত্রবী – পুন্সিদ সমাজগী ....তায়বংগী.... চৎনবী ভাবগ ওমদুবী মহাকদুদি মী নত্তে শানি। শানি সমাজদ নৈব য়াদে – চাংদ মাল ... ভুগলদ থংনবরা? শা অমসুং মীগী মরক নৈন চেনবদুদি নহাক্ত উত্রে চেগ তায়বংগী চক্রকপ মিয়াম মমহৎখিত্রুন ব্রারকপ ওমত্রব লিচৎবু লুপখৎনব অর্থবু নিংচৎ খিহল্লবু। হে! ঈশ্বর নংন এই মৌজিক ফাওন পৌশিনখিবব করিগীনো? শাগেগী মৈ চ অশিবী! করিগীনো নংন অপোকপী নগা নপাগী চিনা পৌত্রিবসিবো? ঐন করি ইরাল লংজখিদুন কবগ তৌ হদা তৌরুদুন নংবু ইচা চৈন মংলিব!

মাংদ লৈরিব তায়বংপাল থক-থা ভয়কই। মৈথক্ত লেংজেন ্যাংফম লৈরকত্রে। মশিং মিব ওমা ব থম্রান লথা লখান ন-লৈদুন তাম্লব নোংমদোম অতিয়াদ পামদুন চৎথরি নাকে

পংশিনব মখৈ শরিঙ্খী মখৈলন ঙংলকই। তাম্রবদগী কপ্প…… লাওব…… খোংব . … নাহেবগী- খোঞ্জেল্লক্ত ধর্ম্মগী অরু অরুব শ্লোকশিং—শোক্রব থমোই কয়াগী তেংথাখোলন মাবু হম্ম হম্ম কৌবগুম তৌরকই। চরন্দাস্ন হৌন হৌন অঙাওবগুম লাওরকই—চৎখ্রো চৎলো লমচৎ নাইদবী ……চৎখ্রো চৎলো……। থংনব মিকুপ্ত তারম্ব উরম্ব পুন্নমক অমম্বদ তিনখ্রে।

চরন্দাসন ড্ড্রান নাকপ মতমদদি নোং ঙানগদব যুথক অমত্তমক ঙাইরগে' মচানুপী প্রিয়ম্বদান খুম্নাদ ফমদুন সেবা তৌরি। মহাক হৌজিক ফাওব তুমদ্রি। মুশি মুশি চাক্রিব থাওমৈ মচাদুগী মঙাল মপুং ফাদ্রে। অথাপ্পদ লমশাং নাকপদৈ চোকথরব গাড়িব্রালাগী থাও য়াওদ্রব চকাদগী থোকনাকপ অব্রাব খেঞ্জেলন কাডুগী মনুংদ লিৎশিল্লকতুন অচিকপতু খুগাইরবই।—

—প্রিয়ম্বদা, ইপাগী ইবেম্ম।

—ইপাইবুংঙো।

—মহাক হৌজিক ফাওব তুমদ্রি?

—তুমজদ্রি।

—অতুদি চৎলো', ঙহাক পোথাজরুরো।

—নোং-ঙাল্লে ইপাইবুংঙো। অমুক তুমথদুন থব্রাই হকচাংদ মপোকসিমগী পংথহনব তৌজররোই।

—প্রিয়ম্বদা—!

প্রিয়াদি অঙনব অযুক্কী অশেংব মুংশিৎ মাইয়োক্লনব থাংপোক্তগী মপাল থোকখ্রে। অপোকপ মপাবু নাইতোম হুন্দোক্লমলে।

মচাগী মওং মতৌ উবদ মুওবংনরুরব চরন্দাস্ন খল্লকই—অশেংব ময়েক্কী ফজবত্নি, চৈতপ য়াওব ময়েক্কী ফজবদুদি নত্তে। মুংশিবশিংগী মরক্ত গন্নুংহনজিনব মুংশিববু শকথংদবী লৈমশিংন ফজব খুদিংমক্কী শক্তম পুরিব পাক্রশিংবু খমোইদ হাপ্লী। নংদি মত্রুসু নত্তে। ইপাগী ইবেম্ম, নংগী পাওখুম খুদিংমক ইপগী খমোইদদি ফোংওমদ্রব পাওখোং ওইনত্ত মতৌই। মসিবু করি মতৌনোনে প্রিয়ম্বদা করি মতৌনো?

তাঙ্কক ৫

ওস্থোকপ হায়বদুনি মুমিত্তুগী নুমিদাংবাইরমদ করণ্ব অনিংবন পুখ্রবানো খংদে পিয়স্বদা, খাংপোক'মগী থোংজিন্দ লেপ্লরে। য়াম্ন চীং লেম্মী। মুপীওইবীগী গুনশিংগী মথক্ত হেন্ন কিনিংঙাই ওইব নাপল য়াওরি। মাংদ লৈরিব থোংবাদুদ থিনব হৌরকই—

--কনানো? থোং লোন্দবনি।

থোং হাংদোকতুন চংলকপদ উঃর —প্রিয়ানি। য়াম্ন ঙক্ল—

—পিয়া, করিগী মফমসিদ লাকইবনো? মতম চাদে হায়ব নহাক খংদ্রা? করি হাইনিংব লৈবগে?

—ঐন লাকলিবসি চপ চারব মতমনি।

—করি? চপ চাব মতমনি হায়ব!

—উম, চপ চারব মতমনি।

—প্রিয়া নংন হায়রিবদু করিনো? নংবু ঙাওরবঃরা? ঐঃসে কনানো হায়ব নহাক কাওথোক্লবরা?

—মদুবু কাওব য়াবা রাফমলা?

—অদুওইরবদি করিগী লাক্লিবা? ঈঃরাললুংদ লিশিংলক লুপ-লুরবসু, মন্দিরদ লখারক শেংদোক্লবসু কোক্লরোইদবনি খংউ।

—মৈ চংলব, মৈগী অশাব শক্তি পুম্নমক চুপশিন্দুন হেন্ন তনখি-নিংঙাই ওইরব অঙাংব য়োৎপু পায়হলনিংলিবশিংদুগী মনিং থুংহল্লগে।

—মদুগীরা নহাক্ল তাংলৌ চাদ লাক্লিবদি? লমচৎ নাইদবী.. রাখল য়াওদবী....শক্তী নাপল কাবী হামচৎনরবীশিংন থানিনগী অহিংদ কোইন চত্তুন চংজফম থিবদুবু আশ্রমদ চন্নগদরঃন? অশেংবদু হেক্ত হাইয়ু—নহাকপু মফমসিদ করিগী লাকপনো।

– অশেংবনি নংগ শান্নমিন্নরুনব লাকপনি।

—প্রিয়া—,

– অচুম্বনি, পুন্সি লিলা শান্নরুনব ঐহাক থোং থাংদোক্লক্লর্বনি

– নহাক মদুমক ঐগী মাংদ হায়ব ঙম্নব!

—মসিদ করি কায়বগে ? ফোংদোক্লব অরোনব কয়া পুকমুংদ ক্ষুমদুন থম্লিবী লৈনম চেনদবী, লৈহি কম্লবী লৌনম চাওবী শিংওেল লৈরাংশিংগী চৎনবীদু আগ্রমদ লৈবিশিংদদি লৈতে।

ভয়ানন্দ, ওকপন খম থেংল্লে। প্রিয়ম্বদাবু পুন্সিগী থৌদোক কয়াদ থেংনল্লে—। কয়ারক হম্ম মশক খংল্লে—। মহাক্কী মমিৎ অনিদু অরংব মৈবুল অনিগুম্ম লংই। মাইথোংদ শিংনবগী মমি তারি। অকিবগী শক্লম'মন চাকথেক্লগে মতাগুম পাম্নশিল্লকপগুমই। মাবু উরুব খুদক্ত তু-চুংই। পুক্লিং থক-থা ওম্ন মিপাইব পোকই। প্রিয়াবু য়েংন য়েংন ব্রাখল তৌরকই—মহাক্ল হনজিনব করিসু তৌখিদ্রি। চুম্নত ব্রাহৈ খর ফোংদোকপতনি। মদুসু—মহাক্ল ঐগী পুক্লিং খংগে খম্ন তৌরম্বসু ময়াই। অদুবু ফিবমতুদি হেম্ন চিংনিনিঙাইনি। ফোংদোকখিব ব্রাহৈশিংদুন তাক্লি, নিংঙমদ খরদি থমোইনুংদ লুপতুন লৈরে! ব্রাখলসিন ভয়ানন্দবু হেম্ন লাংতক্লহল্লে।

হৌজিকফাওবদ মনুংহনজিম্ব অর্থ ফোংদোকপ মিনোক অমত্তন মহাক্কী চিনবান্দ লৈতেংখিদ্রি। পুক্লিংগী ঈহুন তাকপ ইঙ্গিৎ করিদি লৈখি ? মদুসু উব ফংদে। মসিদ করিনো ভয়ানন্দন হেম্ন উশিল্লুগদৌরিব ! মসিদি লোৎপ য়াব পোৎ নল্লে। থমোইগী ব্রানি, থরাইগী মরিনি। ম্রিৎন উব ফংব, খুৎন শোকউব য়াবদি নল্লে। চিংনবগী মথক্ত হেম্ন চিংননিংঙাই ওইব, অকিবগী মথক্ত হেম্ন কিনিংঙাই ওইব, হেম্ন ব্রানিংঙাই ওইব ব্রাফমদুদ খোইদাদুন আগ্রমগী ফজব পুম্নমক লৈরোলমুংদ নমশিন্নব ভৌবওম্ব নিওতিন

শিল্লক্লিবরা ? মদুসু মান্দে। ডয়ানন্দন লৈদুন য়েংই—মাইক মরিদ কনাসু উব ফংদে। আশ্রমগী চৎনবী পুদিং মহাক লোইন খংই। পোকপদগী ওসিফাওব কুন্দন লৈরক্লি, লৈখিগনি। করিগী ? মদুসু খংদে। মন্দিরগী মাইক মরিদ ব্রাং-চাওরব থোংজাও-শিংদু লাওন হাংদাকচ্বা অহিং নুংথিনা খাইদ মতম চুপ্পন লৈ। অদুবু মশক উব ফংদব অখিংবদুদি নোংমদোল অতিয়া পক্ল ব্রাংখরি... ....।

খাংপোক্নী অকোইবদ চৌরিব লৈশাং তম্নকপদ ভাইরিব লৈশিংদু অম-মমত ওইন অমম্বদ তিনখরি। লৈনম্ন থমোই য়েন চংশি-স্লকই—পুক্লিং থব্রাই হকচাং তূন অব্রাব পিররি। ইংখোলগী মতেংদ মরু কোক্রম তেরা পাম্বীদ তেংলম্ব লমখুগ্র অনিদু কন ফুনখংলক্তে। অথাপ্লব চীংয়াগী মরুমদগী লিংখৎচরকপদ ভাইরিব ১৪ নি পানব থাজদু অমংব কুমগী নোংন থুমজিনখিদুন মশেক মঙাল শামখরে। মহাক্নী মওং মতৌদ্রদ করিমুক খল্লবনো খংদ্রে, প্রিয়ম্বদাদু লৈথোকতুন চৎনব তৌরক্তে। মদু উবদ ডয়ানন্দন—

—চৎনাগ হাইন খল্লবসু প্রিয়া, পুকিংগী ব্রাত্নদি তশেং তশেংন খংহল্লমউ। ঐ নখোইগী ভাইদানি।

ব্রাহে খরতুন ওইরমালে—প্রিয়ম্বদান শাংলব মিংয়েং'ম থম্নকই মিংয়েংদু ইংই। গুন লৈব মিনোক অম নোকখি অদুবু মিনোকতু কংই। খর হেন্ন নকশিল্লকই—খোংথাং তপই মোং হাদে। খোংথাং থুদিং অর্থ লৈ।

মা:নোস সরোবারদগী পুক্কপ থম্বাল চাম-নিপানদু ফুগাইন শাংকা:ইরদুন ফক্লাং ময়া নক্ত তা:য়বং মপুগী মাংদ তারি। লৈনাশিংদুগী মন্নুংদ লৈরিক্ল নিক নিক লাওরি, পাথোক্লব লৈহিন নুংপান্ন ওলহল্লি। ওহাক্কী মাংদ চুখিব নোংন চামথোক্লব লৈরাং লৈনাশিংদুন মনিং খোম্ন মাল্লংববু উবদ লৈথোক লৈশিন শান্নরকই। মনাক নক্ত লৈরিব থো:ংনাওগী নিংশেলসিংদ মরি মরি শিন্থরিব নোংগী ঈরিক অমগ অমগ পুন্সিন্দুন হেন্ন খোংজেল য়াংন লৈথা তমথরি। মরক মরক্ত অমগন কুপশিনখ্রব তায়বং মালেমবু নোংথাংন কুকেৎ কাফেৎ ভালহল্লি। খোংজেল য়াংলব মিহুলবু কুমগী নোংখোংন তংুন মিপাইহল্লি।

– প্রিয়া, মদুরা নংন হায়নিংলিব্রদি?

—নাও।

– অতুওইরবদি চিংনব লৈতন হায়রোদন। য়েংউ—অমংব নোংসিন নুমিদাংসিবু কয়াদ হেন্ন মমহনখ্রব!

—মমদুনত লৈরব তায়বংপালসিদ অমম্বু অমুক চিংনরুখিগদরা?

—প্রিয়া –!

প্রিয়ম্বদান খল্লকই – ঐবু অনিংব অপামবদু হেক্ত হায়দোক্লসিরা? মসিবু ফোংদোকলগ কান্নব করিদি ফংগনি? তোর্বান অমদ লেপ্লদুন তোর্বান অমবু আশা তৌব! নোংমদোল থক্ত থোকপ থাজবু ঐগীনি খন্ন ইথানুংদ পমজনিংলুব.......মরোল থোক্লব মীদ পুক্লিংগী মরোল হংব... ওইথোক্কদরনে?

- প্রিয়া, ঐন অসুকসু হয় হংলি—নংগী অসেংব অনিংবদু করিনো ? মসিদ নহাক্ত অসেংবদু তাকত্রবদি ঐহাক অমুক পন্থররোই, মদুগীদমক নহাক ঐবু য়ারৌগনু। নুংঙাইহ্নু তন্নকত্রব পুলিসে অমুক হয় উব ফংদব মফমদ চংখ্রো হায়বরা ? চংজফম ফংত্রদ্রব মপোকসে অচাকপ মৈনুংদ চোংশিন্দ্রন থরাই থাদোকখ্রো হায়বরা ? মমল য়াওদ্রব পুলিসিন খানুথক্ত লৈমল চর্নিংবদ কান্নগদব লৈরবদি মদুস্ত নহাক চিংনব তৌতন হাইহু। পুলিসম লৈথা তাহনবগী ফংফম থোকপদু ঐগী ওইফম থোকই। আশ্রমসি, মন্দিরসি, মাংখোকপগী পুরোহিতন শিব উন্দচু ঐন হরাওন লৌফম থোকই। হাইবু [illegible], – [illegible] করি তৌ হায়রিবনো ?

অচাকপ মৈদ যি তৈজিনবগুম, প্রিয়নন্দনাগী থমোই মৈচান [illegible]হনগৎলক্রে। মথা হায়রকই –

অদুওইরবদি ঐহাক নিকুপসিদ নংগ লায়হাংব পামই।

– [illegible]

[illegible] ভয়ানন্দ খংশাত শাওখ্রে, [illegible] ভনখিদ্রে। [illegible]-নন্নিবান তানৌরবী প্রিয়াগী মাংখোং [illegible] [illegible] পুপা ওইবগী [illegible] পাঙল শিজিন্নখ্রে। অদুগ হায়রকই –

মা [illegible] মদ থোকপ থৌদোকশিংবু ঐন খংদ উদব [illegible] ? [illegible] তানব .....মপোক থিরক্লব......মাংথোকশিনব পুলিসে, অন্তমক চন্নদন লৈমন চনখ্রসন্নু অনিরা নহাক্ত পাল্লিবা ? ঐবু অদুক হন্থন খনব ! তাও—পুজারিগী মচানুপী, অতোনব [illegible]

পোকচরবসু হরিজন ডয়ানন্দগী থমোইদি অদুক য়াম্ন তোন্দে, অদুয়োন মাংদে। মমা ওইনিংবগী ব্রাখলদ ভাওরবী নংগুম্বী লিশিং'ম লাকতুনস্তু ঐগী ব্রহ্মচারিবু থুগাইব, আশ্রমবু মাং-থোকপদি নমংদ ফাওব খল্লুম্নু। চৎখ্রো চৎলো—কান্নদবদ গঙ্গাদ অমুক হন্ন ঈরুপল্লুরন্নু। অদগী সরুক থমোইদুদুম হায়্ন শেংদোকল্লুখো।

মহাক্কী মিৎয়েং ....রাঙাং.......মতৌ উবদ প্রিয়ম্বদা, পুক্রিং থব্রাই হকচাং পুমংদন পেনখ্রে। চিক্লব মাগী থমোই কাচিন্দ শথংত খল্লকই—

আশ্রমগী মনঃজমহা, নংগ ঐগ অঙাং ওইরিঙৈদ লুহোংখিবদুদি নহাক কাওখোক্লবরা ?

ডয়ানন্দন খুয়্কপগুম তৌই –

– প্রিয়া, নুমিৎদ ঐন হেক্লকপ থরো থগালশিংদুবু নৈহংখিবদুদি নহাক নিংশিংদ্রবরা ?

পেনব নৈত্রব নুংঙাইব'ম থমোইদ পুদুন প্রিয়ম্বদা মচ্ছাগী নাংফম থাদোকতুন চনখ্রে।

তাঙ্কক ৬

মানোস সরোবারগী ময়া নক্ল পিক্লব খাংপোক অম লৈ। খাংপোকতু লম্বোইবী চনচলিগীনি। রজ বংশদ পোকপী শাগে জাৎ ফরবী, মরল মথুম্ম চীংথুক ব্রাংন পৈদুনা লৈরবী চনচলিনি মমা মপা মবুং মৌপুং—মাগীনি হায়বদ ব্রাৎপ লৈত্রবীনি। অদুগা খুঁাইদগী ঙক্লিবদি তনৌরবী মথোৎ কারকপগী ফজবন থম্ম লৈতে হকচাং কয়াৎ থুংলিবী, ইনখৎলক্লিবী মহাক্ল পুন্সিবু লৈকংলা ওইহনলিবসিনি! মমা মপা শাগৈ নাতৈ মরি মতা লাকনুন মহাক্লী মতৌ উবদ কয়ারক হন্ন কপ্ল-লাওরখ্রবনি। অসুম্ন ইনখৎনাক্লিবী মচা নিংঙোলন তান্নবংগী হৌন লিচৎ অপুন্ব থাদোকভুন, সংশারসিগী মুংঙাইবগী সরুক থোইদিংমথাই'ম য়াওদ্রব অপাম মুংশি কল্লক মিহৌব লৈত্রবনি হায়নরিব তমজনফম ওইরব লম্বীদুদ মপোকসিমগী ওইন খোংদাখিবদ করম্ন মমা মপান নিংদোল পোমলোইদৌরিবনো?

চনচল্লিদি মহুৎগী চহি ৫ শুরকপদগী মৌন মীহৈবাক থাদুনা মহৈ তমহল্লকনি। মহৈ তম্ব লোইরব মতুংদ অদুমক মাংশ্রবনি, খিব ফংখিদ্রবনি। ভসিদি, মচাবু উব ফংজবদ মমা মপাগী হরাওজব লোৎল্লে। মহাক কনানো, কদাইদগী লাক-পনো হায়বসি নহাল্লমখৈ কনানসু থংনরম্বদে অদুবু ভসিদি মশক তাক্লরে। নোংচুপ সত্যাত্তাদ পেনজব ভমজদ্রবী মহাক অদুন করি অনিংব লৈদুন লম্হোইরিবনো? মসিমক হংনিংভাই ওইব ব্রাহংনি। মহাকসিবু মীচেল্লা? নত্রগ কনাগুম্বগী নমথাক লাংদ থুরুবদগী নাস্তাকতুন চেল্লরগ কান্নররোই খন্ন লোৎতুন লৈরিবরা? অত্রা নুংভাই ঈপাগু তেল্লব পুন্সিসি লৈখা তাহল্লবগী কান্নব লৈত্রে খন্ন তশেংন আশ্রমদ লম্হোইদুন লাক্লবরা? ঐখোইন তাখি উখিব ব্রারি শিংবুল কয়াগী মনুংদ – মীচেল, নিংব কান্নব লংজরুবদগী হেন্ন নুংনাংদুন মথঙ্গী মপোক্কীদমক পুন্য য়েংলক-পশিংগী পুন্সিন হেন্ন মপুং ওইখি।—মহাকসিবু পুন্নমকসিগী মনুং চন্দবী কৎথোক্লবী হায়বদুরা? করে, তোক্লসি ব্রাহ্মসি। ঐখোই মঙোন্দ হেনজিন্ন য়েংশিনব পামত্রে। গাংখ্রে, শিখ্রে খন্দুন নুঙনাংলম্বদু কোত্রবদুদদি মমা মপা শাগে নাতে ভন্ন হরাওন হন্নখ্রে। কপ লাওদুন থেমলুবগী কান্নররোই খংলমালে। অঙনব অয়ুকতুদ চনচলিন প্রিয়ম্বদাগী নাক্ত লাকতুন হায়রকই—

– করিনো অঙ্গম লৈথোকপসিবু চুমগদরা?

– করি তৌরবগে?

—সুহোংগদব হয়েংত ভাইরবসিদ মহাকপু নাইতোম হন্দোকপসিবু চুমগদরা হায়ব? পুক্লিং মুংশিখিবসু য়াই—ওহাক চৎলুসি হায়বগী য়ানি।

— অতুদি য়াম্ন চুম্ন য়াফমনি। চৎশি চন্নিয়া—। ওসিদগী হৌন মানোস সরোবারদ, কুন্দগী ঈশিং শোকলদুন ঈরুজবিরগ অপাকপ মুংফালদ চন্দল মশিংগুন তরুগ মহা'পুম্ন তৈবীব হৌব য়ারে।

— মখল মথেল শুন য়ানশিন্নব লৈনম চন্নব চেংহি লুজবিদুন অমুব শময়ামদু মরেক মহাও থোকহল্লুসি।

ওহাক্না তুংদ মখোই'নি গঙ্গাগী নাক্ত থুংলরে। গঙ্গাবু চিংদুন মানোস সরোবার মপালদ পুরক্লে। হয়েংদগী চৎলগদবনি, ওসিদি নহাক থাদোকপ য়াম্ন হায়বগী মওংদ চেকশিনব য়াব মঙ্গ চেকশিন্দুন চনচলিন হায়রকই—

—চান্নবী, ঈমাই চোম্ন শাৎলিব থরো থম্বালশিংসি উবরা? ফুগাইন শাৎলিব.......লৈশাৎ তম্নকপদ ভাইরিব....পোমশাৎ- নরবী শিংঙেল লৈরাংশিংসিদ তোংলন্নিব খোইমুশিংসি উবল গঙ্গে, নহাকপু করি খনবগে? ইকায় হঙ্গাইন গঙ্গান লৈথোকই মদু উবদ প্রিয়ম্বদান মখদাং পাক্করদুন --

— চাংজো পান্নব সরোবারগী ঈমাইথকসিদ শান্নরিব ভান্ন কাংগু- শিংসি কন্নিগীনো জুড়া জুড়া চৎমিন্নন্নিবসি.বা? য়াহোং জক অমাম্ন থেক্ক খোইন জগাই শমিন্নরিবগীন করি অথ.না?

লমগী চেক্লা ভাম্নু থঙ্গোংশিংসিন মতম চারে খম্ম চাক্তাররি-বসি......তু-উবরা ? মখোই মতৌ উবদ চলিয়া—ঐদি থমোইসে ওঙ্খোক্ল মুংওয়ে। মদু তাবদ গন্নান খুম্নকই—

—ইকায় খংদবী, নখোই অনিন ঐবু অদুম্ন লক্লগদৌবগী মফমসিদ পুরক্লিবরা ?

চলি—কদাইদে ব্রানো পুশিল্লক্লিবসিন !

প্রিয়া—ব্রা ভাংব য়াদ্রবনি, লাইবক ফবী ওইদৌরবনিন।

চলি—কায়দে ব্রা য়াম্ন ভাংনদুন মতম মাংনবনি।

অরাংব চীংজাওসিদগী চাইথরক্লিব ঈশিংচাইবীসিগী লাইজন নছাদু নুংশাক অসিগী মথক্ত ক্ষমতুন চোংহন্ল। সে—লৌথোকউ—ইকায়রুন্নু করিয়্যু। কদাই ফৈগল....ফৈরু... নিংতু ফৈবোম.. থবাক-লেংয়ান. করি ব্রাংপগে খ্লেংশি। আশ্রমগী মমাই চোপহনব য়াদে।

প্রিয়া—হৌন লোনচংতি চমজরবরা ? খংউ ওইনচাওবী, ভসিদি নহাক ঐখোইদ ওইনরি। হয়েংদগীদি—অমদুদ।

প্রিয়ান চনচলিদ মিংকী ইঙ্গিৎ তৌই। গন্নান শাওন পৈদুন লৈথোকখি। মদু উবদ -

- হো ইবেম্ম, মদুগী মওইনছুদি মফমদুদ চম্নরাইয়ে খংলহরো ?

চলি—প্রিয়া, খর অদুক তাকউদন। আশ্রমবু হৌন খংদব তাহনবদি চুমদে হাইব।

প্রিয়ম্বদান পাক চাওরব মফমদুগী ময়াইদ হৌরিন ন... ...লেব বোকুল মখোংদ চংগ্রে। মত্না মরেংতু লৈমাইদ গ্রো...গ্রে...

চিংলদুন ইকায় খুম্নফম ওইরব ইমুং অমগী চৎনরোল সুন তাকখৎলক্লে। —মক্ লাকপদ অসুম, মনেম লাকপদ অসুম-হাইন, মতে লাকপদন—ম.কাক মরু খুম্নদুন ঘিজিন মাইথোং খল্লকই। চনচলিন মহাক্না মওং মতৌ উবদ শিথ শিথ নোক্লদুন খুর চনিং চমাং শন্নদবমখে হংলকই—

--অমদ্ লাক্লবদি ?

প্রিয়ান শকফম খংহন হনজিন্দুন মাইথোং লৈদ লুরু চীং লেম্লকই। খোংথাং তপ্ন চংলকতুন লৈগী শৈজাগী মশক ওইরব বোকুল মখোংগী শিড়িদ মখোং য়াম্লদুন নিংঙাইদন ফম্লরে। লৈনম্ন হারব বোকুল মপাল্ খুজোক খুজোক্ল মতম চারে খম্ন মাগী মতৌ উবদ মালেম লৈদ হৈথরক্লে।

মিৎলৈ নারৈ, ব্রাহং পাওখুম লিশিং লিশিং, পুক্লিং ঈহুল তাকপ...মুংশি ঈখৌ লাংলবী কয়াগী ফিজেং চাকচা....মিৎয়েং .. খোংথাং...চনচলি য়াওন তাকপ লোইখ্রে। চেংহি শম্মাল লাংদুন কয়ারক হুম্ন মক্র থিদুন কুন্দগী ঈশিং চাইথখ্রে। অরোইবদ চনচলিন অপাকপ মুংফালদ চন্দল মখল শুন তক্লে, যুবীগী তেঙ্গোৎতগী লৌর লৌরদুন প্রিয়ম্বদান গঙ্গাগী হকচাং কয়াৎ শিনব থুংন তৈব হৌরক্লে। মচা তারব শম্নাংশিংন মাইথোং থাজব্ থুম্লিবদ্ হায়দোক্লদুন প্রিয়ান হংলকই—

—করিগী কপ্লিবনো গঙ্গে ?

গঙ্গা কপ:নাইদবগী মরমবু লৈরিবরনে প্রিয়া ? নংখোই অনিবু উব ফংদব মফমদ ঐহাক চৎলগদবনি। হন্নংদগীদি আশ্রমদ লৈন্নিব পুন্নমক কান্নরগদবনি। অমুক উব — ।

চলিয়া — গঙ্গে, মদু হাইহেদ। মুপিওইবীশিংগীদি মপুরোইবন অথোইবনি। মসিমক সান্নন য়্যারব রাফমনি হায়বসি নহাক খংলব নত্রা? পুল্লিগী ছৌন লিচৎ কায়দন অহল লমলগী য়্যাথং ইন্দুন নপুরোইবগী নাক্ত চৎলবী নংভান্দগী হেন্ন লাইবক ফবি তায়বংদ অমমুক লৈরিবরা ?

গঙ্গা — অদুবু ঐন মফমদু অমুক য়্যাম খোইদাদরিব, পুক্লিংদ অকিব পোক্লিবদি করিগীনো ? খংদ্রে চলিয়া, ইছান মফমসি থাদোকতুন চৎখিব তারবসু থরাইদি আশ্রমদ অদুমক লৈহৌরগনি। নংদি লোইন খংলিবনি, হাইযু নহাক মসিগী মরম খংবরা ?

চলিয়া — উম, খংই।

গঙ্গা — অদুদি হাইখু মরম করিগীনো ?

চলিয়া — মসিন আশ্রমনি মফমদুন সমাজনি।

গঙ্গা — চলিয়া নংগী রাশি তাবদ ঐগী থমোইসি য়্যাম্ন চিংনরে। প্রিয়ম্বদান মরক থংলকই —

প্রিয়া — অভাওবী, ঈশ্বর লৈরিবমক্তদ হেন্ন রারুনিংঙাই করি লৈ ? য়েংউ নংগী শক্তি মচাসে নংবু থিরক্কে। ঙহাক্ত উদবদ লৈব ঙমদমালে। চৎলসি মপুক লায়ম্রগনি, করিনো থক্তিক্ত পিজরুসি।

গঙ্গাবু উবদ শক্তি মচাদুন মহৌশাগুম্ভ ঙা-থেংলদুন ওইনব হৌরক্লে। পুর্ণিমা থাজবু উবদ জুম্বার কাগল্লব সমক্তগী ঈমাইবু ফাথগে থঞ্জরিব পাখৎ চাওরবী তোর্বান অনিন মখুৎ নাম্ম নাম্ম শন্নদুন নাকোইনব লগী য়েংলক্লে। মখোইন চৎকদব লম্বীদ থৎলদুন শক্তি মচাত্তুন নিংঙমদব মৈচাক থাংবদু উবদ হে... থমোই শোক্লবীদুন --

গঙ্গা — ইতা নখোই'নিন ঐগী শক্তি মচাসিবু মচেম শক্ক নাওংকা- নবীয়ু। মহাকসু ঐগুম্ম মরাইবক থিররব্বনি। মমা মপা অনিমক শাদানবগী মখ... মথল্লাই থাগ্রব্বনি। অরাম খোৌরাংবন ...ৌরবদ মমা মপাবু খিরকখি। লমঙাওনদুন হিংচাবশিংদুগী মখু... মহাকস তারুরব...। মরাইবক ফবদগী নাংন্তুনত্তুন চেনজরকখি মপনাই কনবিমব দেব- ...শি মগী খুয়াদ ভুরখি। মতমদুদ ...কাচেল চ...চরব খশিদুগী মফমদগী ঐন নিক্তহৌবখি।

চন্দ্রিয়া - মাগীদমক থোইন মুঙনাংলুরবু। হৌজিক্তি মহাক আশ্রমগী অকোয়বদ মন্দিং তম্ম শাম্নদু... নৈজরগনি।

গঙ্গা হে! শক্তি মচা, নংদি থংজিরাই ঐহাক হায়ুংদগী আশ্রম থাদোকলগনি হায়বাসে করিগুম্ব ... চোংতুন শান্নবদ ব্রাব্রম নংখোংস ... মরান মুবল লমশাং চত্তুন নচিজ্ঞাক থিব ... তদুওইরবদি ...মব ...লতে

ইতা'নিগী নাক্ত চংউকো। নহাক্কী অরাব শোইদন কোক্কনি, হাপ্পব নবুকতু খনগনি।

প্রিয়া ইতা, লৈকোলদ ঙহাক চংদুন পোথারক্লোইদরা ?

গঙ্গা—চংলরোই ইতা। খা খল্লুরগ থরাইসে মপাল থোক্কদৌরে। লৈকোলগী রাণীশিং উমথুন থমোইসে অমুক নৌহৌনন থুগাইররোই।

চলিয়া অদুদি চৎলগে হেংগ্রে। ঐখোই'নি নহাকপু যুম যাওব মিনগে।

মখোই'নিন 'শাবু গুম ফাওব পুদুন লাক্লে। গুম য়ৌরবদ হয়েংগীদমক শেম শাদিব ময়ামু গঙ্গাবু উরুবা খুদক্ত লৈখিদ্রব মমাবু সিংশিংদুন হেন্না থমোই নৌখোক্লি। হয়ও তম্বাম্বগী ঈরোলগুংদ অরাবগী ঈচেলস্থ দানশিংহরি।

তাঙ্কক ৭

নুমিৎ অদু কয়াদ নিংথিখিব ! মপুং ফাব়ব পুর্ণিমা থাজন নোংমদোল অতিয়া তন্নকপ, নুমিত্তুগী নুমিদাংৱাইরমদ ঈপাম লমদম থাদোকতুন লাকখিবনি। চৌংয়াগী লৈ:কাল...আগ্রমগী ফজব....খোইখোইরব লম্বীদুদ দোস্নাই থক্ত তোংন তোংন পিরম-লবদি বিদায় পিঙম পিঙমদন—মুংশিরব ইপাম লমদমবু। পুন্সিগী আশা পুম্নমক তুংদুন লৈরম্বা মতম'মগী আগ্রন. মতম'মগী নুংশিব, ঙসিদি কদাইদ চৎখ্রব ! অশুক চাওব ইমুং অমগী মবেম্ম, অসুক য়াম্ব লন-থুম শমপতিগী মপু—মসিদবু পেনব ঙমদ্রব ! অঙকপনি অঙকপ—ঈখোলাংবগী তোর্বান্দুদ লেপ্লদুন নিংশিংলি লাইবকচাওবী গঙ্গা, লুহোংব নুমিত্তুগী নুমিদাংদু।

ঙসিসে নুমিৎ অতুমক্লি। চহি মঙা হৌখ্রবগী তুংদ ঙসিমুক নৌহৌনন লাক্লে। মিৎত কাজল, লাইনক্ত বিন্দি, কোক্ত অঙাংব শিন্দুর, লৈনম চূব়ব ফিজেৎ, নিংথিন হত্তুন শাগ্রব হিরা মণি

মুক্তাশিংগী লৈতেংশিংন হকচাং কয়াৎ খুংন লৈতেংগ্রে। মচু থোকত্রব কাতুগী মিহুৎথোং ময়াদ কম্রদুন ব্লাখস তৌন তৌন ঙাইরি—। ঙহাক অমুক থোংবাদ, ঙহাক অমুক পর্দা মরুমদ, পাথোক্লব মুংশি ঈপাক্ত ঈরোইদুন শাগ্নরি। সনা লুপা লৈজব 'পুম্ব পুথোক্লে—লৈগী শৈজা শেগ্রে। খোংথাং য়াংন খুৎলৈ থুন শমজিগী নাচোম থেৎচিল্লে। নিংথিরব বিজলি মঙালন ফুদোংলব কাতুগী মফম চান চান রৈল্লিব গল্লাশিংদ অ:নৌব লৈরাংশিংন চোগ্ন লৈতেংলে। থেরু নৌন ঈপোম নাইন চৎলি, অমুক লেপ্পী, ব্লাখল তৌই—করিদি ব্লাৎলি? লৈদুন য়েংজৈ, মছান মছাবু শকহেং মিংশেলতুদা— থল্লি, লিরুরুম থেব্রদুন পিশুম অনি— ঙসিদি করম্ব মুংশি তেন কাপসিগে? পেনজৈ মথমত, মছাবু য়েংজতুন—ঈথক ঈপোম কারব হকচাং কয়াৎ উবদ! নোকচৈ করিগুম্বদ খোইরুম মোমোন, কনা লৈত্রব কাদু হরাও মীনোক্ত পুমথল থল্লি।

—চান্নবী নংগী মিংবু— ?

—গঙ্গা—।

—চিত্র হায়ব নত্রনে?

—মদুন খশিশিংগী মফমদৈ ফংজব মিংনি।

মিংগী মরমদ তাজব অম লৈজে, তম্বুরা? তম্বুরোই হৈকায়জৈ

— তমউ কৈদৌবগে।

—মচা ফংজদবদগী ঙাওরবী ঈমাবু পুদুন ঐবু পোকপ পম্থৌন চহি অহুম তির্থ চৎখি। ভগবানগী মফমদ মচা নিজখি।

নোংম শজিবু শানথৎশকপদ হরন্বারগী মপুং ঈংলব গঙ্গ। ঈম[illegible] তোর্বান্দ মচা কংজবদ পেনজরবী ঈমাতুন মচাগী [illegible] হায়ন থোনবীরমই। অদুবু আশ্রমদ [illegible] ঐবু মতম-দগী [illegible] কৌবী। মরমসিমদি ঐন [illegible] [illegible] ।

– মগী মরমদুদি ঐ [illegible]। হাইবা?

—হাইবু।

– ঐনী থবাইবী [illegible], [illegible] লইমুক [illegible] থং মিনম [illegible] [illegible] ।

মচু তাবদ [illegible] [illegible] ঐহাক [illegible] ।

অদু [illegible] [illegible] মফমদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

—কয়সু তৌদে, তাবদ মুংভাইজদবগী ৱানি।

[illegible]মদদ হেন্না ঈ.খোলাংলব মহাক্না চিংন য়েংলদুনা মথা তারকখি—

- [illegible] ? আশ্রমগী পোমশাংনরবী খল্লাল, অচুম্বা ৱা হায়বদ হেন্না চিংনখিন্দ করিগীনো ? নংগী মুংশি ঈপাক্কু ঈরাক্কদুনা ঐতদি শিজশ্নগে। ঐনুসু আশ্রগদ পুখিরো।

— আশ্রমদদি চৎনবীসি [illegible]।

- অদুওইরবদি চানবিনে, নংগী থমোই আশ্রমদ লেংদ্রব পোথাক্কমদু পিখিন্নু।

[illegible] খুন্নসিগ ঈলোইননা ডাক্টর রাজন থজিন্ন [illegible] চন্নমদ মাইথোংদ [illegible] কারক হন্ম ভা-থেংনর্বি [illegible] মেইতৈ লংঙ্গো পাখোনকহন্নর্বি। ঐখু [illegible] [illegible]দারা [illegible], লৈহক লৈখাগী [illegible] [illegible] তাওথমিন্নখি।

[illegible] [illegible] অদুবু [illegible] [illegible] হন্নরক্রিবদি ? [illegible]

[illegible] নিংনিংখিবনি

[illegible] ।

[illegible]

[illegible]

বরি [illegible] ?

থমোইনুংদ লৈরিবদু উনব, হেন্না পুক্নিং লাংতক্লরব মহাকপু কোমগোম থাদোক্লছুন –

– তশেংন খংদবরা ?

– ঐদি খংদেবু !

—শুকনিং নিংশিংদে ?

—নিংশিংব ওমদ্রে চিত্র। করিনো হেক্ত হাইম্ন, মতমসে থেংখ্রে অনাবশিংন ঐবু খোঁরাংন ভাইদুন লৈরম্লগনি।

– ঐখোই অনি থুংনব মুমিৎ।

- ও ! লুহোংব মুমিত্তু ওসিরো ?

– উম।

ওক নোমদুন খুমখি। মদুদ থম্লগ্ন মহাক্না মুংশি ডাগফম হৌজিক ফাওব লৈরাং লৈনাদ খুৎফম কায়দন লৈরি।

মুমিদাংগী পুং ১২ তারে। ফক্লাং ঘড়িদুন লাউরকই থেংলে...থেংলে, তুম্লো...তুম্লো। লাংতক্লবন লুতোন থুমখ্রে। চিংনবন পোথাক্লম খংখিদ্রে। হৌখিব চহি খরসিদ অসুম্ন থেংলকপ নোংমত ম্লাওখিদে। লৈতাব ওমজদ্রবীদু মৈথক্ত লেপ্লগুম থোকখ্রে। মপুরোইববু ম্লারৌজরকই – ওসি নোংমতংদদি খর ওম্ল হনবিরকউ হায়জরগ। খল্লকই, ঐবু হোস্টপিতালদ হেক্ত চৎলসিরা ? মুনিরামদুবু তুমখ্রবজাৎলা ? হৌ:দাকতুন ম্লেংসিরা ?

– মুনিরাম....মুনিরাম....কদাইদৈ খুম্লক্লনি হাম্লবগে, মুনিরামদি ইচিক হন্নব শজিবুগী অহিংসিদ খোইদাব ম্লারেকফম খিদুন মুংভাইন পোথাদুন লৈত্ত্রবনি। মনাক নক্ল লৈরিব ফোনদু

থাক্লংলি – পাওখুমদুন হেন্না পুক্লিং তাংতক্লহল্লে। "ওহাক্কী মাংদ অনাশংদ লৈরমই অদুবু— ।" কদায়দ চৎখ্রব ! ফক্কাং ঘড়ি অমুকসু থিল্লকই দাং... । পুং অম তারে। হৌজিক্তি নিংব কায়থরক্লে। মরেক মহাও থোকত্রব সেনতংশিংদু অম-মমত ওইন লৌথারক্লে। কোরৌন মমি শামগ্রবদ মখোক লোইরব থগানে ইনান চোইন খিকথরকপগুম মিমা অনিদ তরং লা ইজ শিন্থরক্লে। অয়ুকপ লাইবু ফক্লাংদ মেৎচিন্দুন হুৎদাকপিরম্বগুম মমল য়াওদ্রব লৈগী শৈজাদ ভারদুন নিংব কায়ন ফমথরক্লে।

তুমথখিবগ গঙ্গা মংলানগী ঈপাকু তাওথরকই — স্বর্গগী লম্বীদ চৎলিবনি খন্না চংগমগী চৎনুরব মতুংদ খংহৌদন আশ্রমদ থুংলরে। হৌজিক্তি আশ্রমসে মহৌশাগুম্ন ফজরমদ্রে। চৎনবী লোইন হোংখিবগুম, হামচৎনরব থরাই য়াওদ্রব হকচাংগুমন লৌখ্রে। অনৌব অওনবশিংদুন গমাবু তপথহল্লে। থমোইদু নিক নিক লাওখ্রে, খন্নাইগ হকচাংগ শেৎনবগুম, মরি তৎনখ্র-বগুম হেন্না পুক্লিংবু পোথাহন্দ্রে। শাংন য়েংলকপদ চনচলিবু উরকই —

– চলিয়া...চলিয়া...কদাইদ চৎলিবনো ?

– হো—ইবেম্ম, আশ্রমগী হৈনৌ মপালশিংদু ওন্না মপাল শারে। মদু য়েংব চৎলিবনি।

– অদুদি হৈনৌ মপালশিংগী লৈহি চুপ্পব পায়রকপ কোকিলশিংদুদি লৈরমখিগদরা ?

মদু তাবদ চনচলিন চিনব ন্দ গুৎদোঙ্গী থরুদুন ইঙ্গিৎ তৌরকই সিং — ।

—নং উদ্রা — চৎলিব ঋশি ময়ামসে ?

— অমুনব বনগী উহে চাবতদ গপ্পক নোইরব কুমার ঋশিশিংসে অপায় অমত্তুং খনজৌ ঐ ভাংনবিগে।

- অফাওবী, তারবদি ব্রা থোক্লোইদ্রা ?

গঙ্গান থেক্ল খোইন মাংদ চৎলদুন, অমৌব ঈথক ঈপোমন চনচলিগী লেংজুমদ ভারদুন —

— চলিয়া, মসিবু মহৌশা নত্তবরনে ? করিনীন নংন ফংওমদ্রব মীওইবগী মপোকপু লৈকংলা ওইহনবনি. " মদুগীদমন নহাক পাপ, প্নরাইদরা ?

- খিৎ তোক্লো ইকায়থংদবী। নংবু নথা ... মদ্রব ... থৌরিন হৈনৌ মখোংদ পুন্দুন থম্মীরুবরা !

— কোকিল ভাইবদ হৈনৌ মপাল কেনখিব ... রবদি মহ... গুংশিব খোজেল তাখিগদরনে চান্নবী ?

—গঙ্গা, আশ্রমদ লৈবীশিংদদি ব্রামলদু মহা প'পনি।

গঙ্গান হৌন হৌন লাওরকই —

- সম্মোইবী, আশ্রমদন হেন্ন কোকিল নৈর্বান। কোকিল লৈন মফমদ মাগী খোজেল তানি। খোজেলদু তানিংদ্রবদি নাকোংনি মেনসিল্ল।

ঙঙ্গান হৌন হৌন লাৎত্রব নোকপগী খোঞ্জেল্লন কাদু পুমথল থল্লম্মী। খোঞ্জেল্লদুনর খংদে, কাদুগী থোংবাদ মী লাক্লে খংনব শরিক মচাদু হৌন খিংলক্লম্মী। গঙ্গা মিকপ থোক্লে। মপুরোইব লাক্লে থম্ন চেন্থোকচরকই। থোংবা কাংদুন য়েংই- মৃনিল্লামন, —মেম-সাহেব, ঐনি । খেংলব মতমসি ফংওন হৌগৎলক-ল্লবদুদ চিংনজদুন ...।

তশেংনমক নোং ঙাল্লরে। নুমিৎন নোংপোক থংবা অতিয়াদ ফল-ল্লাংন কারদে। অদুনু গঙ্গাগী থমোই অতিয়াদ থোক্লন্দ কোরৌ-নুমিৎভুদি পুন্সিগী ওইন তাখ্রে। থোংথাং তপ্ন লৈশি-ল্লকই। মচু থোকত্রব লৈগী শৈজাও খুৎফম কায়দনি। গংাদ য়াওরিব লৈরাংশংদু হেন্ন মঙাল ফংদোক্লি। ঙরাং লেংখিব অনৌব আশাগী সেংপংরংদু কোল্লদুন গঙ্গা হিক্ল হিং কপথংলাক্ল।

তাঙ্কক ৮

নিংথিরব তায়বং মপুগী খুৎশেম্ন শুমহৎনিংঙাই ওইরব মালেমসিগী মথক্ত হিংলিব খুদিংমক পোথাব থক লৈতে। মফম অমদ নত্রগ মফম অমদ, করিগুম্ব'ম নত্রগ কলিগুম্ব থৌদোক'ম থোকতুন অদুমক মরে। মতম কুইনগী মমাংদগী চনচল্লিগী পুক্লিংদ চিংনবগী মমি তাখি–নোংমদি মসি অচৌব ব্রাথোক'ম শোইদনমক ওইরক্কনি, লানজাও হৌনরক্কনি মদুমক্ক আশ্রমদ লৈরোলনুংদ নমশিনখিবসু য়াই। থব্রাইগী পোথাকম ওইরিব. পুন্সিবু কথোক্কব শকহংদব কনাগুম্ব থরবু মশক তাক্লবসু য়াই, নত্রগ মরাল লৈজদ্রবশিংবু খোংগোইনদুন মৈগী নোংন অতৎ অথম লৈত হৈথরকতুন তায়বং মালেমগী নিংথিব পুম্নমক চাকথেকতুন উৎ ওলহনখিবসু য়াই। মতমদুদ হে! ঈশ্বর, নংন কদোমদ লেপ্লিগনি–অচুম্বগী মাইকৈদ নত্রগ তৌব ওম্ব শক্তি লৈবশিংগী মায়কৈদ?

ঙসিদি মদুমক থোকপ্রে, মিৎন শংশং উব ফংলে। ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংন অচৌব থিংঙগদ্রব লানজাও'ম পুজারিগী মথক্তু হৌরক্রে। মীয়ামদুগী মরক্ত ধর্ম্মগী লুচিংব ওইরিব বেদ শাস্ত্রবু মশক মুন্ন খংলব পুরোহিত কয়াসু য়াওরি। মতম কুইন তুমদুন লৈরুরব মৈগী চৌং খংহৌদন পোকখাইরক্রে —। থাজ কয়া তুমদুন লৈরুব কুত্ত কর্ন মিকপ থোকতুন হৌগৎলক্রে। ময়া লিশিং খিগৎতুন শিংনব হৌরক্রে।

— হাইয়ু চরন্দাস, নহাক্ক হিন্দু ধর্ম্মবু মাংথোক্কব লাক্কুরি হায়বসি অচুম্বরা ?

— করম্ব অনিংবন লমজিংদুন করিগী অদুক চাওব মীনম্ব ঙা ঙাংবিরিবনা রাজ পুরোহিত ?
নহাক্ক অতোপ্পগী মফমদ লোৎশিন্দুন থম্ব ঙম্লবসু ঐগী মাংদ, মন্দিরাসগী মাংদ, তায়বং মপুগী মাংদদি খক মিনম্ব ঙম্নরোই।

— মতুগীদমক্লা লেংবিরম্রিবসি ?

— মাম্নি। নহাক্কী নচ্ছা কনজনব করিমুক হায়নিংব লৈরি ? অদুবু মদু করিসু কায়ব ফংলরোই। খংউ চরন্দাস, নহাক হৌখিব মপোক্ত শোইদনমক হরিজন ওইন পোক্রমগনি। হৌজিক্কি মখোইগী মরক্ত ননিং তমজরুব য়ারগনি।

— রাজ পুরোহিত, নচিন'ম পাল্লি হায়দুন পংঙাং ঙাংগনু। পাপ চেল্লব নরৈদু য়ারকপ ঙমদ্রে। মদুবু ককথৎপ ঙম্ব চরন্দাসনি। নহাক্ক ঙাংখিবতুগী মতিকচাব প্রমান পিযু নম্রবদি মিকুপসিদ নহাক ঐগী শাপ ফংলগদবনি।

নোক্লদুন রাজ পুরোহিতন ইঙ্গিৎ তৌরকই।—ওহাক্তী তুংদ মীয়ামশিংগী মাংদ প্রিয়ম্বদা চীং লেয় চংলকই। মচানুপীবু উরুব খুদক্ত চরন্দাস লুতোন শাৎলকই। চুম্ন লেপ্ন ওন্নকত্রে নুঙশা খর ফুরিরকই। তিনিব মীয়াম পুন্নমক মীপায়নরক্লে। রাজ পুরোহিতন হংলকই—

—প্রিয়ম্বদা, নহাক জাৎ তারব নত্রা?

- অচুম্বনি দেব, এহাক হরিজনশিংবু তশেংন ফুংশিরুরে।
  পাওখুম্মদু তারুব খুদক্ত চরন্দাসকী থমোই মচেৎ মচেৎ থোক্ক কাইখ্রে। অমুক খাংব ওমকত্রদুন থমোই শোক্ক হংলকই--
- প্রিয়ম্বদা, ইপাগী ইবেম্ম! করিগীনো
  নহাক্ক এমক্কী মাংদ, ভগবানমক্কী মাংদ ওইদ্র মীনম্ম ওাং ।লবদি? হাইয়ু, নহাক শেংন হাইবু—নহাকপু জাৎ তারবরা? করিগী খুমদরি ...করিগীনো খুমদরিব? খুমজনে, ইপাগী ইবেং, ইপাগী হাহংগী পাওখুম পিয়্। ঐ ইচাবু কয়ারক হন্ন খংখ্রব মপানি। নংগী লমচৎ. নংগী শাজখ নংগী থমোইবু....মথক মুম্ন খংলবনি। এগী থাজবসিবু আশ্রমদগীন ইপাগী ইবেম্ম? হাইযু নহাক তংশেংন জাৎ তারবরা? খুমজে, নহাক খুমদ্রে—মদুগী অর্থদি নহাক জাৎ তারে অসি নত্রা? হরি. হরি

চরন্দাস চুম্ন লেপ্ন ওঃকত্র। খাংব ওয়খী পামল ৫ঃ .লাইখ্রে। মাগী মাংদ তাম্নবংগাল থক খা ওন্দুন লৈব হৌরক্লে মকেক ওাওখৎলক্লে। মন্দিরগী মনুংদ তাম্বোইরিব তাকুব, মগী নাত্র চংলক্লে, মখোং থয়াসনি কোম্নবুন" প্রভু! প্রভু

লৌশিনবিরো, নচাবু অমুক হন্ন ইন্থোকপিরগদ্রু।" খঙোইগী শেংলব রাকৎশিংদু লোইদ্রিঙৈদ রাজ পুরোহিতন হায়রকই—

—চৎলু নখোই খরা, মপোক থিরব মওম শাস্ত্রব পুজারি চন্দন-দাসপু আশ্রমদগী মওক লাকতুন ইন্থোকখো।

তাঙা খংলবী চমচলিন প্রিয়ম্বদাবু চিংদুন পুক্লে।

—অঙাওবী, নংবু করিনো? হৌজিকপু পংথদুন লৈব মতাম্লো? চৎশি অরোমব মকম'দ। মপুক ইংদ্রিয় মীয়ামসিগী মরক্ত মিকুপ'ম পন্থদুন লৈব চুমদ্রে।

অশাওবন মৈ হৌরব মীয়াম পুন্নমক ফুজিল্লক্লে। অকনব চেরাক পিনিংবতন পোথাফম খংজদ্রব তোল্লবশিংদুন শগল পায়দুন চিংখৎলুবদ খংলে- চন্দাসত্তি পাপচেল্লব খুৎশাশিংদুন শোকত্রিঙৈগী মমাংদ ডায়রংপাল থাদোকতুন চৎথিরম্লে। চন্দালগী মচাশিংদু মতুথক্তুন পেনব ওমখিদ্রে, হৌন হৌন মাওনরকই—

-মচানুপিন্থু পুথোরকউ। মরাল লৈরিবদি মহাক্কি।

- লমচৎ নাইদবীত্থু চিংথোরকউ, মশাম খুদাং মাক্তুন হাইহৎকে করিগীনো মান আশ্রমবু মাংথোক্লিব? হৌন খংদবীদু মতিক চান আক্লসে —।

- মহাকপু লেম্ন থাদোকপ চুমদোয়ে—।

মথুক্ত থাং-তেন, উতুপ রাতুপ পায়ব ঈ-শারব খুদংগী মীয়ামদুগী মরক্তগী ম্যাক্ক নাইতোম থিক্তৎলকপ রাহৈশিংচুন চন-চন্নিবী মিরল মোংজেল রাংহল্লে। প্রিয়ম্বদাম রাহৈশিংদু তাবন চোং-চাঁম্ন হায়রকই -

—চলিয়া, ঐ মপাল থোক্কে।

—করিনো প্রিয়া নংবু ভাওরবরো? অসি থোক্কনি থংন মাথৈদুন লাক্লে অতুগ নংন...। য়েংউ – অচুম অরান খংদব অশাওবন মাংওইনরব অভাওব হুইশিংদি অউ অউব খুদিং চিক্কনি। মখোই খুদিংমক থুৎলাই পাম্নব ভাক্কি।

—মদু ঐ খংই চলিয়া। মখোইন ইথক্ত করিগুম্ব থম্ব তৌব পামই। মখোইগী অনিংবদু থুংহনসি। মতুদ ঐন চিংনব করিসু লৈতে।

– মদু অশিংব জ্ঞান লৈবগী ম্না নত্তে প্রিয়া। নহাক ভাওরে, নহাক ম্রাখল য়াওদ্রে। নহাক থোকপ য়াদে, হেক থোকলুন্না ভসি নহাক শিরবনি খংউ।

- শিবব্ কিদুন অনিংব লম্বী থাদোকপদি পাংদবশিংতন হৌগদবনি। ঐ থোক্কে চলিয়া...চলিয়া...।

থোক্কনি, থোকপ য়াদে—মখোই অনি কম্ন ইম্নখৎলক্লে। ঈ পাম্নব মীয়ামতুন করি পামই হায়বদু চনচলিন নুম্ন খংই। ভহাক্কী মাংদ করি থোকখ্রে—হৌজিক করি থোক্লব য়াই মদুস্তু মহাক খংই। প্রিয়ম্বদাদি চৌং-লেম্মী, থমোইদ পাশ্বৎপ...... নাচুংব...করিসু লৈতে। অচান মীরান নাইব, জাতি বিজাতি খাইব, অমাং অসেংগী তায়বংপালসিদ মহাক মিকুপ'ম থিস্লন লৈনিংদ্রে। – চলিয়া, ঐগী মরম্ন অপোকপ ইপাসু অন্নাকমদ তাগ্রে। আশ্রমসিদ লৈরিব খুদিংমক্ত ঐভোম্দ থাজব লৈত্রে, মরমদুন ঐসে হিংলুবগী মমল লৈরবীনি। থাদোকউ, ঐগী লম্বী

থাদোকউ। হেন্না কম ইন্নথংসক্লে। চুপ্না হায়বদ য়ারকত্রবদুদদি চনচনিন প্রিয়মদাবু মদি ফরাগুম অঙ্গৈব পাঙ্গল পুথোকতুনা কাচিন্দ নমশিন্দুনা থমগ্রে।

য়োৎকী খোংবাদ থিন্দুনা কয়ারক লাওরম্লব মতুংদ কাম্নদ্রে থম্না লাক্লিব মীয়ামদু অপায় অগায়াব পোৎ...চৈ....থাং....মুং.... লংব হৌরক্লে। যুমগী মথক্ত ..ন কন্দ....থোংনাওদ ..মখোল হৌন হৌন তারকই -। করিগুম্বদ, কাগী মতুংদ লিৎশিল্লকই। লাওব য়াব লাওরমই, চৈব য়াব চৈরমই; থুগাইব য়াব থুগাইরমই মমথংদ বাম্নদ্রে থম্না অমা চৎখি, অনি হনখি, কাইনথংদদি নিংদোল পেম্বব মীয়মদু মন্দিরগী মাংদ অমত্তু উব ফংখিদ্রে।

ইংথয়রুব মতমদ চনচনিন হংলকই

- প্রিয়া, নংন তৌরিবসি করিনো ?

– চনিয়া, মদু ঐঙান্দ হঙ্গমু।

- তশেংন নহাক জাৎ তারবরা ? নেংজফম থোক্তব পাপ লংজরুরবরা ?

– তাদে। ঐন পাপকী থবক কনাদম্ভ লংজখিব নৈতে।

-অদুদি করিগী ওইদব ঙাংলিব ?

– মখোই খুদিংমক্ক পামজব পাওথুমদু ঐন পিরুবতনি। ঐহাক পাঙ্গল শোনবী মুজানি, হনুবব মখোই মঙম শাস্ত্রব পুজারিগী মচানুপীনি। মছাগী ওইজবত থিবদ মনিংতম্ব পাম্লব আশ্রমগী লুচিংবশিংসিন ইপাবু আশ্রমদগী তান্থোকখিব পামই। মরমদি অহলওইরব পুজারিসিন মখোইগী মায়োক্ত লৈ। মতমচপ্পদ ফজ্রব মখোইগী লিচৎকিদমক থিন চৈ থাংঙি, অথিংব পী।

অমরোমদ আশ্রমদ লৈরিব কনানস্ হরিজনশিংবু মুংশিদে। অতোনবশিংবু লৌখৎপ পামদে, অপোকপ ইপানসু লৌখৎনিংদে। মদুগী মহুত্ত মখোইবু তমখিন চৈব, খোংপাক্ত নেৎতুন মতম-চুপ্পদ থম্ব পামই। মসিবু অসেংব ধর্ম্মগী পান্দমলা? হরিজন-শিংগী করি মরাল লৈবগে? মখোইসিবু মী নত্রবরা? চিনবান্দ খোইহি তৈব নুঙদ হু ফুম্ব, মখোইগী থমোইবু ঐন তুক্কাচে। অসিগুম্ব অতাকপ মৈগী মৈশা ফংদুন পুন্সিসি থাংদুন লৈব পামদ্রে, ঐহাক মিকুপ'ম পম্বুন তায়বংসিদ হিংনিংদ্রে চলিয়া-হিংনিংদ্রে। ঐত শিজখ্রগে... ঐত শিজখ্র.গ...।

—করিগী শিগদোরিবা? করিগীনা শিগদোরিবনু? শিবন পুন্সিগী অথোইব পান্দমা? হোইদুন পুব য়াব পংজরব মীচম প্রজাশিংবু নমথাক তৌরব কাংবুশিংশিবু রারক্কে খল্লবদি পাগলন, নমজা নমথেক্কবন করিগুম্বদ ওইব য়ারোই। মমল য়াওদ ঈ য়োনন ওইথোকপ ঙম্লোই। কাম্নদবদ পুন্সি বলিদান তৌবনস্ ওইব ঙম্লোই। মসিদ চংই মতম . . . রাখল...... হৈশিংব......অমত্তুং কখোকপ। রাহৈশিগ ঈরোইনন চনচলিন প্রিয়ান্বু থমোই ফাওন য়েংলকই। অদুদগী মখা তারকই—

অসিয়োন চাওখৎলব পৃথিবীগী লৈমাইসিদ অসিগুম্ব লিচৎ. অসিগুব শাজৎ- মখোইগীদমক ইকাইব পোকই, খল্লবদ মখোইসিবু হেয়দুম দুংশিন পোক্কই। লৈরোল লৈরাল লৈথ্রি মালেমসিগী চৎনবিশিং অমমমত ওইন হায়গৎতুন য়েংশি— মদদ নহাকসু অশেংব ফজবদু শোইদনমক উব ফঙনি

সমাজসিগী ঈরোলমুংদ চেপ্লিব মশক উদব, হাৎপ তুম্ম ওম্ব শক্তি'মন কুপশিনখিদুনা তায়বংপালসে পুমম মমহনপ্রে। অময়-শিংদুদ শক্লোন পুব হিংচাবশিংন ধর্ম্মগী মিংদ মীবু তুহৎলি, হিংন হিংন ঈ চুপ্পী, মকু খোকতুন চাই। মসিবু পংজরব মীওয়াল কয়ামন অশেংব ধর্ম্মগী ফিদমনি হায়ন লৌই। মখোইগী লৌনম লাংদ থুংখিদুনা অমুক হন্ন নাপ্লোকচব ওম-জদে, পুন্সিচুপ্প বন্দি ওইদুনা থরাইবু পোম্বা ওইহল্লি। প্রিয়া, মসি পুম্ব ঐ খংদ-উদব নত্তে। অদুগ মসিবু খংই হাই-দুনস্ হেক্ত তৌব য়াব থবক্লা? ধর্ম্মদি লেংদবনি, নং-ঐদি শিখিগনি। নংওম্ন ঐস্ত থরাই কথোকপ ওম্মি। অদুমওই-নমক প্রিয়া, পোকওমদ্র মঃপাধি, করিগী মফম মতম চাদন হেক শিদোকপ য়াবরা? চানবী, অশাওবন মাংওইনরবদি থবক খুদিংদ করম্ন মাই পাকপ ওমগনি। অশাওব হায়ব অসিমক খাইদগী চাওরব পাপ্নি, খাইদগী তমথিব য়েক্লবনি। মফমসি আশ্রমনি, আশ্রমদদি ধর্ম্মন মুমক্কমনি। মসি 'পুম্ব নহাক কাওথোক্লমাগে। করিগীনো অদুক য়াম্ন পংথরিববো?

প্রিয়ম্বদান খন্নকই—ঐবু পাঙল ফুদোকফম চাদ ফুদোক-প্রবরা? উম! তপ্প ইংন তৌব য়াব থবক্ত অশাওবন মাংওইনখি। এমোইবু হেয় লাকশিনব ওয়্নবী অমগী মতেং ফংলমদ্রবদি অরেপ্পদ ায়াই মাংজদুনা তোরমগনি। য়াখলসিগ লোইনদুন হন্দুন চন-নদ য়েংলকই - মাইখোংদ অশেংব থমোইগী মমি তারি,—মহাক উরুবদ পুন্নিংগী অরোনব য়াদু খংবওম, থমোইদ মঙাল'ম

লাকপগুম, হেন্না থমোই তক্লম তক্লন্নকই। অদুদগী চংশিন্দুনা চনচলিগী মথুং চেৎনা পান্না—

– "চলিয়া, প্রিয়ম্বদান খুজিদ বনাবু হেক্ত মুংশিঙ্কম থোকপগে।"

চনচলিন প্রিয়ম্বদাগী খুৎশাবু হেন্না চেৎশিন্না পাইসিল্লি অদুগা হায়রকই—

—প্রিয়া,........।

লোন্না নাপ্পদ চনচলিন করিনোম হাঙ্ঘি। হৈহৈ, মক নাপা অনি শুব য়াদে। মচিন তুম্রব হাইদুনা প্রিয়ম্বদাগী থমোই লকাদ চংখিদুনা কয়াগুক কনব চৈনা পিরুব মতুংদি ঐখোই খংদে ওমদ্রে। মংহৌদনা প্রিয়ম্বদাগী মিৎলু নাপোম অনি শিরাংনা থুন্নকই। মদু উবদা চনচলিন থমোই শোক্ক অমুকসু হায়ন্নকই— "মদু ঐ খংদবা নত্তে প্রিয়া,— খংদব নত্তে।"

প্রিয়ম্বদান, অথাপ্পদে লাওরকপ খোঞ্জেল'ম তাবগুম তৌরকই ষণ থারো...ষণ থারো...। মমিত্ত উরকই— গপুক হাপ্পব হরিজন লখা লখান মন্দিরগী থোংজিন্দ লেপ্পরগুম্ন।

তাঙ্কক ৯

মতম কুইরে গঙ্গান মপামদ চৎলুদবা । ঙুংঙাইখ্রব জাৎলা ? কনান খংউনি- মাগী ইমুংদ তেম্ন উশিনব, খুৎ থিংজিল্লুবদি য়াদবনিন । অদুমওইনমক গঙ্গাগী মাইথোংদ মহৌশাগী মতৌগুম ঙুংঙাইবগী মমি তারক্লব কুইখ্রে । পিগুমদ ..মিৎলুদ কাজমগী মমি তাব উখিদ্রে । অমুব শময়ামদু বেনি লোনখিদ্রে । মহৌশাগুম্ন লৈনম চেনব লৈরাং পরেংন কোম-গোম পুনখিদব কুইখ্রে ।

—মুনিরাম, চৎলু মপাল কাদ- গন্নাশিংগী লৈশিংদু ওম্ন থুইথরে লৈমল চনথরে, হৌজিমক অনৌব শিন্দোকউ । রামু—নহাক কৈথেলদ থর চৎলরাও, লৈনম চূরব লৈরাং পারেং অমত্তং লৈরললাও । ডাক্টর লাকপন হানব তারে, থুরক্কউ - পুক্লিং হুন ফজব থল্লকউ । গোপিনাঠ, নহাক্ক লেপতুন লৈরিবদি

করিগীনো ? চৎলু—চন্দ্রাবলিন থোং-মাংকপদু লোইরবরা য়েংউ, অদুগ থুনমক গ্রৌভোন্দ পাও পিরকউ। ..... কুইরে, য়াম্না কুইরে মীনাই থুদিংমক মীচৈ তাখিদব। ভাইওমদব য়াথং তাওথখিদব।

অমরোমদসু আশ্রমগী মরমদ অনৌব অমসুং অওকপন থম্লব পাও কয়া তারে। অচুম্ব ওইরিগদরা, চুমদবব ওইরিগদরা—থংনিংনন লাংতক্লরে। মপুরোইবদগী য়াথং লৌদুনা চেংনিংবনি অদুবু মহাকসু য়ুমদ হক্লকখিদব নুমিৎ মশিং য়াংরে। কদায়ু চৎখিব কনাগীদ মৈরিব মদুসু থংদে নুপানি চৎপ য়াব চত্লু ভাওব য়াব [illegible] নোংমদি শোইদন [illegible] হয়রগি মপুতবু খনজদুনা লেরকপনি। মুনিরাম থাদুনা য়েংহনই [illegible] ফাওবদি কারকই তম্লুনু মহৌশাগী চাদি [illegible]। ইমু [illegible] মীনাইশিংনা চিংবেন চিংবান ভাংনৈ—"[illegible] হি-য়াম্থ [illegible] তৌব ভম্লবী অমগী মথুয়াদ তুদুনা লৈরে।" [illegible] চত্তুন চিন্দা-পাওদানব, মপুরোইবগী অমসুং মচু [illegible] ইজৎ [illegible] পামদে। তৌকন খংদ গঙা, পুক্লিং হকচাং তুনা পোল্লে।

নোংমগী মঙ্গান ইংগী হনক ইনথাং চেংোম নোংদ্রিংকা মুনিরামন পাও [illegible] চম্রোইনা লুপীমচা'মন মপাগী [illegible] মহাকপু খৌরাংনা হাইদুনা লেরে। মঙ্গান খোরকপদ উংবা [illegible] পুম্লমদানি।

- প্রিয়া মহাকপু কমাইদ চৎলুবনো ? কুইরে উন্নখিদব।
- মুংভাইশ্রমালে ইংবন্দ, নপাম লমদমকা নিংশিংখিরে।

য়াহৈ খরসিনি গঙ্গাদ য়ান্নু শেং ভ্রিবসি। হায়ফম খংদে, খুমফম খংদে, য়ারৌ চাওবী পুক্রিংদু য়ারৌরকই, খাংঙমদবগী মৈত্রী খংহ্রাং য়্রংখৎলকই। মদুবু তপ্প ফাথরত্নন খুমদোকখি -
—প্রিয়া, ঐবু করি য়েংদুন মুংঙাইগদৌরিবনো ?

পাংদুমদুন প্রিয়ম্বদাবু পেনহনব ঙমদ্রে। মবমদি য়াহৈ-শিংদুগী মগুংদ খোংচমদ অর্থ য়াওরি — খোঞ্জেলদুদ নিংব কায়বগী শুরন লৈতেংলি। প্রিয়ম্বদান গঙ্গাদ শাংন য়েংলকই — । মহাক্ত ... মুংঙাইরি। মুংঙাইবগী য়াখলদ আশমগী অহাব ... ... মুংগি কাগী তৌরুবনি। মহাক্কী মুংগি ফাগিদ ... ... কাহৎখ্রে। মদু উবদ প্রিয়ম্বদান হেন্ন খমেৎউ ... । হায়দউ

ভাইট, ... নৈতরগা ?

— লৈতে।

কদাইদ থেংখিবনো ? আখিসু মতমদি লোইন্নে লাংবংব চৎখিবরা ?

হৌজিক্কি গমা অমুক খাংব ঙমগী পাঙ্গল লৈত্রে। হেন্ন ... মঙাল ফংবদ ওন্ন তুমখিবমুম থৌনা ভ্রিংজেন ... নব ... মমুং তাথরে। খোঞ্জেল থেংক কপথোরম্লে ... গী মুংঙাইতব পুম্নমক পিয়াং ওইন শিন্থনম্লে। অদুদগী ... মাই তপ্প ফাথরদুন —

— মহুবু খংলবদি করিগী য়ারুনিংঙাই লৈবগে "

ভাসিগথান থা অন দুমিৎ তরেংনি শুরে, মহাক্ক য়ুমদ হল্লক্তব।

প্রেয়ম্বদান মুম্ন খংলে মদুদি গঙ্গাবু মপুরোইবন মীয়াইখিরে মুপীওইবীশিংন খাংডমদব অয়াম পোৎলুমশিংগী মরক্ত খাইদগী হেম্ব লুম্ব পোৎলুমদু ঈশ্বরন গঙ্গানী কোক্ত থাঙ্গৎলির। মুং-শিরব ইমা-ইপা, ইবুং-ইপৌবা, মরি মতা ওম্ন হুন্দোক্রমদুন লাকখিবনি মাগী অরা মুংডাই পুসি ইপাক্ত তিল্লনব। কৈদৌ-নগদৌরিবনো সনা লুপা লন থুম্ন? মপুয়োইবদগী ফংফম থোকপ মুংশিবদু ফংজদ্রবী করম্ব মুপিন তায়বংসিদ মিকুপ'ম খাংদুন লৈব ওমগনি। মুপাশিংন মখাইগী অসিংবগী মথাদ তৌরকপ থবক খুদিংমক অচুম্ন ওাক নত্তে। মদু খংন অখিংব খজিক পিরুব মহাক অদো খাংডমদব চৈরাক যংহল্লি, অচুগ ইচম চম্ন হাইদোকই — ব্রারকইবনি। পুক্লিংগী অনিংব অমত্তুং অপায়ন পুন্দুন চৎপ মুপাশিংন মুপি খুদিংমকপু মীওইন থান; থরাই য়াওদ্রব মুত্তিগুম্ন থল্লি। শান্নপোৎফুমন মতম চুম্নদ উই। মসিনি ওসিগী চাওখৎলব জ্ঞান লৈরব সন্ন্যাজসিগী লৈরোলশিংদ চৎনরিব লোনচংসি। ব্রাখলদ ওাওরিওদ গঙ্গান মরক খৎলকই—

—প্রেয়া, করি তৌরে তুমিন্ন লৈরিবদি?

নংসু লাইবক খিবন লমজিংদুন ঐগী অরাবদ ওমথুংলরে। হাইযু আশ্রমবু য়াইফরিবরা? চলিয়াদি কমদৌরি?

প্রেয়ান খল্লি, পাওসিবু মঙোন্দ করমন কাংলসিগে? হায়নিংব খুদিংমক চিনবান্দ পন্দুন অচুমক লৈরে। মতু উবদ—

—প্রেয়া, ঐঙোন্দদি আশ্রমগী অরা মুংডাইগী পাও খুদিংমক ইচন চম্নে। ঐবু নহাক্ত কনানি থম্ন চিংনরিবনো?

খুদোংচাবদু জৌরদুনা প্রিয়ম্বদান মথা শমথরকই—

—ইতা, মাইবক থিব হায়রবদুনি। ওসি অমুক অপম্বদ তাকু-শিংনা আশ্রমবু মৈহুৎখ্রে। শা-ওাগুম দেব-ঋষি, ব্রাহ্মন বৈষ্ণব কয়া হাৎখ্রে।

—করিনোনে হায়রিবদুবু প্রিয়া?

—ফজ্রব কাংবুদুন মানোস সরোবারদ মনিং তমন শামজব ওান্নু কাংওশিংদু তুমন হাৎলতুন থাব লৌবগী শঙ্খোরকপ মনমন আশ্রমদ লৈব ভক্তশিংগী অমোই থুগাইখি। ফাদুন অমসুং হাৎতুন পুরকপ শাশিং মন্দিরগী মপুংদ হিংনা হিংনা মউন খোঙখি, মুনি ঋষিশিংগী থমোইদ মৈন চুখি। শমজি খাইদুন চেনখ্রব ঋষিশিং ব্রাহ্মন বৈষ্ণব অমসুং ভক্তশিংনা খাংব ওয়্যক-খ্রদুন মথুক্ত উতুপ হাতুপ পাইদুন আশ্রমবু কয়ব হোৎচিন্ন-রকখি। থৌদোকতুবু ইচিলসিন করমন তম্লসিগে?

—প্রিয়া, রাজঘাটকী মানাস সরোবার ফাওবদ লৈব হৈকোল লৈকোলশিংদু ফাওদুন অরাংথংব চৌংমাই নাপোমগী উমং রামংশিংতুগী মরক্ত চৎখ্রিব অঙুব লম্বী মচাদুদ ইতৎ তত্তন লাকতুন সরোবারগী জল-পর্ব্বত, ঈশিংচাইবীদ ঈশিং থক্লব ঐগী শজি মচাহু হিংলিবরা? হাইয়ু প্রিয়া, অংশংবদো ঐওান্দ অমুক খিন্নব লৈতন তাকপিরো। ঐগী থমোইসি চেন্নুম চেঙ্গানরে, মিকুপ'ম পম্বরগদু।

প্রিয়ম্বদান খল্লকই—উম, চুম্মী—মহাকসে অংশংব ওঙ্গানি। পিক্লব শজি মচাহুগীনু ওঙ্গানি। ওসিফাওবদ মহাক্কী ইচেল লৈপ্তরি!

মাজেমসিগী থাইদগী ঋাংলব চীংদোলদগী হৌরক্লগ, থাইদগী নেম্নব মফমদ মপুক তম্ন ইংন চেঞরিবী পাথোক্লব গঙ্গাগী ঈচেলন করম্ন মতমদ লেপখিব লৈবগে ? মপুক হাম্নবী, কুমগী নোং জাক্লগত ঈচেল নাইঞ্জী তুরেলশিংদুদি গঙ্গাদি নত্তে। করম্ন অনিংবন পুন্দুন করিগীদমক অখাংকনবী ওইদুন তুরেলশিংন সমক্ল তম্লিব ! চন্দালশিংদুন শা-ঙা থাব লৌবগী মরক্ত গঙ্গাগী থমোইস্থ ম্লাও-খ্রবনি। মাংজৌনন চাকঃথকখ্রবনি। অমুক থাংদুন লৈব ঙমদ্রদুন প্রিয়ম্বদান থুম্নকই—

—গঙ্গে, চান্নরবী মরুঃপ্লাই—অক্লাব পাওসিবু নফমদ করমন হোংলসিগে ? নংগী শক্তি মচাদু ভৌব ঙম্নব হিংচাবশিংদুগী মখুত্তগী মথক্লাই কনজব ঙমখিদ্রে।

—করি হায়ব প্রিয়া ? ঐগী শক্তি মচাদু হাৎম্লব ! কনামত্তনসু মহাকপু কম্নব হোৎনবিখিদ্রব।

—গঙ্গে, মথক্লাই হিংনবগীত থম্নরব মতমদুদ করম্ন থৌনা লৈব কনান মাগীদমক থবাই য়োনব্রিগদৌরিবনো ?

হৌজিক্তি গঙ্গাগী ম্রঃখল নোংথাংওমন ম্লাংন চেনব হৌরক্ল।

—উম ! খংলে—মঃখাই গম্লাম চংতুন, যোগী ঋষিশিং ম্লাওন, ঐবু পোকপ পন্থৌন ইখোংদ মপোকসিমগী ওইন থোকঙমদ্রন ম্লাৎহিংদুন পুন্দুন থম্বীরম্লে। লংজরুবদগী অক্লাফম তারব মীওইগুমন, মৈগী কুন্দবু ৭ লক হম্ন কোইহন্দুন ম্রাম্নবিখি মসিমক পুন্সিগী লেংম্লব তৌফমঃথাকপ ধর্ম্মনি। মদুদ ঐন থাজনি, ঐন ম্লাখি, ঈশ্বরনক্ল পিব ম্লাথংনি লৌখি। হুংড়াইরব

আশ্রমগী পুন্সিবু থাদোকতুনা য়ুমবানবগী পুন্সিদ খোংদাখি। হে! ঈশ্বর, ঐগুম্না মমান নৌনা ছন্দোকপিরম্লব মহাকতুবু নংগী মুংশি মিৎয়েংগী মখাদ কন্দুনা থম্বীরমদ্রিব করিগীনো? মহাক্কী পুন্সিগী অরোইবা মিকুপতুদ ঐবু তা নিংশিংদুনা হয়না হয়না কৌরমগনি। গঙ্গা কদাইদ চৎখ্রবগে হায়দুনা লৈদুনা পিরোইননা য়েংলমগনি। ঐনা মতমদুদ লৈজরম্ব থোক্লবদি শোইদনমক থংহল্লমগনি—মাগীদমক কনা লৈত্রব তায়বংসিদ ঐদি লৈরি। শাদোং চানিংবনা ময়াই-কারবা থংমোইশিংদুনা পেম্মব ইছাগী শাদোংসে মতুপ মতুপ কক্তুনা পিজরমগনি, অদুগা থরাইসে নোক্ক নোক্ক থাদোক্লমগনি।

প্রেয়মদান মখা তারকই—

—অমুক কুওনাংব তৌক্লরনু গঙ্গে। চৎলসি আশ্রমদ—। ঐ নহাকপু কৌব লাকলিবনি। অসিব হকচাং মওান মানোস সরোবারগী মপালদ নহাকপু ওাইদুনা লৈহৌরে। মদুগী মতুংদ অংপোকপ ইপাইবুংওাদনু য়াওরি।

—প্রেয়া—। মদু হায়গনু...মদু...।

হৌজিক্তি গঙ্গাগী থাংব ওম্বগী পাঙ্গল পুয়োই লোইখ্রে। ম্রাখল য়াওদ লৈমাইদ তপ্প হায়থরক্লে। মাগী মওংদু উবদ মীপায় চাওরবী প্রেয়মদান খোনফম কাইনা লাওখি—। খোজেলদু মরু ওইরমাল্লে মীয়াম পুম্না চেনশিন্নরক্লে। জ্ঞান য়াওদ্রব হকচাং পোলাংতু মনাক নক্ল লৈরিব ক্মুংদ থাম্খ্রে। মুনিরামনা মংবম্মী মংতৌ উবদ মীপাইরক্তুনা ক্লোন থাক্লৎতুনা ডাক্টর রাজবু কয়ারক হয়না কৌখ্রে। অদুদু ডাক্টর রাজবুদি খিন্নদ ফংব কৌব লৈখিদে

অহানবা লাম্লেং পাল্লখৎলে। অদুম ওইনমক গঙ্গাদি উত্তুপকুমন মতাদুনা অদুমক লৈজ্রে—ঙাংখিদ্রে...কপখিদ্রে...। মদু উমদ প্রিয়ম্বদা, মরম হোনখিদ্রে। পাখৎখিবঁদগী....মুংঙাইখিদবদগী.... মাইথোং মাজ খাশিগী অহিংগুম কাইৎজ্রে। মপুক্লিংদ খল্লকই— ওহ্লোকপনি ঐদি কর্মফুংগী লাকচরবনো? অসুম খোজনি খংজরম্মবদি অত্তাবগী পাওসে ইচিলসিন তমজরম্লোইদবনি। হে! ঈশ্বর, করিগীদমক ঐন মফমসিদ লাক্লিংলুরিব! ঐ:স ওহ্লোক্ত তোমন্দ্রেদকো! ওহ্লোক্ত মপোক্ত খিরকত্রবোইদা!

— গঙ্গে, মিৎ পাংউনে গঙ্গে—। ঐহাক নংগী থমোইবু চাংম্লেংব লাকপ নত্তে। করিগীনো নংন ঐবু অসুক য়াম্ন তাখিল্লিব?
ঐ প্রিয়ম্বদানি, নংগী থমোইগী প্রিয়ম্বদা।

ওহাক্তী তুংদ খর ফুইরক্লে। অদুবু জ্ঞান তাবদি মরৈখিদ্রে। মচিন্দ চোইরোল লোল্লকই—"মদু হায়গদু প্রিয়া...মদু হায়গদু.... ঐগী শক্তি মচাদু হাৎখ্রব....হিংন হিংন ভগবানগী মাংদ খউন খোকখ্রব!" মবেম্মগী মওংদ তপথদ্রব মুনিরামন হায়জরকই—
—হৈবেম্ম, অসি অনাগী পাওমক ওইরবসু কিবমসিদ করমন আশ্রমদ চৎমবগী খোল্লাং তৌরকপনি?

প্রিয়ম্বদা য়া ঙাংখিদ্রে। মুঙবংনন অদুমক লৈজ্রে। মহাক গুম্ন খংই, মসুং মপান অনিদ চেল্লিব মুনিরামগী য়াহৈ খরদুগী অর্থ। খংহৌদনা হোষ্টপিটালদ লৈব ডাক্টর অমা লাকতুনা কাপ্প খিনবা লেংবা হৌজ্রে। মদুগী কলন গঙ্গা মুংঙাইনা তুমখুল তান্দুনা লৈজ্রে। অমুক চোইক্লোল লোনখিদ্রে। ফিবম খরদং

ফগৎলব মতুংদ ৺িস্নহদা আশ্রমদ হন্নবগীদমক হৌগৎস্নকলে। পুম্নমক্কুগী বিদায় লৌখ্রে। অতৈমওইনমক প্রিন্সান ওসিগী নিংব কায়নব মহাক্কী খোংচৎসিদ ডাক্টর রাজবু উন্নব ফংদন হনব তাখ্রে। মহাক্ক থজরমই—আশ্রমবু কমজনব হোৎনবদ মন্নাল লৈতন অশোক অপন নংলব মরাইবক থিরবশিংদুগীদমক ডাক্টর রাজগী মফমদগী মতেং থয়দি শোইদন ফংজব য়াই। অদুবু মদুস্তু অ.রধ্ব তাখ্রে। নিংব কায়ব ...অন্নাব.. খুদাংথিবশিংন .. চিন্নব মতমদ খুৎশম্নদুন লাকই হায়বদুনি।

গঙ্গান জ্ঞান লাকপ মতমদদি মুমিৎন নোংচুপথংব চীংদোন্দ লৈথরক্লে, তাখিগদব ওহাক্ত মওাইরে। ওসি, থরাই য়াওপ্রব হকচাংং পোলাংদু মৈ কৌব লাইদ কৎথ্রগদবনি। পুন্সিগী ওইন উব যংলরোইদবনি। থমোইমুংদ ওমচাক্লব হৌরক্লে। কৌরকই—

—মুনিরাম... মুনিরাম... ।

—ইবেম্ম ঐহাক সিদ লৈজরে।

—আশ্রমদ চৎনবগী থৌরাং লোইরবরা ?

—ইবেম্ম, ওসিদি লেংবিরম্মু। হকচাংতু য়েংবদ কন্না লুংঙাইরে। ডাক্টর বাবুস্তু হন্নকত্রি।

—মদু ঐ থংইনে মুনিরাম। ঐ হিন্দু মুপিনি হায়ব কাওব লৈতে। শিরব ঈপাগী হকচাংদু পোৎলোইব চৎপনি। হরাও তন্নায় কুমৈ য়েংখ চৎপদি নত্তে।

—অতুবু ইবেম্ম— ।

—তাঞ্জাসিদ য়াথং ভাইদুনা লৈগদবা নত্তে। ফুমিৎ তাখিরবা থোক্লবদি থেংজিন্নকতুনা হেন্না খুদোংথিরকপসু য়াই। চৎলু মুনিরাম থুনমক শেম শাউ।

—ইবেম্মা, ওহাক্কী মাংদা ডাক্টর য়াবুনা কোন্দা নিংশিংলকই—।

—করি হায়রকই?

—ইবেম্মা মুমদগী খোংফম'ম লেংথোকপা য়াদে।

—করি! মহাক্ক ঐবু থিংবা ওমগদরা? ঐ চৎকনি, ঐ খুদকাসিদা চৎকনি। মহাক ঐগী কনানো? করিগী মহাক্ক ঐবু থিংলিবা? মুনিরাম – খুদক্ত শেম শাব লোইরো। ঐ চৎলবনি—ঐ...ঐ..।

ফোংঙমখিদ্রবা অগাওবগী মৈচাক পুম্নমক ফুদোরকই। অদুবু মিকুপ্ত, জ্ঞান মাংখ্রে, রাংখল য়াওখিদ্রে। মমিৎ মনা ওনখৎতুনা খজিক কাংখৎলম্লগা, হন্না অমুক য়াতাদুনা লৈদ্রে। ইমুংদা লৈরিবা পুম্নমক নোংহোননা মীপাইনবা হোৌরক্লে। অদুবু মতম শাংনা উংজা পুরদুনা লৈরুরবা তুংদা মুনিরাম্না তপ্না হায়রকই—"ইবেম্মা, আশ্রমগী রাশকতুননিংনা ইবেম্মধু পুন্নিবসে।' হল্লকই - চৎনবীসিংগী মথাদা ঐংথাই পুম্নমক হিংদুনা লৈখিবা তাবরা? মসিবু তায়বং মপুমক্কী য়াথংলা? শিবয়ক তারুবসু হিন্দু পুশি খুদিংমক মপুরোইবগী য়াথং ভাইবা তাবরা? মথা অমুক তারমদনা মপালদা থোরক্লে। থোরকপদা উরে—অথংপদা অমসুং অনকপদা লৈরিবা খুদিংমক অমম্ব কৌবী লাইরেম্বীনা উমশিন্দুনা লৈরমগে। ফুমিদাংগী পুং ১২ তারে, হৌজিক ফাওবা ডাক্টর রাজ হল্লকল্লি।

তাঙ্কক ১০

ওরাং প্রিয়ম্বদান তম্লগ্ন থৃদিংমক ঙসিদি অচুম্বনি হায়ব মমুত তান খংলে। মছা চৎপ ঙমজদ্রবস্থ গঙ্গান মুনিরামবু থাখি। মুনিরামন অঙনব অয়ুক্ত আশ্রমদগী হল্লক্রব মতুংদ মমিৎ মনা লাওথোক্লদুন মহাক্কী হোরো-হোরোরব খোঞ্জেলদুদ হায়রকই –

—ইবেম, পাওসিবু করম্ম তম্লসিংগে? আশ্রমগী পুক্তি লোইরে। ঐখোই হিংলুবগী কান্নব লৈত্রে।

– হায়রম্লিব রাক্ষস থৃদিংমক অচুম্ব ওইরব।

— অচুম্বনিনে ইবেন্দ্র। আশ্রমদ লৈব মুনি ঋশিশিংগী উনা-রানান কুম্ম খাংপোক থৃদিংমক ওম্ন মৈ থাদোক্লম্লে। মন্দিরগী পুক্কে হোগাইদুন সনা...লুপা......লন .... থুম পুম্নমক পুদুন চৎখ্রে। মদুদসু নত্রে, ঈশ্বরবু থাজদব নাস্তিকশিংতুন তৌহৈদব থবক

কয়ামসু তৌরম্লে। মন্দিরগী জল পাত্রখিংদু ময়াইকাব যুগী পাত্র ওইহনখি। ঋষিশিংগী কমন্দলুদ মঙক করুব শিংদগী তারকপ ঈ হাপ্লখি। লম্নোইবশিং অমসুং ভক্তশিংগী যুবী খুজাইশিংদ অথোংব শাগী পাক্ত ওইহনখি। ময়াইকাবন থুম-হৎখ্রবশিংদুন ঈ পক্লব শাদোংশিং ভগবানগী মাংদ চা-থক্লদুন পুজাগী হৈরাং লৈরাং থুদিংমক খোংপাক্ত কাউখাইখি। মন্দিরগী অহানব কাদ লৈব শিবগী মিঙ্গদ কয়ারক হন্নহ্নু যান্দশিল্লব হ'ত্তোগ্রব শাশিংগী ঈ হৈথখি। অদুগ খেক্ত খেক্ত নোকতুন করেম্নখি—"হিন্দুগী নিশা প ম্ব লাই, সু থকউ মসিদ হু-ঙ ইব লৈবনি। সে—শদোং চ'ও, মহাও য়াওবনি।"

ইংবম্ম, মন্দিরদ য়াল্লিব শরিক ১০৮ দু মঙাখক্ত ঙাইহৌরা পাপ চেল্লব কাংবুশিংদুন ইবুংঙো ইংবম্মগী খোংদ . থুক্ত . থোনব হিরা মণি মুক্তাগী লৈতেং থুদিংমক হক্তোকতুন পুখ্রে। সনান য়্মেদুন শাখ্রব ভগবানগী কোমাই ফাওব ফকতুন পুখি। মসিবু অঙকপ নত্রনে? আশ্রমগী পুন্সি লোইরে—হিন্দুশিংগী থাজব হদুন পুখিখ্রে। কনানসু থিংব ঙমহৌদ্রে। ইবুংঙো ইবেম্মগী মুর্ত্তি ফিবম কাইরে, য়েংলুব উরুব থুদিংমক কপুব য়াওখিদ্রে। মতুদ অথিংব পিরুব রাজ পুরোহিত, যোগী ঋষি, ভক্ত কয়া মঙক ককতুন হাৎলে। মহাগী ঈজ্রৎ কনজনব হিন্দু শুপী কয়ান দলান মথক্কগী চোংথ চোংথদুন মথরাই থানখি। চহি ১৪তা ঙাইজরিবী মালিনিগী মচানুপী সুরিয়া, শাহিং চাব হিংচাব-শিংতুন শরাক তমখ্রে, মহাগী ইজৎ কনজব ঙমহৌদ্রে।

ওসি অয়ুক অঙনবদ্ মীয়াম চংদুন থিবদ মছা ফাওবদি থিব ফংলে।

-হাইয়ু মুনিরাম মহাক কদাইদ্ লৈরম্মী?

— জল-পর্ব্বতকী মথা ২২ব কাচিন্দ হৌব ব্রজঙ্গবাসিনী খোংবাং মন্নাদ।

— মহাক হৌজিক ফাওব হিংলিব নত্রা?

— হিংগ্রে। মথন্নত হন্নিথাগোক মশাদ খৌরী য়াম্দুন শিরমলে। ওরাং লৈখিদ্রব মকু-ইবুংঙোগী থবাই য়াওদ্রব হকচাং পোলাংদু ইবেম্ম লেংঙকত্রবদুদদি ঙাইহ ঙমদ্রদুন অদুমক পোলোইদ্রে।

— থংলে মুনিরাম, তোক্লো—মথা তারমু।

ঐহাক থরাইসি পুদুন লৈব ঙমদ্রে।

গঙ্গাগী মছা'পুম চেং-থৈবগুম থক থক নিকদ্রে। মমিৎ অনিমক ঈওম্ম ঙাংদ্রে, তায়বংপাল 'পুম্ব চাকথেক্লগে মতাগুম মৈবুল অনিঙম্ম লংদ্রে। অরৈব থৌনা লিংজেল পুথোকতুন খোংকমদুদ লেপথংলে। মীনুংশি য়াওদ্রব তায়বংপালসিদ মহাক কনাবু উব লৈখিদ্রে, কনাবু থাজব লৈরকদ্রে। তায়বং মরুভুমিসিদ মিকুপ'ম পন্থন লৈঙমম্নবগুম তৌরক্লে। থাংঙমদ মৈরিন মুংশাল অনিমক প্রোক প্রোক নৈদুন চাকথংলক্লে। মখোংন পুম মফমদ অমুক পন্থব লৈতন লাক্লে। মহাক্ল লাংচরিব মূর্ত্তিদুগী মাংদ লেম্নরে। চাথোক্লগে মতাঙম তায়বং মপুম্ন শংত্রিক য়েংলকই। তায়বং পুমবু নাওকোমবিরীম ইবুংঙো মহাক্তি মঘোমবু উবদ খোই-রুমতমক মতৌই, খঘোইগী পাওথুমদি পিখিন লৈতে। মহাকপু

উরুব থুদক্ত কায়রব গঙ্গাগী থমোই চাংজা পাখোরকই। খাংব ওয়কত্রে ..পুব....ওয়কত্রে...ঘংনব মিকুপ্ত হিক্ক হিক্ক কপখোরক্লে। চেনশিন্দুনা মখোং থম্লা'নি কোক্লদুনা হায়রকই—"প্রভু! নংদি খোইরুমতমক মতৌই, পাওপুমদি পিবিদ। নমোমগী খাংব ওয়গী পাঙ্গনদি লোইখ্রে। হৌজিকপু নোকপ চংলিব্রনে প্রভু। নোকপ চংদিবনা!"

অঙ্ক ১১

হিন্দান্নান গদাগী মুমদা হংখ্রব মতুংদ খোঁদাক ।। ইনচালিদ তাত্রে। মহাক্কী পাওচুম চনর্গনগী মইথোং অদোব ।।পত্রৌক্তম তাইফের্ব তাত্রে। হিন্দু পুর্পশংদি লাইনগী মমাংদগী ।হনজিনব ।পর্ণগী থ তবল ?ঙম চাকই। মরুমসিন চিরব গভুমসিদ কনান মমায় পাচৌক্কব লৈনখিত্র, পুম্নমক মীগী মরুম মুগ নমোইদু চেৎম নাজিন্দনা শাংব হৌত্রে।

অদুমওইনমক লৈখাতারব আশ্রমসিদ লৈব খুদিংমক হৌজিক্কি পুক্কিং ওনবগুম তৌনরক্কে। নৈহাও লৈতব মফমদ মহৈ-মরোং চুমদে মহৈ মরোং চুমদব মফমদ করম্ থরাইন খাংদুন লৈনিজনি। নুনি ঋশিশিংন অনুক পম্বব তৌদন মফমদু থাদোকভুন লেপ হৌখ্রে। লম্বাইব লম্বাইবীশিং মখোইগী মরক্ত য়াওশিনখ্রে। ভক্তশিং অয়াম্ব মশক উব ফংখিদ্রে। মন্দিরদ মহৌশাগুম হরি-শঙ্কির্তন তৌখিদব কুইরে। আশ্রমগী অকোয়বদ শরিক্কী মখোলন নিঙ্খিদবন লৈপাল লৈপাল ওম্ন অরাবগী ফিজেল হোংখরে। অথাঙ্গদ তাকপদ লৈব ভক্তশিংগী থমোইদ ভগবানগী দর্শনগীদমক ঈংখৌনাংব লৈখিদরে। অকোয়বদ লৈরিব খুঙ্গংগী মীওইশিংন হৈকৎ লৈকৎ তক্লকখিদরে। মরু কোক্রব উপাসগুম মতম অমদ ধর্ম্মগী য়ুম্ফম ওইরম্ব আশ্রম, ওসিদি লৈকংলা ওইরে।

নোংম তায়বং মপুগী কোলাই শক শোনবতন শংসার অপুম্ব নাওশুরিবা মুংশিরম মাগী মিংসেন, ওসিদি পুংমুৎ মুথখ্রে। কৌজং হায়রোগী শান্নফম ওইহৌরে। তাম্বব্দগী লমগী চেক্লাশিংন মানোস সরোবারদ চাক্তারখিদ্রে। মপু পান্দ্রব; থুম্বাক লশিরব, মফমদু উরুব থংনুম মথোইদুন থমোই শোক্লোইদবগী মরমনু ওইরিবরা। মন্দিরগী ব্রাহ্মণশংদ মৈথু খুখিদব কোরৌ শিংবুম য়াম্লক্কে। অদুমওইনমক মানোস সরোবারদি লাইজ চোম্ন লৈরি। শ্রাই য়াওব্রবগুম, মকু হরব হকচাং পোন্নাংদু পুখুন মপা তারব চক্লাগুম্ব মন্দিরগী থোংজিন্দ মৈচাক খাংলিবী প্রিয়ম্বদান আশাকী মুশি মুশিরম মঙাল মমগী মরুম থুম্ন হংলকই —

—চাঃথোইরবী চক্সিয়া, ঐথোইগী ঙাকপিক্ষম থোকত্রব করমম্ব লংজরুবন মরম ওইদুন ভক্তশিং অমত্তুং যোগী ঋষিশিংন আশ্রমবু চসুক ঙ্কায়ু তাখিল্লিবনো ?

—মদু ঐস্নু ওক্সিবনি প্রিয়া। খুঙ্গংগী মীওইশিংন লোম্ন হায়-নব'মদি লৈ।

—করিনো হাইয়ু তাসি— ।

—মদু নহাক তাদ্রিবরা ?

—তৌব ওম্নবী মুপি অনিসিন হরিজনশিংবু পুশিন্দুন আশ্রমবু মাংথোক্লে। মসিন মরম ওইদুন আশ্রমসি লৈখা তারবনি। মরমসিদগী প্রিয়া—মরি পুম্নমক ককথ্রবনি।

—অদুওইরবদি চক্সিয়া, ঐথোই করি তৌসি হায়বগে ? চুমন অসুম লৈথোকপসিনদি করি অফব ওইরক্কনি ?

—করিমুক ব্বাক্কনিংঙাই লৈরিবগে ? চেনকদ্রব মতমসিদ আশ্রমমু থাদোকপদি চুমদ্রে। চিরব থুদোংথিরব মতমদত তায়বং মপুন মীওইববু পরিক্ষা তৌই। অদুন ঐথোই করিওম্ব থরদি তৌসি।

—অদুওইরবদি ভগবানগী সেবাদি কায়কদ্রে। লৈ-শু উহৈ-ব্বাহৈ থরদং থিরক্দুন, কুন্দগী ঈশিংত ওইরবসু মথুয়াদ কৎসি।

—অচুবনু প্রিয়া, পুজারিদি লৈদ্রে। কনান পুজাগী থবক তৌগনি ?

—নং—ঐদি লৈরিদন। অদুবু তঙাইফদন কনানো'মত্তং থাদুন ভাইদাবু কৌহনলুসি। ওসিদি অহানব ওইনা হরিজন্ম ভগবানগী মাংদ লেপহল্লগে। মাগী দর্শনতবু পামজক্লুন হরিজন লখা

লখান হোজংদ ভাইজরিব্বশিংদুবু কৌশিন্দুম ম্নেংহনগে। খংহল্লগে, ইবুংঙো মহাক্তি পুম্নমক্কিনি – করিগী অমুক চিংমরি-বনো? তাঞ্জাসি য়ৌরবদি চেনফংদ্র হায়বদাইনে চাম্বী? খল্লাদু চোংশিন্দুনা লাইবক য়েংব হায়বত্তুরা?

—লাইবক ম্নেংব নত্তে, লাইবক ফরবনি চলিয়া।

—প্রিয়া, লাইবক খিবী চনচলিগী থবাই হকচাংসু মখুয়াদ কখোকখ্রবনি। প্রহাক নংন হায়ব মদুমক মংতৌরগে।

মখা অমুক তারমদন চনচলি নিংঙাইদন চৎংখ্রে। প্রিয়ম-বদান মন্দিরগী অকোয়বপুদ্দ শিৎপ নানব হৌখ্রে। ভহাক্কী তুংদ মন্দিরগী মাংদ মথল মথেলগী শিংঙেল লৈরাংন ভগবানচা লেপ থুদ্দমথে হৈথরাম্ল। অকোয়ব খুঙংদগী হেক্কপ উইহ্ রাহৈতন চৌংখুক বাংন পৈরম্লে। মিক্রুপ থরগী মমুংদ জয়ানন্দ থুংলরে। ভসিদি অহানব ওইন হরিজয় থোংজিন্দ ম্যান্নিব শরিকতু খিংখ্রে। মখুৎমক্ক মন্দিরগী থোংজাও হাংদোকতুনা তায়বং মপুগী মাংদ কয়ারক হন্ন মথুম্না থম্মাল শোক্ক খুরুমখ্রে। চাদ থক্ত থাংলকপতন কংশিল্লবী প্রিয়ম্বদাগী মাইথোং থাজদ অংগনব থমোইগী মমি তাখ্রে। চনচলিন লুচিংদুনা নৌহৌনন তায়বং মপুগী কোলোই মিংলেন শক্ক শোনম হৌংখ্রে। মুংঙাইরব ঈংচেলন থমোই চাংজৌ পাথোক্রবী প্রিয়ম্বদান পুজাগী থৌরম পাংখ্রে। পুজা লোইরবদ নিংশিংনগী ঈরোলচুংদ হন্ন অমুক তাওথরকই –

—কনানো থৌনাফবী নংবু?

—ঐহাক আশ্রমদ চৎলী মীনাইহুবীনি।

— কনি হায়রিংই?

—আশ্রমগী মপু পুম্নমক থম্লমই।

সুপাদুন থাক থাক নোক্লকই। অসুমগী মথা হায়রকই—

—হে! সুপী, নঙী খাদোকউ। কত্রবদি থিরুপ'মগী মচুংদ নংবু থিরংন মচেৎ মচেৎ থোক্ল শেনাইদুন হাংপদ নাচুংবা লৈতবা থুংপুম থুংজরগনি।

—নংগী থম্লকিদ কিদুন খোংফম লেংগদবা সুপিসুদি ঐ নত্তে। হিন্দু সুপিনিংদি শিববু কায়পোৎকুম থল্লি হায়রবসি নহাক খঙব্রা? করায়—মদু নংগুম শাহিংচাবশিংগী মনু নত্তে।

—নপোং কন্দোকখুন কুরিসু কায়বা কংদোই। হে! সুপী, মসিমসু খংজো, ঐগী মাংদা লেপ্পগদবা মী তাঙ্গবংদ মক হায়রি। খংজরা?

—অদুবু ঐদি লেপ্পি নংবু শিংনরি। নরিজা লৈরবদি শগোল মথক্কী অমুক্তং কুমথরকউ।

হায়দুন ডাকুগী সুচিংবদুন শংগ্রিক য়েংলকই। মিৎয়েংদুন হ হাওরি, মিৎয়েংদুন শিংননিংবগী মাপাল হাওরি। অদুম-ওইরমক অহুলাংদমক ময়াইকাইরবা থেক্ল হাওখোংলিবা শগোলগী চুমিগ চেৎন হায়রদুন হাওথরকই—

আশ্রমগী মীনাইহুবী, ঐদি চুমিদ পুং য়াদে।

—চুংআইদ হরানবা! ডাকুমক ওইজরবসু নরাকুহুদি থাগৎ-নিংআইনি। লন-থুম হরানবা থক নত্তুন খাওাংলু হরানবা! নখোইগুম হরানবা মতাশিংবু আশ্রমগী মীনাইহুবীশিংনে তেমন

খক থাদোক্কে হায়কুর নহাক খংব্রা ? নুপীশিংদুমক্কু ভাকপী লুচিংবদি ওইজরে। মতুপুম নাপলগী মপুম্বাইনুন্না, নহাক মীপু মী ওইনা উরে, আশ্রমবু আশ্রম ওইনা খল্লে। চৎহল্লিবগী মমাংদ মসিমদি খংজিনজখো—ঐহাক থুদক্ক নমাইদ থুম্লিব মাইথুমদু মৌথোকপ ওয়ৗনি। অদুবু মমল লৈতব কাম্বদবা লন-থুমদ খোইদাব মীচেন ওইব হরানব মচাশিংবু করিওম্বদ ভন্দ পিদে। মদুগীদমক ঈশ্বর অমা ইচাও চাওন লৈরি। সনা লুপা মণি মুক্তাশিংদু পুক্কখো, মদুদ আশ্রমদ লৈব কনানসু খোইদাব লৈ:ত। অতুবু ঐদি থাজে, নোংমা নহাক লোইদ-নমক ফজব নরমহুৎকীদমক ও-থোংন কপ্পিরগনি। নিংথমদ্রব মৈন খাংভমদন চাক্লকখিগনি। মতম্মদুদ নহাক লনশিংদু পুত্থন মফমসিদ শোইদনমক হনমকখিগনি, অদুগ মখোংদ তুহ্ন হায়ক্তরখিগনি—ঐবু ওাকপিয়ু প্রভু। অরমদি মদু আশ্রমগী অদোংব লমি।

খংহ্নোদন শাহ্লিং চাব মীহুংশি খংদ্রবু শংমান্নগী মুৎপুত্ থুংখ্রি। মাইক্কু মরিরগী ফুল্লিকবক্তন ক্রমেমুর মীনোক্ক মৈশাদ অ.ক্লানব শল্লেন পুরী আশ্রমগী মীনাইহুক্কীদু শাদোলনু লেৎখাই-বীরুবী লৈরাংগুমু লৈমাইদু তাদুনু লোংথোরে। হরা রুমা ফ্লেন্দুন চাপু থুক্ক পাম্রু মপ্তেং তাহন্নপ পুক্রিং [illegible] থমাইগী মন্নব থংম্লাই খুদুম চনগ্রর ব্রহ্মচারি ওইরুব [illegible] [illegible] তাম্রবং মপুম্বী খোম্লাই শক্ক শোনদুন মাংখাইনন ফুমং বাম্বংদ ফ্লেন্দুন লোংথ্রবনি।

চনচলিন রাখলদ তাংরবী মহাকপু কৌরকই—

—প্রিয়া, করিমুক খল্লি ?

—করি থোইদোকপ খল্লব নত্তে চলিয়া।

—অদুদি অমুনব উংহ চাদুন হকচাং তেকখৎহনব ফারে। পাঙল য়াওদন করম্ন থৌরমশিং পাঙনি ? ওসিগ থান মুম্মিৎ ১০নি হৌত্রে, চাদ থক্ত থরাই হকচাং অনিমক মৈয়ুংদ লংশিন্দুন থম্ব। অদুম্ন ভৌদুন থম্নসিবু অচুম্ব ওইগদরনে চান্নবী ?

—ইতা, ঐন খনখি—মন্দিরগী লন-থুম পুম্নমক অককনব মতম খরগী মমুংদ হল্লক্কনি। মরমদি মদু পুম্নমক অশেংব আম্রমগী লম্নি। ধর্ম্ম্বু থাজব ওমদ্রব, নাস্তিকশিংতুন ভগবানগী মাংদ থমোইশেংম চংজরকত্রিব ফাওবদি রাশক অসি ওাকপ তান্নি-মাল্লেনে ইতা।

—প্রিয়া, মদুবু উচি কম্নকতুন মমুম মৈ থাব তারোইদরা ?

—চলিয়া তায়বংসিদ লৈরিব পুম্নমক থাজবদ লাগ্নরিব নত্রা ? থাজবদু লৈত্রবদি ঐখোইবু হিংলুবগী অর্থ লৈরিবরনে ? মহাক্কী খংওমদ্রব খোংচৎত আম্রমবু মৈ থাদোকপিরে। লৈজব অপুম্ব মৈমুংদ লোইন চাকত্রে—লন-থুম...সনা-লুপা ...ইজৎ... থরাই কয়াসু বলিদান তৌখ্রে। অদুবু ঐগী থাজবতুদি লৈহৌরে চলিয়া—; মৈন চাকপ ওমখিদ্রে। লৈকংলা ওইরব মফমসিবু মহাক্ক অনৌব য়েম্নিং হৃৎহনবিরবদি প্রিয়মদা হিংলুবগী অর্থ লৈরিবরনে চলিয়া ?

-প্রিয়া মহাক অদুম্ন হাইগন্নু...অদুম্ন হাইগন্নু... অংগী কাইহল্লিং তারুব খুদক্ত করিগীম্না ঐন তু-চুংলিবদি ? করিগীনো ইস্থাশিন নিক্রুব ! করিগীনো থমোইদি হায়ওমদম অস্তুক ক্লায় ক্লাম্নিবসিন ?

কুইরবগী তুংদ থ:মাইন থ:মাইবু মশক খংলবী চমচালিম অমুক্তসু হয় খংলে, মদুদি খিংলুবগী মতম হেনগ্রে। মহাক্কী অনিংবদ খিংলুব ওম্ব তারবংদ কনাস্তু লৈখিদ্রি। অনিংবসিদ থব্বাই থাখিবস্তু কনান খংউব ওমগনি। পাখংগন খম খেংলবী চনচালিন তুংদ থোক্লব ম্লাব অরাব দশদু উরদুন শিজোইনন প্রিয়ম্বদাবু চেংন কোন্দুন থমগ্রে। অম্রুক থাদোক্লপ লৈখিদ্রে।

আঙ্কক ১২

হিন্দু গুণীশিংগীদি মন্দিরগী চংগদ অথিংব লৈতে। অদুবু মক্ষ্মীদি অথিংবদু লৈ। অথিংবদুমক মহান থমজনবগুম তোই। মুগুদ চেক্লিব অরোম্বা নৈচেক্কদুদি ঐথোইন উরুব ওমল্লে। অতুপ-ওইনমক লমাদি মাশক চেংপি, অথাং কমখিনি হায়ব ময়াই। মহাক্কী মাশক, নিংব কনব, খমোইগী খাংওয়.........পুমমক

মপুন্নোইব ন্নাজগী মক্কমদদি অরেম্বনি, উত্ত ঘি হৈবনি। মতম অমগী মহাক্কী থাজব....মুংশিব...নোংম নোংমগী মরাই চাইথ খিদুন ঙসিদি হুগী ঈপাক্ত তিনখ্রে, থাজদবগী ঈরোলমুংদ লুপখ্রে ন্নারৌখিবন...মুংঙাইখিদবন...মুঙ-পান ওন্নবীনি, থরাই হকচাং ছম শোক্কবীনি।

ঙসিদি মপুন্নোইব লাক্কে। মুমিৎ কয়ানি হৌখ্রবগী তুংদ গঙ্গাগী মুংশি থোংজিন্দ লেপ্লরে। কদায়দ চৎলুব......কন্নি তৌক্কব...কনাগীদ লৈরুব...মহুসু তাক্কে। গঙ্গানসু হংদ্রে। পুম্নমকসিগী তায়শিন্নফম ওইবদি ডাক্টর রাজন গঙ্গাগী মুংশি থোংজিন্দ লেপ্লব মিকুপ্ত মহাক্কী মুংশি মিঙ্গৌদু শিজিন্নদুন অচুম্বব ওইরবসু চুমদবব ওইরবস্থ – "ঐগী চিত্র, ঐহাক লাক্লে" অসিথক্কে হায়ষিরম্লবদি গঙ্গান কয়াম কুইন শাওদুন লৈব ঙমগনি। মহাক্কী থমোই লকাদ চাকতুন লৈরিব পেন্দব মুংঙাইজদব অশাওবগী ফাঙমদ্রব ঈহৌ পুম্নমক মিকুপ্ত লুপখিদুন মাংলমগদবনি। পেনজদ্রব ময়ামতুগীদমক চুম্নত ওইনজারিব গঙ্গাবু হকথি থোক্ক ডাক্টর রাজন শাওরিবসিগী মরম্ন করিনো" মদুস্থ থংদে। করম্ন হিন্দু তুপিন মপুন্নোইবগী শিব ম্নাব লংজবশিংবু ঙাকপিখিদব ম্নাওবগে। ঙসিদি চৎনরোম্নদুন তামখ্রবস্ত কুইনগী মমাংদ মপু-ন্নোইব শেংনম্নবী হিন্দু তুপি কম্নান মপুরোইবগী চীতাথক্ত নোক্ক নোক্ক কাখৎতুন থরাইবু শামপোৎকুমন থম্নখিবী পুন্সি কম্নাগী ব্রহ্মী পৃথিবীগী ইতিহাসত সনাগী কান্নিন ইদুন লৈব্রি। গঙ্গান ঙইনজবদ করিবু 'কাম্নব লৈখ্রগে? মমাংদগী চালুক মুনবিখ্রবী

গসানি। অপোকপ মপামক্কী শংঙ্কার য়াওখিল্লবনি। পুন্সিগী ওইন লৈজরম্ব থাজ্রব অপুম্ব মাংখ্রবীনি। মহাক্কু মৈচাক্কশিংসি খাংদুন ঙসি ফাওব লৈরক্লিব করিগীনো? মরমসিদ রাগী রা চুম্ব ঙাংনবদ গঙ্গান লৈদুন চেনগদব করিস্তু লৈ:ত। নোংমগী চাব থকপ লোইরব মতুংদ থমোইবু চেৎন ফাথদুন গঙ্গান হায়জরকই—

–ঙসিদি ঐবু আশ্রমদ পুবিয়ু। ঐহাক মন্দিরদ চঙ্চনিংই।

—নহাক চৎপ য়াদে।

—মরম করিগীনো?

–মদু ঐঙোন্দ হঙ্গনু।

মমিৎ-মনা শংদোকতুন ডাক্টর রাজন খুমখি। মরাল লৈরব মীওই খুদিংমক মহাগী মরাল কুপখৎনব হোৎনবদ মহৌশাদগী অরানব মখল কয়াদগী মতেং লৌনরকই। ওইদব .. লৌনম... অয়াকপ রাঙাং শিজিন্নবদ হালেংব লৈতে। চিংনব পোকতে। করি করিগুম্বদ মংখাইসিন পুন্সি কয়াবু লৈখা তাহল্লি, থুবামন্নুংদ নৈহৎতুন উৎ ওলহল্লি। মদুমক ডাক্টর রাজদ থোক্লরে। মহাগী পুংঙাইনব হোৎনবদ ইজং য়াওদ্রবী, লৈখা তারবী কয়াগী মফমদ মন-থুম খক্ত নভন পুন্সি .. থরাই....হকচাং...মতম...হালেংব লৈত য়োম্লেকনুর। হৌজিক মদু পুম্নমক কুপখৎনব গঙ্গাবু মরাল লৈত্ত মরাল পিশিন্দুন খুঙ্গোইনব পাম্লিবরা? গঙ্গাবু ত:শংনমক চৈহৎপ....শুদৎপ .. নৈহৎপন...মহাগী মরালদুবু কোকচব ঙম্লগদ্রা? ঐতদি মদুদ থাজব মঙমদ্রে।

মুংশি মিঙৌ ফংজদ্রবী, চাম্ন মিনেক্কী কান্নব লৈত্রবী ওঙ্গা, মপুরোইবন চৎকদব মাংদ খৎলদুন অমুকসু হংজরবই —

—মরম করিগীনো মন্দির চৎপ থিংখিল্লীবসিবু ?

—নংগী আশ্রমদু অশ্রম নত্ত্রে, নংগী মন্দিরতু মন্দির নত্তে। লৈংথা তারবী, জাৎ তারবী লমগী শাশিংগী লৈফম্মনি, ওক্তবিশিংগী শান্নফমনি খংলবরা ? পাপ চেল্লব হুরানবশিংগী লৌমম লাং থাকফমতুবু ঐন আশ্রম ওইন লৌগদরা ? ঐগী থাজব মফম-তুদ লৈতে, মরমতুন নহাক চৎপ য়াদে।

—ঐহাকপু খুৎশমনতুন পুথিল্লু। নহাক য়াওরবদি চিংনব পুমনমক কোক্লেদন। অস্তুক বুইরব মতমসি নয়াথংতবু ওাইদুন লৈদ্র-রক্লবনি। তাখিক্লম্‌গ্ন য়ারে—অপোকপ ইপাইবুংওোসু লৈখিদ্রে ওসিন লৈখিদ্রব মহাক্কীদমক্ক তায়বং মপুদ ওমজব হৈকৎ লৈকৎ তমগদব মুমিংনি। নয়াথং ফংজদবদে ইপাদুগী পোৎ-লোইব ফাওব য়াওখিদ্রবনি। ঈপাম লমদমগী মরূপ-মপাং... ইচে-ইনেম... ইবুং-ইপৌৱাশিংগী মমাংদ নহাকপু ইপুরোইবনি খন্ন লেন্নজনিংলিব থমোই, চাওথোকচনিংলিব ঐগী পুক্লিংগী অপান্নতু থুংহনবিযু।

—মদু ওইথোকপ য়ারোই।

—করিগী ওইথোকপ য়ারোইদৌরিবনো ? মসিবু তাব্রবংগী লোনচৎ নত্রবরা ? ওসিফাওবদ নফমদগী করিমত্ত নিজখিদ্রি। মসিথক নত্তন অতোপ্প অমা নিজনিংওাইস্থ লৈজদে। ঐন নখোং থম্মালনি কোন্দুন ফিগাও শান হায়জরি নফমদগী ফংফম

থোকপন্দুনক্তু ঐঃভাল পীনবিয়ু। ঐবু ইপাদুগী হৈকং লৈকং ফাওবতদি মাওহনবিবু। মতুংশিদ, মফমদুদ চৎনবগী লাক্ম পুন্সিদ অমুক হন্ন পনজররোই। ঐগীদি নহাক থবাইনি, হকচাংনি, ঈষরনি, পুম্নমকনি—। ঐহাক কনাবু খংজদে কনাবু উজদে। নহাক্কী মুংশি ঈপাক্ত হৈনিংতমন ইন্নোইদুন শান্নজবী গন্নানি। মদুসু নহাক তম্নীথিব নত্রা? ঐসিবু নহাক্কী কনানো? করিগী পাওগুম শিবিদ্রিবনো? ঐসিবু নহাক্কী মুমুরেপ্পী নত্রবরা?

- ওইরম্মী হৌজিক্তি নত্রে।

— করি ..করি ..করি হায়ব! করিনা তাকপিন্নিবহুদু?

মসিদ হন্ননিংগ্রাই করিমুক লৈরি? করিমুক তাক্লিংঙাই লৈরি? নহাক্ক হৌজিকফাওব মুমসি থাদোকতুন চৎনমদ্রিব করিগীনো? মাখংদগী নমচৎ নইদবীসি মুমদগী মওক মাতুন ইন্নোকখো। কদায়দ চৎক্লে—মুনিরাম....মুনিরাম...।

—নত্তে ...নত্তে ...মদুঅদি তাকপিদনু। ঐদি নথুম্নাদ চংজরক্কবীনি, ননাইগী ননাইনি। মপোকসিমগী ইপামদ খোঙুল ফাক্কবহু হাম্নরবসু ঐহাক মাজন্নে। মন্দিরদ চৎনহু থিংবীবদু পুন্সিগী ওইন চচ্চররোই। ঐবু অমুক হন্ন ইন্নোকপিব তৌবীগনু। মপুন্নোইবন ইন্নোকপিরব করম্ন মুপীওইবীশিংন্ন মৈগুম্ন শারব তাম্নবং ফম্নাকসিদ মিকুপ'ম থাংহুন লৈব ওমগনি। ঐদি তোঙ্গবী ননাইগুবীনি, নংন হায়বদুত ইন্দুন লাক্কবীনি। নঙ্গাশং ফংজদবাম ওসি ফাওব থাংদুন লৈজরিবীনি।

— হৌজিক্তি ঙ্খাথং ফংলেদন। নহাক চৎপ ঙ্খায়গনি।

— মঃদা ঐঙোন্দ তাকপীগনু, ঐহাক মফমসি থাদোকতুন মপোক-
সিমগী চৎপ ঙম্লাই। হিন্দু মুপীশিংগীদি মপুরোইবনা লৈব
মফমদু আশ্রমনি....মন্দিরনি...পুম্নমক্কি। মফমসিদ শিজব ঙম্ম
থৌনাদু ঐঙোন্দ পিনবিয়ু!

গঙ্গান হায়জরিব অদুক্কী মথং ডাক্টর রাজগী শাওব অসুম
অসুম হেনগৎখ্রে! হয় হয় কৌরকই – মুনিরাম...রামু....গোপী...
পুম্নমক মাংদ লেপ্পরে। "—লমচৎ নাইদবীসিবু মঙক লাকতুন
ইস্নোকখ্রো" হুকুম তাওথরকই। অদুবু লাইবকথিবনি, ঙসিদি
মবুংঙোগী হুকুম কনানসু থৌনাফমন ইনব ঙমখিদ্রে। মখোই
পুম্নমক মঙক কেনখ্রব লানমীগুম, থব্রাই য়াওদ্রব উয়ুঙ্নুম লেপতুন
অদুমক লৈংগ্রে। মদু উবদ অপায় কল্লকপন থুমহৎখ্রব ডাক্টর
রাজ, মনুংহুনজিনব ধমোইগী সুংশি ঈচেলদুদি উব ঙমখিদ্রে।
থোইদোক্ক মংঙাম্ব লকবগুম থোকখ্রে। চোংশিন্দুন গঙ্গাবু
শগল পায়দুন চিংখৎলে, খুনুখ্রংন তুহৎপিরব উঃচক্কুম গঙ্গাবু হাইহৎপ
হৌরক্কে। উপায় লৈজদ্রবীদুন অরেব পাঙ্গল পুথোকতুন
উঃখাংদ .. ফক্লাংদ....উপ্পদ . থোংবাদ...লৈরম লৈরম্ব পোৎকী মঃতং
লৌনব পাম্মদুন য়াম্নুন হোৎনজে। মদুপুমনমক অরেম্ব তাখ্রে—।
মাঃমথংদদি মীমুংশি য়াওদ্রব, থৌজালগী ঈশ্বিক'মত পকত্রব
ডাক্টর রাজন ফ্রাদ ফরা লংথোকপগুম থোংজাও রাংমদ লাকতুন
ইঃস্থারক্রে। পুঙমদ্রব শাফুবুবু ঙাকচব ঙমজদ্রবী গঙ্গাগী মাই-
য়োক্তা ফক্লাংগী কল্লব মুংজাঙশিং ফাওব য়াওন মবুংঙোগী

মিচং চংখ্রে। হৌরব খোঞ্জেল'ম লাওরম্নগ গল্লা লৈমাইথক্ত তপ্প রাম্বখ্রে। লাইবক্তগী চেম্বরক্তিঃ অভাংব ঈগী মচুন ডাক্টর রাজগী নাম্নব মার্বলগী লৈমাইদ তপ্প তপ্প অনৌব মচু শংব হৌখ্রে। অদুমওইনমক ডাক্টর রাজনদি মদুবু উবীব লৈখিদ্রে। পুল্সিগী ওইন থোংজাওদু কলক পেম্ন লোনশিন্দুন হুম্ন ক্ষাওব ম্লেংলমদ মথক্কী কাদ খোংথাং লাওন লাওন কান্দুন চৎখ্রে। অমুক হাংদোকপ লৈখিদ্রে।

মথক থংব কাদগী ঢাওরম্ব যুমজাওত্তুগী মফম খুদিং তানব ডাক্টর রাজন খোঞ্জেল হৌন লাওরমই—"হুরান .. লৌনম্ন...... ডাকুশিংন... ....অরোনব শক্লোন পুদুন ধর্ম্ম লৈত্রবী বেশ্যাশিংগ লোনদিম্নদুন মাংথোক্কব মফমদুবু আগ্রমলা ? চিরোল হৈবী মাওন্দীন চৎনরোলদু মফমসিদ পুশিল্লকপ থক য়ারোই। তাও নখোই পুম্নমক, যুমসিদ ওক্তবীসিবু কনামক্তন চংহনব য়ারোই।"

থোংজাওদুগী রাংমদ লাইবকথিবীদু হৌজিক ড়ান তারক্লি। অমুক থিন্থব তৌদন থোংবাদ খুৎতুমন ম্নেদুন লাও-খোংলত্তুন হায়জরি—"চৈবিয়ু....ভাংবিয়ু ...মত্তুদ ঐন রারেৌজব করিসু লৈজদে। ঐবু ইন্থোকপিগদু... ঐগী চংজকম লৈজদে.......ঐবু কনবিয়ু......... ঐবু লৌশিনবিয়ু..........ঐদি নথুয়াদ চংজরক্লগী ননাইকুবীনি।"

অচুম্ববু ওইরবসু চুমদববু ওইরবসু য়ুমদুদ লৈব কনান যুম্নরেম্বগী ক্লাথং হিক্রোকপ ঙমগনি। উপায় লৈজদ্রব কাংবুশিংগীদি অচুম অরানগী রাফম থুদিংমক তাম্নবং মপুদ ইন্থোকপ হায়বসিদি

মহৌশানি। হৌজিক্কি, উপায় লৈজদ্রবী গঙ্গা মুমজাওতুগী মাইকৈ মখিদ কোইচেল চেন্নহুন "মুনিরাম... রামু .. গোপি . চমপ ...... সুর্ণলতা .. .. থোং হাংউ, থোং অমুক্ত হাংউ।" মিংশেলগী থোংনাও রাংমদ লেপ্লহুন হম হন্ন কপচরমই। থোংবাদ কয়াৱক হন্ন খিন্দুন মরাম লৈজদ্রবী মুমকোইবীশিংগী থমোইবু মচেৎ মচেৎ থোক্ত থুগাইরমই। অদুবু ইমুংদ লৈব কনানসু মহাক্কী শোক্লব থমোইনুংগী মরাদুবু থৌনাফন ইকায়খুম্নব উৎপ ওমখিদ্রে। লাওব মখৈ লাওরম্লগ মমৈথংদ চোকথরব হকচাংদু শুপত্রেক নাত্রেক হন্দোক্লব লুখাক্লাওম পুংজা কয়া লৈমাইদ তাদুন লৈগ্লে।

ওসিদি মপুরোইবন, ধর্ম্মগী খুাইদগী শেংলব অম্লাংব থাক্কী জন্মাশিংন জ্ঞান .পুন্য – অরান-খুবম তায়কগ ওইরব মংগ্লমবু মাংথোকপিরে। মাবুসু মীম্লাম মাংদ শুসোইনবিরে। মুপী-ওইবিগী সতি ধর্ম্মদ অমুব কালি তৈশিনবিরে। মহাক অদা জাতে কনাসু নত্তে, গঙ্গাগী মপুরোইবনি। রাজ্যমশিংথক্তুন গঙ্গাগী থমোই য়ৌন শোকপ্লে। তায়বং মরুভুমিসিদ মিকুপ'ম থিস্লন হিংনিংদবগুম তৌরক্লে। হিন্দু শুপিশিংদি মপুরোইববু মতমচুপ্পদ ঈশ্বরমক্তি খন্ন ঈরাওচৈ – মখোইগী মমল নাইদ্রব মরা শুদিংমক ঈশ্বরমক্কী রাখংনি থনজে। মপুরোইবগী মায়োক্ত লেপ্প, মখোইন হায়ব ইন্দবদি ওাকপিনিংঙাই লৈত্রব লংজবনি। অদুম্লু ওসিগী থেংলব পুন্সিগী খোংক্রমসিদ লংজব্লিবশিংদু কনানো হায়বদুদি ঈশ্বর মাতম মখংলিনি। মদুগী চৈরাক ইবুংগো মহাক্ত পিরোই-দবগী মরম লৈতে। মমৈথংদ কান্নদ্রে খন্ন পুন্সিগী আশা পুম্নমক

থাপোক্লে, মমল য়াওব্রব হকচাং পোক্লাংদু পুদুনা নিংব কাইন ডক্টর রাজকুমারী মিৎয়েং য়াংখদা চৎথরে। অমুক থিব ফংখিদ্রে।

তাক্কক ১৩

নিংব কায়রবী মপুরোইবন ইস্তোকপীরবী গঙ্গা, অঙাও-বীগুম্ন রাখল য়াওদ পল্ত ংফম থংদন চৎপমাখ চৎলুরব মতুংদ মায়থংদ চনচলিগী থোংজিন্দ থুংলরে। মফমদুদ তান য়াওদ রাস্থদুন অদুমক লৈরে। থাংপোক্কী থোংদি লোম্নখিব কুইরে। তুমথুল তানখিবত ওায়নরিব কনানসু লাইবক থিবীদুবু থংবী উবীখিদ্রে। নোং ওানগদব য়ুথক থরতমক মওাইরে থম্ন চনচলিন য়াহৌরকপদ মহাকপু থেংনরুরে।—শকথংদবী অমা তুদুন লৈরে থম্ন চংশিন্দুন য়েংলুবদ থংলে—গঙ্গানি। মফম মতম চাদ তৌরম্লিব মওংতু উরুবদ হেন্ন লাংতরুব পোক্লবী চনচলিন অমুক পম্বব তৌদন ইমুংদ পুশল্লে, লাইকম্নব হৌরক্লে। ইংথরুরব মথোং

শাগৎলক্লে, মিহুলগী খোংজেল চুম্লক্লে। লৎলুরব মর মুইরক্লে। অরান চৈথেংশিংগী শোক্লব থম্মোইদ ফংখিব চৈনাদুগী নাহে খোঙ্জেল তাব ফংলক্লে। চোকথরব হকচাং কনখৎনব মখল কয়াগী উইহ শুমদুন পিথক্লে। হৌজিক্তি গঙ্গা.—নিংঙাইদনা তুমখুল তান্দুন লৈক্লে।

নোং ঙাল্লব মতমদদি গঙ্গা জান লাক্লে। করমতৌনা মফমদুদ ম্য়ৌরকপ, কদায়ফাওব চৎলুরব—মদুসু নিংশিংব ঙমত্রে হৌখিব পুন্সিগী ৱারিদ হেন্না শোক্লবীদু থাংঙমদ মৈচাক্ল থুমকৎ-লকতুন হিক্ল হিক্ল কপপ্ৎলক্লে। খোঙ্জেলতু তাবদ চনচলিন —অঙাওবী নংন তৌরিবসি করিনো? মফম মরাং থংদ মতম চাদন লাক্লিব করিগীনো? নুমদ থিনরক্লোইদরা? কপকপ্লসে কৈদৌন কপকদৌরিবনো? পাও অমত্তুং থাখিনব তৌসিরা? —চলিম্মা, কনাদ থাগদৌরিব পাওনো? —তুমদ, ডাক্টর ববুদ। নত্ত্বে, নংবু নুমদগী করম লাকপনো? থৎন-চৈনরকপগ ম্যাওবরা?

গঙ্গান পাওথুম অমত্তু পিদরে। কপতুন অদুমক লৈথরে। মতু উবদ হংনিংব কয়া লৈদুনসু চনচলিন মতম চাত্রে থল্লদুন নাথেদুন ঙাংলকই—

গঙ্গ, হৌজিক কপলুদুন করি কাম্নগনি। থম্মোই ল ইমল ওইমবনি। হৌনৎলা—নছা শেংদোক্লরো, মন্দির চৎনব তৌসি।
—মন্দির চৎনবগী আশা লোইখ্রে চলিম্মা। হৌজিক গঙ্গা হিং-লুবগী অথ লৈত্রে। ঐহাক মানোস সরোবারদ চোংখদুন থরাইসে থাক্লরগে।

—করিগী শিগদৌরিবনো ? মরমচুতদি থংহনখোদন ?

গম্ভান থমোই ফুরু পুক্নিংগী মুংঙাইতব পুম্নমক তম্লকই—

—করিবু ওইফম থোকপগনে চলিয়া। ইপুরোইবন ইশ্লোক-পীরবী লৈখা তারবীনি ঐদি। থাজবীব লৈত্রবী ঐগী পুন্সিসি হিংলুবগী তোংজব'ম লৈখিগদরা ? মসিদগী হেন্না চাওব পাপ অমা তায়বংদ লৈরিবরনে চলিয়া ? মাংথোকপিরব, হিংজরু-নবগী মরি অপুন্ন ককথৎপিরব ঐন সমাজসিদ করমন থাই উৎলুখিগনি ? ঐগী অমত্ত ঙাইরব উপায় হায়ববু শিন্ন ! অসি নত্তব লম্বী অমা লৈরিবরনে চলিয়া ?

—উম, লৈ। চনচলিন ইচম চম্ন থুম্লকই।

—অদুদি হাইয়ু করি উপায়নো ?

—থরাই ম্নাওপ্রবী লাইফদিবীশিংদ অনৌব থরাই হাপ্নব উপায়দুন।

—করিনো নংন হায়রিবদুবো চলিয়া ?

—গঙ্গে, মহাক শিন্ন ওকয়া য়াদে,—মহাক শিন্ন য়াদে।

করিগীনো নহাক্ত অজুক য়াম্ন শিনিংলিব ?

—সমাজসিন হক্কব মিয়েং থম্নকপদু ঐ খাংজুন লৈব ঙম্লোইনে চলিয়া।

—মদুদি পাংদব মীচুগী য়ানি।

—ঐন শিম্রবদি মহাক্কী অনিংবদু—। গঙ্গাগী চরম ফুনগৎ-লকই ফোংদোকপ ঙম্লক্তে।

নহাক্ত শিরগ পুম্নমক য়াইফরগনি হ য়বদি করম্ন থংই ?

ঋাহংসিমদি গঙ্গান থৌনাফন থুম্ব ঙমঃদ্র। চিংনব'ম লৈবগুম থাজবদ ঋাবগুম পুক্নিংগী অরেম্ব ঋদু ফোংঙমদ্রে। খোংলৌদুন অদুমক লৈরে।

—গঙ্গে, অম্মাঘাট তৌবদি, অচৌব পাপনি অচৌব লংজবনি। মিৎয়েং অমরোমদ মদু মীকিথি, পাংদব, থমোইশোনব মীচেৎগী ঋানি। নোংম শোইদন শিরগদব মীওইবনি। শিববু হেন্ন খোইদারুব পামশিন্নবগী অর্থ করিনো? মতুদি থমোই লেপত্রিব জ্ঞান ঋাওদ্রিব নব্রা শিন্দমলৈমশিংন খনগদব ঋাথলনি নমথাক তৌব...থমোই ম্লাওদব..ঐ অমসুং শদোংতগী মহাওদ লুপতুন লৈব মীতম্বাশিংনা মুপীবু করি ওইন থাম্ল—মদু নহাক খংলবরা? মমল ঋাওদ্রব শান্নপোৎকুম্ন..! লৈবাক অমগী সজ্যাতা মশক খংগে হায়রবদি লৈবাকতুগী মুপীশিংদ থম্রিঞ ব্যবহারতুন মশক তাক্কদবনি। ঐহাক ডাক্টর রাজগী লমচৎ নংন ফোংদোকত্রবসু মাংজোনন খংজ্রবনি। মহাক হৌজিক মী নত্রে। ধর্ম্মবু উশিৎতব, সতি ধর্ম্মবু মাংথোক্নব লাক্নরিব লৌনম মহাক্কুম্বগী লিচৎপু তেনজৈগুম্ন চুমথোক্কে খল্লব, থমোই-মুঙগী অসেংব মুংশিববু মশক খংগে নিংলবদি পুন্সিবু মমল ঋাওদ খামুথক্ত মাংহনবন থক ওইব ঋারোই। মথোইগুম্ন মুপাগী জাৎসি উরুবদ মরাল লৈজদ্রব থমোইসি মৈথকত ঙৌতুন ব্রহ্মচারি ওইদুন অসেংব মুংশিববু থিরক্লিবনি। পাপ পুন্য খেংদন অচুম্ব লম্বীতু খংদন নিংব খজিক কায়বগীদমক শিদোকপ তারব, মতুনবু অশেংব মঙালদু ফুদোকহনব ঙমগদ্রা?

মখোইগুম্ব শাহিংচাবশিংবু ব্রারক্ত থব্লিব মীশিংদুগী মফমদদি শিবন অশেংব পান্দম নত্তে। ব্রাথলদু করিগী অদুক ফক-চিল্লিবনো গঙ্গে? নোংমগী ঈশিং খুজোক থরত ওইরবসু, লৈরাং লৈমা থরত ওইরবস্তু তাম্নবং মপুদ কৎনিংবগী ঈথিল খজিক ফাওব লৈত্রব্রা? পাপ চেল্লব নখুৎতুন মন্দিরগী শরিকতু অমুক ফাওব খিংলরোইদ্রা? কুন্দগী ঈশিংন নহাদু শেংদোক্লগ থ:মাইগী ব্রাকংশিংতু ভগবানগী মাংদ ফোংলরোইদ্রা? নংগী অশেংব মুংশিবন পুন্দুন, নংগী অমকপ লৈত্রব সতি ধর্ম্মন মরাম লৈরবশিংদুবু চিংতুন পুরক্লগ মন্দিরসিগী মাংদ মঙক নোমহনব ওম্ব্রারোইদরা? অদুওইরবদি নংগী ধর্ম্ম......নংগী মুংশিব....নংগী সতি...পুম্নমক মিনম্বনি। ঈশ্বর মাসু মিনম্বনি গঙ্গে – নহাক অসতিনি,... নহাক ওক্তবীনি— ।

-- চলিয়া – !

- থ:মোই খুতুম চনব ওমদবী, পুক্লিংগী অনিংবতন হুমদুন পুবী, অপাম কল্লক মিহৌ লাংদ থুরবী মুপীশিংদুগী চৎমবীতুদি, ঐদি আশ্রমদ পুশিনজনিংদে। নহাক্কী খোইরি নাওফুম আশ্রগগী লৈমাইদ তাখিব নত্রা? নহাকপু আশ্রমগী মহৈ-মরোংন চাওরকপী গঙ্গাদু নত্রবরা? মতম খজিক সমাজগ শমনরুবদ পুন থুদিংমক ময়েং তাত্রবরা? হে! ঈশ্বর, নহাকপু কদাইদ লৈত্রবগে? নংগী তায়বংপানসিবু কনবিয়ু....নংগী ফজবশিংবু কনবীয়ু...গঙ্গাবু কনবীয়ু...। মাওস্ব ডাক্টর, মী....শা...ভা... থরথক্কী লেনব থদৎপ তমলুব হুরদুন তায়বংসিদ অথোইবনি

মমজারিব সুংশিনফম ওইরম্ব রাখলদুবু ঐখোইন ইকায়খুম্নফম খোকপরা ? ডাক্তরনদু কদি মংগদৌরিবনা ? ডাক্তর হায়রব সিনফমসিদি পিক্রব থম্মগী মশা অমত্তানিনে ইতা। মংসু কুহা মমুংদ লৈরকবন রাখল য়াওঃগ্র। ঐগী রাহে থরসিন চুপি-ওইবীশিংগী ফিদম্নফম ওইব মপুরোইবদ থম্ব লমচৎ খুদিং-মকপু পুম্মাং মাংহনখ্রো হায়জবগী রা নঃত্তে। হিন্দু চুপিশিংদি অমমদ হেন্ন থাজে...পাংথোক চান্দে.......থবক খুদিংদ মওম শান্দে...মিছাবু মহান মথমত খোকওমগ্রব থৌরিন পুনশিজে . মওক্ত ফাসিগী থৌরী কুঙ্গোই হুকচিমজে। চহি লিশিং কয়া কাচিন্দ মমশিন্দুন থম্নকপন....চারোল শুরোল কয়ামসু চাক-শংগী খাবে... চেগপ .... ওমজিৎ...পামদুন লৈরকখিবন হেন্ন থমোই পিকশিন্ন. রাখলগী মওাল ফুঃদোক্নে। মদুদ নঙ্গুষী জ্ঞান কয়ান তুংনফম ওইরবী.. আশ্রমগী লৈমাইসিদ চাওরফপী থম্মদ শিক্ষা ফংলবী অমন হৌজিক ফাওবদ অমম্ব মাইকৈপ খোং থাংজিন্ন, অমম্বদ থাজিন্ন। চজে,—মুপী ওইজরবসু ঐখোইসিবু মী নত্রবরঃন? অচুম অল্লান থনব ওপ্বগী রাখল য়াওগ্রবরনে?

মখৌ মরুব চনচাজিগী ড.ওাং তারুম্ব খুদক্ত গঙ্গাজী থমোই অতিয়াদ পাত্রম্ব লৈচিল নোংফাই ওম্ন পুমহাং হাংখ্রে। লমাং নরুব হিঙ্গোশিংন প্রশতয়া ওবদ সুংজাইজবওম, কোরৌন মশেক মওাল কুদোরকপদ খাজেম লৈমম অরা মৈশা কোকচবওম, নুংওাইতব চম্মুম ওম্ন চৎখ্রে। মহা অপুম্ব তয়াং তয়াংখ্রে। অরঃ

অনা কোক্কব শাংলব মরু অমতুং হৌরম অতুংদ মথা তান খঙ্গুরকই—"পুন্সিগী নুরুম খোংকোম কয়া হৌরে,—হৌজিককি শাহিদগী থুদোংখিনিংঙাই ওইরম মফমদুদ ঙমখুংজদে। খোংফম অমত্তুং শোইখিবদ পুন্সিসি নারক্ত অসুম্মক তাঞ্জদবনি। চান-বিদুম ঈশ্বরন ঐবু মফমসিদ পুন্সিনবিরাক্লে। মসিবু মাইয়োক্কদন চেনখ তাক্কদি চনচলিন ঐবু পাংদবীমি হায়রিবগি অচুম্ব ওইরগনি।

চনচলিন মথা তারকই—

—চৎলো, ইরু মাইথক্কলো। মন্দিরদা চৎপি—তক্ক লিশিং কয়াগ লোইনন প্রিয়ম্বদান ঐখোইবু তাইদুন লৈরগনি।

মথা অমুক তারকম লৈতম গঙ্গা লেপথবলক্লে—। অনৌব পাম্নল .. অংমীব থোনা...অথৌব লিংজেল....অমমুং অনৌও আশান হকচাং কয়াক্ত শিনথ থুংব্রে। থম্বাই হকচাং মতামক থমোইগী শেম্পাক্ত হাপতুন মথুম্না থম্বাজদ কক্তখিবনি। হৌজিক্তি মীম নাম্ন লৌবীরে...ওক্কবীনি হায়ন মরাল শিদুন খুজোইনবীরে.... অদুদ শাক্লমিংব মরিক্ত লেংতে। অদাগী থমোইদ খ্বাইদগী শেমজপ্রবদি অত্তি ধর্ম্মবু মিন্নাইবী, আত্মাবু মাংহোক্কপ, তকখাবীবু বীরনাজ তৌবদুনি। মদুবুদি কনামত্তু তাকপিথ তাল্লাই। হৌজিক্ক্তি, পুন্সিগী তৌফমথোকপদু তৌদুন ইছাগী ইজৎ ..ইছাগী ধর্ম্ম.... ...অমমুং ওসিগী সমাজসিদ লৈরোল চনম্রব মুপীওইবীশিংগী কনফম থোকপ মফমত্তু চাওন কল্লগে। থৌরমসি পাংথদ ঐখোই পুম্নমক্তী চাওরব থৌদাং লৈ। মসিদ থরাইসি কৎলগে।

অচুদগী চনচনি য়েংদুন হায়রকই—

—চনিয়া নংসি কয়াদ লাইবক ফরবনো ?

— অমুক ৱাওখৎলক্লবরা ? করিনো নংবু থাসি থানৌ খুদিং অহৌব নাইরা ?

—ৱাওদে চনিয়া। হৈ-শিংবী নংগী রাৱাং তারুব খুদক্কু কে'ক-ভমদ্রব লাইখুং অমদি পক্কে। নঙ্গুমু তায়বং কনাগী মীরা মৈশা নংদনব লম্বোইবী ওইন লৈজরম্মবদি ঐস্ হেন্ন রাংব থাক্কী জান ফংজরম্মগনি, ঈশ্বরগী নাক্কু হেন্ন নকশিনজরমগনি।

—গঙ্গ. লম্বোইবগী রাশিদি পুক্কিং অমসুং থমোইগী রানি। মফম অমসুং মতম্ম মশক তাক্কদব নত্তে।

পাওখুমদুন ওইরমালে, গঙ্গাগী থমোইমুংদ মখোল থোক্কব ঈশৈ হেন্ন হৌন শক্কৎলকই। থরাইন নোংমদোল অতিয়াদ লৈ-লৈঙ্কুন মনিং তম্ম পায়খৎলকই। মুঙ-পাল ফাওন মুংৱাইরকই। চিনবান্দ মোমোন মিনোক'ম লৈতেংদুন—

—লম্বোইবী, চৎলু চৎসি মন্দিরদ।

চনচলিন শংব্রিক য়েংলকই—অদুদগী চংশিল্লকতুন গঙ্গাবু চেজেৎ কোল্লরে। অনৌব শাথেক্ক মখোই অনি মন্দিরগীদমক শেম-শাধ হৌত্রে। অমুক পক্কব তৌখিত্রে।

তাঙ্কক ১৪

গঙ্গা অমসুং চনচলি শেম শাব লোইরদুনা মথুক্ত পুজাগী হৈরাং লৈরাং পুরদুনা প্রিয়ম্বদাগী থোংজিন্দ লেপ্লে। চনচলিন হয় হয় কৌরকই—

—প্রিয়া...প্রিয়া...তারিবরা ?

প্রিয়ম্বদান য়েংলকপদা উরে চনচলিনি। মতম কুইনা উমথি-দ্রবী মতাক্তোই গঙ্গা য়াওরকপদু উবদ হেয় থযোই নৌথোকয়ে।

—চায়বী, নখোই অনি উবদ তপথদরে ঐগী থরাইসে। চংলকউ লাও, কন্নরাও কৈদৌরবগে ? নখোইনা ঐসিবু কনা ওইনা খল্লবগে ?

—নহাক নহা য়াম্ন শোক্ক উরে। . করিগীনো ময়াং অসুক য়াম্ন কংলিবগিন প্রিয়া ?

—অক্কে, মসি ঐগী পামজবদুনি।

—নহাক ওসিদি মন্দির চৎলরোইদ্রা ?

—চলিয়া, ঐহাক য়াম্ন চোকথরে, ওসিদি লেপগে। থায় অসুমক থুক্কমজরগে।

অচুম্বনি, প্রিয়ম্বদা ওসিদি য়ৌন চোকখরে। অনিংবন পুন্দুন ব্রত তৌবদ হেনবা ওইরবা, অয়াম খুবম তানবদ পুক্নি কংথাক্লবী-শিংদদি মদি করিস্নু ওইদে। যুমিৎ কয়ানি চুপ্প চৎলা হেনগ্রে। ভগবানগী চর্ণমৃত্ত নত্তুন উটে হাহে অথুম অহাও অমত্ত লৈতোন্দ থাদখিগ্রে।

—প্রিয়া, নংবু উপ্পজনিংবতন ইখোঙাংলব, মহাত্মা দর্শনগীদমক লাকচরিব হরিজন চা কয়ান মন্দিরগী থোংজিন্দ নহাকপু ওইদুন লৈরি। মখোইদুবু চৎহনখরো হায়ৌবরা?

—ইতা, করিগী অদুক্কী উহঁ তহৌরিবনো? মখোই নিন থজিক শোঁগংপিরমঙি তৌরিবা প্রেমভিদাগী শাঙ্গজদি হনব লৈতে হায়রব নহাক [illegible] নত্রা? ঐগী ঈ শদোং থরাই হকচাং অপুম্ব মখোইশীনি। মখোইগী মোমোম ঝীনোক্রবু উজনিংবতন [illegible] ঐগী থমোইনি। চৎজসি হৌজিকমক, ঐহাক [illegible] উমদীখ য়াদে। তাঙবং মপুবু ঐখোই পুম্ব থুকমলুসি। "[illegible]" মহাক উখদ থমোই শোঙ্ক হাইজরকই—

—প্রিয়া, করি মতৌনো তৌরিবসিখো? মহাক য়ৌন শেংক। হোপৎ কাংথৎপ ফাওব ভমত্রব! ঐহাক নংবু লৈখি উখত্রে। মগী নতৌ উবদ থরাই মপাল থোকদৌরে, চিংখবন পুক্নিং ফাথব ওমদরে। মতম থরদং উমবির্দখদ ঈসুক য়াম্ন হোংলম্নব! নহাক চাদ-থরুবদগী অসি য়ৌন শোকপনি। অমুক চৎলা হেন্নু প্রিয়া....চৎলা হেন্নু—

অতু তাবদ প্রিয়ান থজিক শোঙ্গুন হায়রকই—

—চাষবী ঐগী ব্রতসে কায়ফয়ে। নংন হায়ব ইত্তে থম্ব নং ঐবু হায়রিবসু।

—মহাক আশ্রমবু থাদোক্লগে খল্লবরনে প্রেম্না ?

—মদুদি মহাত্মা থৌজালগী মথাদ লৈরে গন্তে। ঐন করিমুক হায়রুনি,—নোংম ঐন মন্দিরসিগী মাংদ লেপ্লদুন হাশকখি—পাপ চেল্লব নাস্তিকশিংদুন ভগবানগী মাংদ মওক নোল্লম্রিব মতম অদুপকী মথৌ ঐহাক চন্না হেনগনি। হৌজিক ফাওবদি মখোইদু লাকত্রি, ওকচাওঃথকপশিংদু চংজরকাত্রনে গন্তে।

হৌজিক্তি গঙ্গান খংলে, শাহিং চাবশিংদুন আশ্রমবু নৈরম্ব মন্দিরবু মাংথোক্রম্ব চুমিত্তুদগী প্রেম্নমদানি ব্রতসি মথুম্না থম্বালদ কচ্চখিবনি। অমুক থিংলুব ওম্নরোই। আশ্রমদ লৈব থুদিংমক অনিংবমগী মথাদ পস্থুং ম্লৌনব অওম্ব ব্রত কৎনে। কনান ইলুং ওানবদগী মখোং নাম্মত লৈমাইদ লেপত্তুন মহাবু অম্নাব চৈথেং পিরি....কনান নোংমদোল অতিম্নাদ মথোং হুংখৎতুন তাম্নবং মপুবু কৌরি ..কনামন কোম্নৌগী অইং অশাদ মহাবু চাকথেকহান্নি.......কনামন উফুল হাইফুল তৈদুন কৈগী মওন্দ ফমত্তুন চাপ-থক্তবগী মৈশাদ থমোইবু হম্ন হম্ন চামথোক্লি...। মদুমক ওসিদি প্রেম্নম-ঋদানং মশক তাক্লরে। হৌজিক্তি খবর কাগজদ ...জন্নেলশিংদ ...খংলু উক্লবদগী পেনজাব ওমজম্নব মীওইশিংন আশ্রম তম্ন মফম ফম্নাদে ফুজিম্নব হৌম্নক্লে।

মন্দির হৌরবদ হরিজন চা কন্নান মহাত্মা থম্না উফুল তৌনন্নক্লে। মহাকপু কন্নারক হম্ন থুকমদুন লৈশি লৈথোনম্নে।

তাব্রবং লেম্ব মপুমল্লী মাংদ মীন মীবু পুজা তৌগ্রে। মদু উবদ শাগোন্নদুন চৎলিবী চনচলিন নাশোল ওইন হায়রকই — ‘হে! প্রভু, নংন পাপ্পিববু অসিরনে?” মীস্লামচুশী মরক্ত অওকপন মাংওইনরব পাওমীশিংন ব্রাহং কল্পা থল্লকই -

— ইবেম্ম খ্রিস্তান চরা হেনখিব চুমিং কল্লানি শুরবগে?

— চুমিং ৩০নি শুরে।

— মরম কল্লিশী চরা হেনবনো?

— পুক্কিং, ব্রাথম অমসুং থমোই লাকশিন্নব।

— ইবেম্ম, হরিজনশিংবু অমাংবা জ.ৎলা?

— নত্তে।

— মরম কল্লিশীদমক মথোইবু হিন্দু ধর্ম্মন ইস্তোকলিবনো?

— ধর্ম্মন কনাবুসু ইস্তোকপ লৈতে। মদু হেনজিনব লিচৎনি।

— ঐখোই ইবেম্মন আশ্রমবু করি ওইন থনবিবগে?

— তমজনিংঙাই ওইরব ধর্ম্মন খুমকম ওইব সমাজগী আশ্রমনি।

— ইবেম্মশী মত মতুংইন অতৈ ধর্ম্মগ হিন্দু ধর্ম্মগ করি খেল্লবগে?

— খেমনব থোইদোকপ লৈতে। তোঙান তোঙানব লম্বীদশী পনথুং অমদ য়োনিব চৎনবগুম্বনি।

— অদোমগী ধর্ম্মগী পান্দম কল্লিনো?

— সেবা, — মীন মীবু থমোইশেংন চুংশিন তৌব সেবাদগী অথোইব ধর্ম্ম অমা লৈব্রবনি।

ওসিদি পৃথিবীগী মকম কল্লাদগী তোঙান তোঙানব মীওইশিংন প্রিয়ম্বদাগী নাক্ত য়োম্লরে। মথোইশিংদুগী মরকত

লৌশিং লৈরুব, য়াবরু লৈরব কয়া য়াওরি। মনে লিষ্ট, পাওমী, থমরু কগাজগী ইডিটর চা কয়ান য়াহৌং লিশিং ক্লিশিং হুংলরি মমল য়াওরুবী আশ্রমগী লমোইবীশিংদুগী মাংদ্রব শক্তম লৌরবি খোজেল থোক্ক পাওখুম পিওমরুবী প্রেমস্বদান মখোক, লোইরুব লৈরাজুম মন্দিরগী মাংদ য়ক্তাদুন লৈরি। করিদ শোইখিপদগে থম মিকুপ নাহুম লেংলিবশিংতুন মরোল্ল কয়ারক হম্ম কোইদুন মিৎকম হোংদন লৈনরি। তায়বং মপুগী মথুরা থম্বালদে শন্দো-রকপ ধুপ অমসুং চন্দন মনম্ন মফম থুদিংদ চেন্দুন শায়ররি। মীয়ামদুগী মরক খাইন তহা তহা চেল্লকইব ভয়ানন্দন অচিক-পদুবু থুগাইরকই।

মথুত্তগী পোৎয়োমদু প্রেমস্বদাগী মাংদ থম্মদুন,

—প্রেম, শকথংদব মুপা'মন পিরম্বনি। অতুগ মসিমসু হায়-রমই—পোৎয়োমসি প্রেমস্বদাগী মথুত্ত মুৎথেংনন শিল্লবীয়ু। পুজাগীদমক য়াওরিব হৈরাং লৈরাংশিংসি মথুৎমক্ত তায়বং মপুদ কৎহনবিয়ু।

মতু তাবদ চনচলিন চিংনন হংলকই—

—তাইদা, মুপাদুদি লৈহৌরিবরা ?

—এন লৈথোরকপদ মহাক লৈরমল্লে। শকথংদব মুপাদু থিব কংহ্লবদুনদি পোৎয়োমসি পুদুন চংজরক্কবনি।

—অতুদি চলিয়া করি য়াওরি হাংদোকতুন অদুক য়েংশিদন।

প্রেমস্বদান ইঙ্গিৎ তৌরকই—হাংদোকউ। ভয়ানন্দন হাং-দোক্কে। লৈনমু হায়ব শিংতেল লৈরাংশিংতুগী মরক্ত য়াওরি—

হিরা........মণি...মুক্তা.........মনুগী মথাদ মশিং থিগুমত্রেব লুপা —।
লৈতেংগী পোৎশকশিংদুগী মতাজন শিনব খুংম কুপোরকই। মতু
উরকপদ তিল্লিব মীয়ামদুন অমুক থিংলুব ওমদন লাওনরকই —
মত্তিদি ভগবানগী ভক্ত থোনবগুনি...মসিন খুদাংদ থোনবনি....
মল্লিন খ্যাংদ .. ...মসিন কোক্ত...মসিম চুড়াগী লৈতেংনি.........
থোক্লেমশিংদুন মন্দিরশুংদ চেংথাইব মথৈ নিল্লকই। মংহৌসন
সুংতাইরব পাওদু আক্রমণগী কাটিন-কোয়া শিনব থুংল্লে। চুপা
চুপী অহল অতাং অৗরব খুদিংমক মল্লা মহাগী মথৌ থাদোক্লদুন
মন্দির তম চেয়কল্লে। সুংতাইমনখিবম, কমান কাংসি ...শক্লিক....
থিংল্লে, কনামন শেনবুং........মাঙ্গং য়োল্লে...কনান মোইবুং হৌন
খোংল্লে। অপায় অপায়ব থিংব....য়েব.......খিমবগী মরক্ত চোং
কপ্পুম অপোই শাগৎল্লে। তায়বং মপুগী লেংত্রেব কোলোই মিংলেম
মহৌশাওম নোংমদোল অতিয়া পক্ল থিনগৎলক্লে। হরাও তয়ামগী
চুংতাই মঁচেলদ ওয়মক তাওথল্লে — কনানসু থিংলুব লৈখিদ্রে।

প্রিয়মদান ভগবানগী চরন্দ খুরুম্নকই —
"প্রভু, নংন মন্দিরশুংদ মতম চুম্নদ লেংদন লৈবিয়ু।" ওহাকী
ফুংদ চনচলিগী মায়রব থোক্লেল অমা — অমুদগী ...জাগী —।
থোক্লেমছুন পুয়মগী হরাও তয়ারবু মন্দিরশুংদগী লাথ তাংহারকই।
প্রিয়া! মিৎ পাংউমে প্রিয়া —। কদ্রিনো নংন তৌরিবসিবো?
— প্রিয়া! প্রিয়া — অমুক্তদি থুমউমে চায়বী নংবো?
নংন তৌরিবসিবু কারিমো? নংন তৌরিবসিবু কদ্রিনো?

য়াকচিংগী উনয়ংগী কয়ারক হয় কুদেকশিরব, নোংদম কৌন
লাইরেংদুন কয়ারক হয় নেহংশিরব শিংতেম লৈরাকুম মৌজরিবী

মখোইবু উক্লব মুদক্ত, মনাক মরু চৈরিক শান্দুন হাম্বরকই — অমুক হৌদোকলুরগু লেবী, — মহাক মপোকসিমগী ওইনা তুম-ম্নবনি। খ্রাহৈন্দুমরু ওইরমালে, মুণ্ড-মুক্ত থমোই কক্লাগী খিংওমত্রব মুংশি ইচেলন আশ্রমগী চেমাইদ অম চৈত্রব ইভাগী নোঙুমন হৈথরক্লে।

তাঙ্কক ১৫

তাম্নবংগাল থাদোকতুন প্রিয়ম্বদা চৎখ্রে। অদুমু গাগী মুংশিবদি লেংদন অদুমক থম্নীরম্লে। মহাক্কী মুংশি লংজান চৈরিব পুম্নমকপু চেৎন পুন্দুন থম্নীরমবনরা হায়রবদি খংবা ওমম্লে, হাইনরুম নাইদন আশ্রমদ হৌজিক্কি চৎন পথাপ হেন্দ্র কুংখিল-বগুম, মংথৌদ হেন্ন পুক্রিং খিংজিম্নবগুম তৌনরক্লে।

নিংথাইব অমুক ওম্নরোইদবমথে মুংওাই ম্নাইকরিবশিং, শিগনি হায়বক্কাওব কাওথোক্লবশিং...চোম্নব, মরাইবক খিরুব মপোক্কী চৈথেংন শিঙমদন চৈরব কাংমুশিং... মখোই লোইনমক্ক মন্দিরগী থোংজিন্দ লেপ্লরে। শলিগ্রাম চামনিপালগী লৈরুগী মহুংদ শক-চু ওনবমথে মুনি খাশি কন্নান চাদ থক্ক ইবুংঙো মাগী মকমদ থম্নাই

হৃকচাং কথোক্লরে। লম্মোইরবু মুপা মুগী কয়ান অক্লংব থরা, চাম্লুন পেম্মোক্লল্লে, মক্কম খুদিং চৎতুন মপুগী কোলোই পাক চাওন শম্মোক্লরে। ইনাকখুনবশিংন লনগী ময়াইকাব থাদোকতুন অরেব সম্পত্তি দান তৌররে। লেংম্রব মুংশিবগী মপুংওইব প্রিয়ম্বদাগী খোংফমদুদ লেপতুন মথংগী মংপাক্লীদমক পুন্য তাল্লরে। শক্তি লৈবশিংদুসু নাপল থাদোক্লে, থরাইপানবশিংগী সেবাদ থরাই লুপ্পরে। মিংচৎকী উল্লোং খিনবগী খোইদাব থাদোকতুন মফম কয়াদগী মীওই লিশিং লিশিংন লাকতুন মুংশিবশিংগী মরক্তগী অথোইব মুংশিববু হুমদুন মাদুন খিররে।

গঙ্গাদি পিক্লব উনান কুপ্প খাংংপোকতুগী মনুংদ মথম্মত অথৎপী তারতুগী খোইথুম্রব শুরদগী হেন্ন থুম্লব মহাক্কী খোজেলগ ঈরোইনদুন তাবিনিংঙাই কনা লৈত্রব মফমদুদ মপুগী কোলোই শক শোনবদ থরাই হকচাং লুপশিল্লি। মহাক্কী ওরন নাপদ খজিক থেংনুরব মহাক অদুদি নোংম নত্রগ নেংম খাংংপোক্তুগী মনাক নক্ক লৈরিব লম্মীতুগী মপান্দ হৌরিব মনা পুংলব খোংনাং পাম্বীদুগী মথোংদ মিকুপ'মতং ওইরবসু ফমতুন রাম্বুরব হায়বসিদি শোইদ্রবনি। মুমিদাংবাইরম খুদিং ভক্তশিংন শকথংদবী লম্মোই-বীদুগী শুরদ......খোজেলদ.. লাইশোল ঈংশদ ঙাওররি, অরা পোথানররি। ঙসিদি মথোই ময়ামদুগী মরক্তগী হেন্ন থমোই শোক্লব মুপা'মন লাংতক্লন হংজরকই—

—শকথংদবীসিবু কনালো? অমুক্তং থুক্রমক্কব য়াগদরা? মহাক্কী অশেংব থমোইদগী ঙাইওমদব রাহংতু তাক্লব থুদক্ত চীংলেম্ন লৈরিব খশি অমন থুম্নকই—

—অপথবীদু, ঙুখিবাংবাইবব ওইশিন্নরে।

পাওপুকদ্রস ঙাওবব হুপ্পাদু অথাবুক তাম্লকখিদ্রে। ওহাক্কী তুংদ তক্ত লিশিং লিশিং মাইক্ক অংদোমদ ফুজিল্লকে। খাংপোক-তুম্নী থোক্লিন্দ ইপন্নরে। খিক্লব উনাপী খাংপোকতুনু মরোল কম্মারক হঙ্ক কোইরম্ন। শকথংদবী অশ্বোইবীদুন থোক্লকপদদি, লুচিংবী রাণীমু হরিংথোইশিংন য়োম্বওম য়োমশিন্দুন মন্দিরদ পুক্রে। মশক উজনিংবকুন ঈথৌম্নাংনব অমানব হুপাদুবুদি কনানসু থৌজানবিখিদ্রে। পুনিং কাংনু, থুবাক লাইখদ্র তান, কন চেন-চোংদুন হোংনজখি—অদুবু হোংনজব অপুম্ব অরেম্ব তাদ্রে। হুজিল্লক্কিব মীয়ামতুন তকথোকতুন....ইম্থোকতুন....থম্বীরম্মে। নিংব কাইন লেপলিঙে মিক্কুপতুদ মুংশা মর ফুইন ফুইন হোন্দুন তুমিংচুম্ম মবুংঙোবু উদবদ থোইরাংতুন কম্মারক হঙ্ক কপথোকলুরব মুনিরাম—

—বাবু লেংলসি হুমিং তাশিল্লক্লে। মুমদ ঙাইনরম্মগনি। ঐদি বাবু থিবদ করাদ্র রারর। অতুম বাবুদি—?

—মুনিরাম,

—বাবু—

—হৌ জিক মমাম্ন য়োমশিন্দুন পুখিবী লমোইকীদু নহাক উদ্রৌদ্রা?

—কদাইদে রানো বাবু! ঐথোইগুম মী মচান মুনি খাশি তক্ত-শিংদুগী মনাক্ত চৎলু রাকউব ঙমপোৎ নত্তে। লেংলসি হুমিং তাশিল্লকে। অনাবশিংদু—।

—মুনিরাম, অনাবশিংদুদি লাইহ্রি.—ঐখী থমোই লাইমাসিদুম হান লায়েংখিব তাদ্রি। মহাকতুবু—?

মুনিরায় মবুংঙোদ অমুক ময়েংই হন্দুনা মীয়ামদুদ অমুক ময়েংলুরি—মুঙদ চেক্সিন অর্বদু খংবা ওমদ অকোক তাওখৎলকই। মীয়ামদুনা লাও-খোংদুনা মন্দির তম্লি।—

মন্দির য়োরবা মতুংদ তিল্লিবা ভক্তশিংগা লোইননা গঙ্গা অমসুং চমচালি লাইশোল চৈশে শকতুনা মপু মাগী মুংশি ঈরোলমুংদ তাওদুনা পুংজা কয়া লেপ্লে। মুরিদাংনা মপুং ওইরবদ অথোইবা খশিশিংনা ধর্মগী পাওতাকশিং নৈনদুনা থবাই হকচাং লুপশিনবা হৌরে। হৌজিক্তি মখোই অমি উনাগী থাংগোক তম্লে।

—গঙ্গে, মহাক নিংশিংলিবরা? মতম অমগী আশ্রমগী ফিবমদু?

—হাইয়ু তাসি চায়বী।

—নিংখাইবা অমুক ভয়রোইদবা মওংদ চীংমুক য়াংনা পৈরমবা লন-থুমশিংদুবু ভাকুশিংনা হুদুনা পুখিবা মুমিত্তুদগী আশ্রমসি কয়াদ মুইনা লৈকংলা ওইখিবা। অকোয়বদ লৈরিবা খুঙ্গংশিংগা লৈনরমবা মরি পুম্নমক ককলুরবনি। মুমিৎ শিংবুম কয়া শিংথারুবা ওমদন চরা হেন্নখি—তায়বং মপুগী লুক চনখিদে। চাদ থক্ত ভক্তশিংনা কয়াদ য়ান খাংখিবা! হাৎখিবা..... মৈখিবা ...নিংশিংলুবতদ তু-চুংই। হৌজিক্তি পুম্নমক য়াইফরে—তায়বং মপুন থৌজানবীরে। অদুবু ইতা, মুংঙাইথোকতুনা ভাক লৈথোকপদি চুমদে। কনান খঙ্গনি, অনৌবা য়াওনা অমদ হেন্না খুদোংখিবা নংলুবসু। মদুবু মাইয়োক্লগ ওয়ুবা আশ্রমসি মপুং ফানা অনৌবা ফিজোল'ম হোংদোকপিবা পামলে।

করম্ব ফিজোলনো ইতান খোইদারিবদুবু?

— অমুক শিব লৈরম্ব, অহিংবশিংগী চহন শম্লাগ ভাকপ ওমবগী কিংজাদুনি। জিক্কাখক্তন হিংব আশ্রমহুদি ঐহাক পামগ্রে. খোইদাক্লব অমুক লৈত্রে। শ্লেংউ ইতা ধর্ম্মসিদ লাইমিং লৌরব ভক্ত লিশিং কয়ান চয়ব খুন্নংগী মীচম প্রজাগী হুমাং মমলন হিংবসিদি অচৌব লংজবনি। ব্রাহ্মন....ক্ষেত্রি...বৈশ্য.... শুদ্র.......ওইনিংব জাৎ ওইসম্লু, মুপা....মুপী....পুরোহিত........ পুজারি...দেব ঋশি পুম্নমক আশ্রমসিদদি খুৎওমম্ন হিংমিন্নব ভাই। অতোপ্ন মীগী চাকখাওব ধর্ম্মগী মিংদ হুরান্দুন ঐত্তোন্দ পানসিনব—মসিদগী হেন্ন চাওব পাপ অম ভান্নবংদ লৈত্রে। পোক্কনি খংন খংন অশাব মৈ পান্নবদি ঐহাক পামত্রে। ইথুৎমক্ক থাজব হৈন্নাং লৈন্নাংন চনব লুক্কেন্দগী হেনব করম্ন লুকলেন অমা লৈরিবগে? মদুদ ভান্নবং মপুন হেন্ন পেনবিক্কম থোকত্রনে?

— অদুবু চমিন্না পোকপদগী শুব নোম্বগী থবক তৌন্নকন্নব ধর্ম্মগী অংথোইব জান তান্দুন লাক্লব মখোইতুদ লক্লব ওইন থোকলুতুন হেন্ন পাপ লংশিনব থোক্লোইন্না?

—তওাইক্কদব কন্নিবু নমশিন্নুগনি হান্নবগে? লৈখিন্নবী সুরিন্নাগী মপাইবুংত্তো অহলওইরব মালিনিশিবুদি করম্ন করি শিন্না পিক্কগনি। ঐন হান্নজবদি—লেংলি পাপ্নিব ভান্নবংসিদ হিংলিন্ন খুদিংমক থন্নাই পানবশিংগীদমক থনব ওমত্রব, মখোইগীদমক করিওম্ন'ম ফাওব তৌব ওমম্নব লৌনম্ন চহনবীতুন পুন্দুন লৈরব ধর্ম্মতু ধর্ম্ম নত্তে। মীন্নকগী মিংত শোন্দুন শুদ নোমদ জিক্কা

থকেন ঙিংই য়ায়নবদি ধর্ম্মগী অথোইবা লাইনিংকশিংদদি ফাও-রক্লাই। অদুগুম্ব ধর্ম্মগী মশেংবু পম্নসু নত্তে। তঙ্গিদগী মতৌম মাইকৈ অপোম্বদসু মিৎয়েং থম্বসি ঐদি চুম্লদম্বা য়াম্লনে হায়ে।

—তম্বজনিংঙাই ওইরবা সমাজ'মগী চৎমম্বাদুবা হৈতাম খোইদা-বীরিবদুবু ?

—কোইদু মহুক্ষ হাইদ্রিবা ?

—নত্রগা তম্বজনিংঙাই ওইরবা আশ্রম অমা !

চনচলিনা চুমথ্রিং গঙ্গাগী মাইথোংদ য়েংলকই —। মিৎয়েংচুবু থংজঙ্গুবা য়েংথিবী গঙ্গান থম্মোই ফাওনা উংথাকথিবগুম চনচলিগী পুক্নিং মকচাং তম্লাং তাশাইরকই। মপুং ফারবা ১৫নি চনাব মেৎজবা থাজগী মঙালগা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্লি। অদুমগী গঙ্গাগী মাই.থাংদ তারিবা খজিক মিংনাকতু উরুবা মিকুপ্তু চনচলিগী অমোইবসু থিংলুবা ওমদ ফাওদ্রিমে।

তাঙ্কক ১৬

পৃথিবীগী ইতিহাসত হৈ-শিংনব সেনাপতি কয়াগী মরমদ পাক চাওন শিংথানব্রি। মখোই থক্কুরা মাই পাক্লব লুচিংব অমা হায়বসি? মালেমসিগী মথক্ত মফম অমসুং মতমগী মতুংইন লাম্লোং শিনব হৈরব শকথংদব কয়াসু লৈরি। মখোইদুদি হৈশিংবশিংদুগী মনুং চক্রবরা?

চনচলিগী লাম্লোংদি তোংঙাল্লি। ঙসিদি অমুক নমথব ওয়রোইদব মহাক্কী আশাগী তোর্বান্দ ওন্নমক হিথাংলরে।— লম্বীদ...লমথাংদ...মন্দিরগী শিড়িদ... চাক্লিবশিংন ভিক্ষাগীদমক অমুক লেপ্লদরে। ভক্তশিংগী থমোইদ চৈনা পিব তৌখিদরে। আশ্রমগী অকোয়বদ যোগী ঋষিশিংন থাজব হৈপাল লৈপালশিংন মহৈ মরোং চুম্ন পানথৎলক্লে। কিজেৎ হোংলবশিংন মফম খুদিং চত্তুন ধর্ম্মগী অথোইব মঙাল, শিক্ষা পিব হৌগ্রে। চনচলিন হেকলুরব লৈরাং পরেং য়োন্দুন মছাগী চরা তানখরে। শজান ভগবানগী দর্শনগীদমক মন্দিরদ লাকপ ভক্তশিংগী মখোং শেংদুন মপুদগী ফংজব থরদুন হিংনবগী লম্বী ওইগ্রে। ভয়ানন্দন আশ্রমগী মণবীশিংন পিব শজোম য়োন্দুন নোংমগী থুৎতুমন ওইগ্রে।

ভক্ত লিশিং লিশিংনে হাংব লৈত ইন্নুং ভাল্লকপদ মন্দিরগী হোজংদ মরোল মরোল পৈররে। মখোই থুদিংমক্তা মখোং হামদুন চরা তাল্লিবী অরোনব শক্রোন পুবী শকথংদবী লমোইবীদু উরুব খুদক্ত চৌংনবতন মাংজিন থারব মুপা অমন ইকায়-অকি খাদোক্লদুন হংজরকই—

—অথোইব পুন্সিগী ধর্ম্মদ থব্রাই কথোক্লবী, হে। ফিদমনফম ওইরবী—নহাকপু কনানো খংজব মাগদরা?

পাওপুম পিরুব লৈত গঙ্গান মাইথোং লৈদ লুক্র মখোদ থমোই লুপশিল্লি। মহাক্তী মওং মতৌদ হেন্ন পুক্লিং খোইরাংনব মুপাদুন তকশিল্লকই—

—শক থংজবদ অকাইব লৈত্রব আশ্রমগী চৎনবীদু লৈরবদি, ঐন অমুকন্থু হন্ন হংজরি শকথংদবী, অহেনব পুন্য তাল্লিবী নহাকপু কনানো? চানবীদুন ঐগী পুক্লিংগী চৌংনবসি কোক-হনবীয়ু, পোথাকন থংজদ্রব তোল্লব ঐগী থমোই লাইনাসি কোকচনব নংদী থৌজাল ঈরিক্লো খিকথবিরো।

থৌশ্লাক্লব লৈত গঙ্গান মুপাদুগী মখোংদু তপ্ন তপ্ন শেংন হৌগ্লে মহাক্তী থোৎ নৌরব থংশান শোকলুব খুদক্ত মপ হংবমুক মরাইবক ফয়ব মুপাদুগী থমোইদু অমুক তপথব লৈখিদ্রে। ইকায়-মুংশি য়াগ্লখ্রে। লোম্ন-থুপ্ন দিলোক্লিব গুৎশাশিংদু কুপ্ন মাংখিনব হৌদ্লকই মহাক্তী হেনজিনব মওংদ পেনজদ্রবী চনচলিন—

—আশ্রমদ লৈবীশিংদি মহান মহাদু শক হাক্লবগী চৎনবীদুদ হেন্ন খোইদাংদে। থংনিংবগী লংতবনন লমজ্জিংবদুন্থু লৈদ্রে।

শিনফমসিদ শেংলবা থমোইদগী শিঙ্গুরকপ মিলুগী পিরাংঙু ময়াওরি। ঙারোবীব লৈতন পুক্কিং তপ্ন ফাথবীবু, এখোই — আশ্রমগী মীনাইনুপীশিংদি মতমচুপ্পদ ধর্মন পুন্দুন লে।

ঙাহে থরতুন ওইরমালে অঙনব অযুক্ত থোক্নিব কোয়োগী মাইথোংদু লাংশিনখ্রে, মিকুপ খরগী মখুৎদ ঈওয় ভাংখ্রে। খংহৌদন মচু নিরুবই ..মকোক ভাওরকই ...অশেংব থমোইগী লাইনা খুদকতুদ হৌরক্রে। অান মাংসকই খোংথাং চোইরকই। খোনফম কান্নন হন্ন হন্ন কৌরকই — মুনিরাম .. .. মুনিরাম....... । মিঙ্গৌদুমক্ত ওইরমাক্লে গঙ্গাগী লুতোন শংখ্রে। লৈদুন য়েংলুবদ থংলে — মপুরোইব ডাক্টর রাজনি। চহি কয়াগী তুংদ ওসিদি অংক উজব যংমে। অদুবু মপুরোইবগী মাইথোং উক্রব পুদক্ত খমোই থংশোক শোকখ্রে। তঙংং তঙাংলব মইংথাং থম্বালভু নিংওমদবগী মৈচাক্ক কাহৎখ্রে। অহল ওইরকপগী মথক্ত হেন্ন অহল ওইবগী পোৎলুমন নম্বরকপদ হকচাং কয়াৎ খুদিং শিনব থংন মথুরমালে ককপিদ্রব মওয়াম অমসুং অশাংব কোইশিংদু ওসিদি পুমখৌ ভৌরক্লে। মহাগী তক্রন্ন পুওমচন তুথরকলিব মপুরোইবদু কোন্নদুন তপ্ন লৈমাইদ চিপখ্রে। মবুংভাগী কিবমদ উবদ পাখৎখ্রব মুনিরামন হন্ন হন্ন কৌরকই ডাক্টর বাবু. . ডাক্টর বাবু........। মদু উবদ গচ্চান খোপ্পেল খঙ্গিক ফাখরান ফায়রকই —

— হৌজিক পাখৎতুন লৈবগী মতম নাত্তে। অইংব বুন্দগী ঈশিংশিন লবাইদ তপ্ন য়েপি। চোকথরব হকচাং তেকথংনব অচম হৈরাংশিংগী মহি পিথকসি। —

মতুমক মুনিরাম তৌঃরু, ওহাক্কী তুংদ ডাক্টর রাজ জান লাক্লে। রাখল খোক্লন ওহাক লৈরুরব মতুংদ হৌগৎতুন করম্লে অদুবু আগ্রমগী মীনাইমুবীচুবুদি উব ফংখিদ্রে।

পুক্নিং লাংতক্লন মুনিরাম ম্লেংদুন হংলকই—

—মুনিরাম, ওহাক্কী মাংদ লৈরম্বী, ভক্তশিংগী মখোং শেংলম্বী-দুদি কদাইদ চৎখরে? নহাক মহাকপু খংবরা?

—হৌজিক সিদ লৈরুদনি। কদোমদ চংশ্রবনো খংজদ্রে। মন্দিরদ চংলমগদরা—? হরিজন মীনাইমুপীশিং ওইরমগনি বাবু। মতমচুপ্পদ মহাক্তি শিনফমসিদ হিংলবনি। কৌজরুসো হায়ব্রা?

—নত্তে মুনিরাম, নহাক্কী রাখলদু ওম্নে। মহাক মীনাই মুপী নত্তে। নংগী রাদুদ ঐ থাজব ওমদে। তাও ঐ রা হাইগে—শক্লোন পুরী আগ্রমগী মবেম্মশিংন, ভক্তশিংগী খমোই পরিক্ষা তৌব ওইরম্লবদি পুন্সিসি হেম্ন লৈখা তারোইদ্রা? ঐন তাখিব কয়া লৈ—মখোইদি মুনি ঋশিশিংদগী হেম্ন ঈশ্বরগী মনাক নক্লবী ওাক্লি। মখোইগী লিচৎ...শাজৎ........কনানসু থংব ওমদে। ঐহাক হায় চিংনরে মুনিরাম। খোজেলদুদ অমুত্ত...রাঙাংচুদ শিংনবগী নাগল য়াওরি। অরোনব শক্লোন্দুন তাক্লি—ধর্ম্মগী অয়োব থাজব'ম খমোইগী য়ুখল মরুগদ লৈরি। মুনিরাম—

—বাবু.

—মহাকতু ঐগী খমোইগী চিত্র মানম্লেদকো। ঐগী থাজবশিবু লাল্লগদরমে মুনিরাম?

—করি রানো বাবু অসুক কুইন থিরকপদ ফংপ্ৰবসিদবু!

হোই - হরিজন মুপীশিংসি কেব লাকপ হৈরবদি য়েংবে মাব
অদুমক মন্নাওবনি।

-- অপংসিদি, মমিৎত থুৎলোম্বীন থিজিনব মখৈ থংবা লৈরোই-
দৌবনি — । নহাক উহৌদ্রা — মহাকতুগী য়েৎথংব থুৎনমদ
লৈখিব অমুব শমক্রুম্ ?

মুনিরামদি হেন্নোই ওক্কবত্তম মবুংঙোন ঙাংজক্লিবশিংদু
তাক্কবদ হেন্নদুম মিপান্নব পোক্কদুন—

- বাবু ওহাক্ত পোথাবিখো....ওহাক্রুপ.... ।

তৌক্ষম থংদ হান্নজরুই । মদু তামদ হেম খোঙ্গৌ
শাওগৎলদুন ডাক্টর রাজন—

—অপংব ! মহাক অদো ঐগী চিন্ননি; ঐগী থমোইগী গঙ্গা।
ঐন মহাকপু মরাম লৈত মরাল পিত্নন তান্থোকখি। মুমিতুগী
অহিংদগী ঐগী থমোই লাইনা হৌখি। ঐ মঙোন্দ মানখ্রে...
ঙাকপিক্ষম খোকন্নব ইন্নানদু লংজখ্রেনে মুনিরাম।—

মুনিরামদি ওক্কব রাক্ষমদুদ মুংঙাইবগী ঈথক ইপোম কারক্লে
চহি কয়া হৌখ্রে.......থিব মাব থিক্করে.......ক্ষংদত্নন লাক্রবনি।
মবেম্মন ওঙ্গি ক্ষাওব হিংদুন লৈরি তাবসিদ অমুক পন্থব তৌপম
লমোইবীদুগী নাক্ত চেন্নক্লে। মখোংদ তুরদুন পুব........থাংব
ওন্নরোইদব রাকৎ কয়া থাঙ্গৎলরে। —

- ইবেম্ম, ঐবু ঙাকপিয়ু ঐ লানখ্রে......ঐখোই পুন্নমক ইবেম্মগী
মক্ষমদ লংজখ্রে। ঐখোই পুন্নমকপু তাঃম্থাকপিয়ু। ....মুমদ
লেংবীরো, বাবুগী থবাইতাদি কনবীয়ু। ইবেম্মন লেংদ্রবদি

পুন্নমক খাংব তারে। ইবেম্ম চৎখিবদগী য়ুমদু কাং-থোং চাইরে। লন-থুম পুন্নমক খাংব তারে..........।

পাঙথুম অমত্তু কংসকত্রবদ থমোই পুম্ব ওল্লকত্রদুনা মুনিরামদু নিংব কায়না লেপখৎলক্লে। মহাক্কী মওংদু উবদ চনচলিন নোক্লিংবন খাংখ ঙমত্রমাজে চংশিল্লকতুনা -

—গঙ্গে, হিয়াং ভাল্লরিঙেদ তুনাগী শেল থৌররিবত্রু কনানা?

গঙ্গান প্রিয়ম্বদাদ চিংনা য়েংলকই—। অদুদগী থমোই খোনব ঙাইহেগী মতেং লৌরগুন মুনিরামদ হায়রকই—

-মুনিরাম, নহাক্ন ঐগী চংজকম পিব ঙম্মগদরনে? চৎলো চৎলো—নবুংঙোন নংনু থৌরাংন ভাইকুন লৈজগনি।

মুনিরামগী নিংব কায়খ্রে। কল্লি হায়ন থুগ, মখান কল্লি হায়ন তাব মতুংসু মহাক পনকম খংদ্রে। পেহৌ সোহৌ চংকদবগী খৌরাংলকপদ ভয়ানন্দন কর্মজিংদুন লাক্লিব মবুংঙোবু উবত্রু। উইব্ব রাজন অমক পিত্তুব হৌদন মখা তারকই—

ভপথখো গঙ্গা। ঐহাক নকমদ ভাকপিরম্ব পাকত্রব ইরাজদু লংজখ্রে। তেংএব হোন সিচৎ থংদ্রব ঐনি। ইরাজত্তুম্ন মতিক চংত্রব, নংনু কানবগী থমোই লাইবাসি পক্কক। ঐন নংবু খিরকপত্রি কনাদ কুইরব! ঐগী পুংসিগী অদুনা শিকুপত্তু লকল্লিংগী মমংদ নংবু উত্রজব যাংবাদি কংজরে। ওনিসি ঐসে কয়াদ লাইব্বক ফরব! বর্গ অমসুং মত্তগী খোনবত্তু হৌজিক্ক ঐহাক খংলে,- মহাক্তি অচম্বী নত্ত, চায়বংপানগী অত্রা অমা কেকহনব ওব্বী অংগংব ইমা গসানি নহাক্ক নী ইরাজশিংনু ভাকপিদ্রমদন তাপুম্মক চৎলগে থম্লব্রা!

হৌজিক্তি চঙ্গান অমুক খাংদুন লৈব ওম্নকত্রে, মপুরোইবগী মথুয়া থম্বাল শোক্ন গুরুমদুন হায়জরকই—

—ইবুংঙো, ননাইনুবীদ অদুম্ন তাকপিগন্নু। তোমবীদি নথুয়াগী উফুলগ পাংথক্নি। লান্নিবদি ঐহাক্নি, হৌখিব মগোক্ত তৌজরকপ কর্মগী ফলদু ঙক্নি ঐন ফংজবত্নি।

--ব্রাখলদুমক্ল লেপ্লমক্ল নহাক স্বর্গ ফংলবনি। নহাক্ত লেপ্ল লৈত্রব দুংশি ঈচলদ পাপী কয়াগী পাপ চামথোকপিন্নি—মথোইবু লানবীন্নি। লাও নংগী পাথোক্লব ঈচেল খুদিংমক ঐগী থমোই লফাদ চেনশিনবীন্নক্লো....ঈচেলদুগী ঈরোলফুংদ লুপতুন মপোক মপোন্নী ওইন অদুমক লৈজরগে।

মংলাদ তুদুন লৈন্নিবী গঙ্গাবু ডাক্তর ব্রাজন কয়ারক হং অশীর্বাদ তৌরকই—। অতুনগী মথাম্নুংদ চেৎন কোম্লদুন মথ. শ.মথরকই -

ঐগী চীত্র, থমোইগী গঙ্গা—

নহাক শিনফমসিদ চরা তান্দুন হিংলম্লিবনিক্কো ?

—চরা তান্নরগীঙাক্ল শিনফমসিবু মিতাজক্লব নত্তে। নোংম তাকগিখিবদায়—'মীওইবগী অথোইব ধর্মদি অশোল অন'শিংগী সেবা তৌবনি'' নয়াথংদুবু খোইদান ইকোক্ত থাচেৎ-চক্লবতনি, ননাইবু ব্রারৌবিগন্নু।

- থংলে চাম্নবী, নহাক অশংব ঐগী থমোইগী গঙ্গানি। ওসিদগী হৌন নহাক্ত শিক্ষাদুদ ঐগীসু সরুক য়াওরবনি। হে! ঈশ্বর, নহাক্ল চানবীদুন তোম্লব ঐগী পুন্সি ঈচেলসে মপোক মপোক্ত

ওইন গঙ্গাগী ঈচেলদ তিনশিনবিরে। — অমুক থাইদোকপিরগনু....
অমুক থাইদোকপিরগনু....... ।

তাজা ম্নেংন চংলকতুন চনচগিন —

— ঐখোইদি থংজরকদবন লংজব হায়বদু থোকত্রে। চানবীদুন লাইরু থাংপোক্ত ম্নেংশিনবীয়ু, আশ্রমদ ফংজব উ:হ থরদং হাখিনব শিনজগ।

— লাইবক ফবী, নখোইগী করম্ব সেবাদ ঐন অমুক খোইদা-রুখিদনি ? হৌজিক্তি গঙ্গান মরম ওইদুন ঐবুসু মফমসিদ পুশিনবিরক্কে। মসিদগী হেনব অময়ুক ঐন খোইদারুখিদ্রা ?

মতু তাবদ ভয়ানন্দন খুম্নকই—

— অদোমদ অকায়ব থোকলোইদব নৈরবদি ওহাক ম্নেংশিন্নব তৌবীয়ু। অতোপ্পগী সেবাদ থম্লাই কখোক্রবীশিংসিগী নিংজব অপুম্ব থুংহনবীরমউ।

— ভয়া, ঐবু হৌজিক ফাওব অতোপ্প'ম ওইরিবরা ? অদুবু নখোই ব্রহ্মচারিশিং, পুন্সিবু লৈকংলা ওইহন্দুন ধর্ম্মগী লিপুম্ন পুনগ্নব, মহাগী ওইজব থাদোক্লবশিংগী য়াথং হিক্তোকচবদি ইতিক লৈজদে, চৎলসি চৎলো —

— লেংবিশি।

— অদুবু ভয়া —

— তাকপিয়ু।

— মুম্বানবগী পুন্সিদ খোংদাখিজ্রব, হিদায়ব লৈজ্রব, অদোমগী পুন্সিন অতোপ্প করি শক্তি লৈবনানো থংগ্রে, অনৈম ঈচেজন ইরু-তাব য়াবতম ঐগী পুঙমত্রব থমোইদ থাংডমদব মৈচাক'ম পিরম্নে।

—ঐহাক মুম্বাজ্রব হায়বদুমদি নত্রে।

পুক্লিং থল্লাই হৌরাং লৈজব 'পুম্ব মফমদ কংখাকখ্রবনি।

পুন্সিগী অহানব বসন্তগী ঋতু খোংচৎ লাকপদ, ঐদি তাম্নবং মপুদ লুহোংখ্রবনি।

ডাক্টর রাজন মথন্নত খনৈজে—মুনি....ঋশি .. যোগী...অমসুং ব্রহ্মচারিশিংগী মিৎয়েংদি মতম লৈব থিবিক্ত ময়ামদগী তোঙাল্লি। মীওইবন খংব ঙম্ব, উব ঙম্ব চাংদগী হেন্ন ল্লাংই, মচিনতুম্ব হেল্লি। মরমদুন মথা তাব ল্লাহং অমুক হয় থমলুদ্রে। অদুদগী কৌরকই—

- মুনিরাম...মুনিরাম....।

বাবু,

- নহাক যুমদ হল্লো, মতমচুপ্পদ খুমদুবু শেল্লজবদ নথল্লাই য়োনজরক্রবনি। অদুন, মচু নহাক্ক ফংফম থোকই। অদুগ লেমহৌরিব লন খুদিংমক আশ্রমগীনি।

মথা অমুক তারমদন, ডম্নানন্দন লমজিংদুন ডাক্টর রাজ মন্দির তম্ন তপ্ন......তপ্ন........চৎখ্রে। নাইতোম হুন্দোকপিরম্লব মুনিরাম, মিৎলু থুম্ন ঈহৌরক্লে। মবুংঙোবু য়েংজে, আশ্রমগী হৈপাল লৈপালন মিৎয়েংগী লম্বী থৎখরে। নিংব কায়ন মপি তৈথোক তৈথোক্ক ময়ুমদ হনখরে।

লোইরব

